# মঙাল

*মীওইবগী অচুম্বা লমজিং*

Vol: 5, Issue: 15 (Apr-Jun) 2013 (Jamada-I-Rajab) 1434H



## য়াওফম


এদিটরনা করি হায়রি ২

কুরআন্না হায় – মৌলানা অশরফ অলী ৩

হজরত মুহম্মদকী পুন্সি হৌরকপা –মৌলানা সলাতুর রহমান নদরি ৫

দরবিনগী ইভোলুশন থিয়োরিবু মায়থিহনখ্রবা মী –শৈখ অমির হুসেন চিশতি ৭

অল্লাহগী ফজবা মিংলেনশিং –অজাদ কোমোল ১০

অমম্বদগী মঙাল্লোমদা –অমির সুভান ১৩

ইসলাম অমসুং গ্লোবেলাইজেসন ইন্দর রহমান ১৫

কলিমাগী বার্তোন – মুফতি সলাতুর ১৭

ইস্লামদা শান্ন-খোৎনবা –অজাদ কোমোল ১৯

নবীশিংগী সুন্নৎ অমসুং কোই -অব্দুস সত্তার কাসমী ২১

ইমুং মনুং হান্না চুমহনসি -মুহম্মদ সমীর হুসেন ২৫

অশেংবা মপু অমগী মরমদা মান্নদবা রাখল্লোনশিং —শৈখ অমির হুসেন চিশতি ২৬

ঐনা ইসলামদা করিগী চংলক্লি – মৌলানা অব্দুল হমিদ ২৭

মুর্তি পুজা করব্রা মতমদা হৌরকখি – মৌলানা মুহম্মদ কলীম সিদ্দীকী ৩০

রাহং-পাওখুম ৩২



**Editor**
Mufti Salatur Rahman

**Joint Editor**
Azad Komol

**Sub Editors**
Raheizuddin Shaikh (Samu)

**Manager**
Sirajuddin Shaikh

**Circulation Manager**
Yunush Khan

**Design & Composed by:**
Electrographics Sign Pvt. Ltd.
Jogeshwari (w)
Mumbai - 400 102

**Advisory Board**
Mufti Siraj Ahmed Qasmi
Mohammed Umar Gautam
Maulana Kaleem Siddiquei
Mufti Abdul Haleem
Mufti Abdullah
Maulana Abdul Haque
Maulana Abdul Hamid
Mohd. Salim
Mohd. Inder Rahman

**Publisher**
Islamic Research & Da'wah Centre
835, Adarsh Nagar, New Link Road,
Oshiwara, Jogeshwari (W)
Mumbai - 400 102
Tel: +91 22-28723003
E-mail: islam.irdc@gmail.com

**Office and Collection Centre**
Islamic Research & Da'wah Centre
Babupara Masjid Road, Babupara
Imphal, Manipur-795 001(India)
Phone: 0385-2445555
E-mail: islam.irdc@gmail.com
www.irdc.org.in

**Printed at:**
Dhote Offset Technokrafts Pvt. Ltd.
29, Satyam, Subhash Road, Jogeshwari (E)
Mumbai-400060

# অজানগী অঙকপা থৌওং


মসিবু তাবদা ঙকপদি য়াই, অদুবু মালেমগী মুস্লিম জাতিগী মরমদা পুন্নমক্না য়ানরবা ৱাফম্নি। পৃথিবীগী মেপ অমদা অমুক্তং য়েংলবদি ইন্ডোনেশিয়া পৃথিবীগী নোংপোক্লোম থংবা নাকন্দা লৈবা উগনি। জজ, সুমত্রা, বোর্নিও অমদি সাইবিল ইন্ডোনেশিয়াগী অচৌবা শহরশিংনি।

সাইবিলগী নোংপোক থংবা শরুক্তা সুবহ সাদিক ওইখিবগা লমদমদুগী চাওরাক্না পুং ৫:৩০ স.গু দা মুঅজজিন কয়ানা অজান পীবা হৌই। থৌওং অসি ইন্ডোনেশিয়াগী নোংচুপলোমদা শন্দোকখি। সাইবিলগী মতুং পুং অমগা মখায়মুক লৈরগা জকরতা দা অমুক অজানগী খোন্থাং নিনবা হৌরকই। সুমত্রাদা অমুক মখা চথরকই অমদি মসিগী য়াইফরবা অজানগী থৌরম ইন্ডোনেশিয়াদা লোইদ্রিঙৈ মালেশিয়াদা হান্নবা অজান হৌখ্রবনি। মসিগী  মতুংদা অমুক বর্মা (ম্যানমার) লৈখ্রে। জকরতাদা অজান হৌখিবা পুং অমগী মনুংদা বঙ্গলাদেশকী কোনুং ধাকা য়ৌরক্লে, মসিগী মতুংদা ভারতকী মনুংদা কোলকাতাদগী শ্রিনগর তান্না শন্দোকখ্রবনি; মুম্বাইরোমদা অমুক চৎখ্রে, অসুন্না ভারত শিনথুংনা অজানগী খোঞ্জেলনা নিনখ্রে। শ্রিনগরগা পাকিস্তানগী শহর সিয়ালকোটকা অজানগী মতম অমত্তনি। সিয়ালকোট, ক্বেটা অমদি করাচিদা মতমগী খেন্নবা মিনিট নিফুনি, মসিগী মতমসিদা পাকিস্তানগী মফম শিনথুংনা অজানগী খোঞ্জেল তানখ্রবনি। মফমদুদা ফজর অজান লোইদ্রিঙৈ অমুক মুসকাত অমদি অফগানিস্তান্দা মাংজৌননা হৌখ্রবনি। মুসকাত অমদি বাগদাদকা পুং অমগী মতম খেন্নে, তাঞ্জাসিদা হিজাজ-এ-মুকদ্দস (মক্কা অমদি মদীনা), য়মন, য়ু:এ:ই, কুৱেট অমদি ইরাক্বী মফমশিংদা অজান্না নিনখ্রবনি। বাগদাদকা ইজিপ্তকী অলেকজনদরিয়াগা অমুক পুং অমগী মতম খেন্নে। তাঞ্জা অসিদা সীরিয়া, ইজিপ্ত অমদি সোমালিয়াদা লেপ্পা নাইদনা শন্দোকখিবনি। তুর্কীগী নোংপোক-নোংচুপ পুং অমগা মখায়গী মতম খেন্নে, তাল্লক অসিদদি অলেকজেনদরিয়াগা লীবিয়াগী কোনুং ত্রিপোলাগা পুং অমখক খেন্নবনা ফজর অজানগী খোঞ্জেলনা লেপ্পা লৈতনা চৎখিদুনা অফ্রিকা মহাদেশ শিনথুংই ।

তৌহীদ অমদি রিসালত ইন্ডোনেশিয়াদগী হৌরক্লগা পুং মাপলগা মখায় তারকপদদি এটলান্টিক মহাসাগরগী নোংপোকথংবা খোঙবান্দা য়েরুরে। মতাংসিদদি ইন্ডোনেশিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা জুহরগী অজান হৌরে অদুগা অমুক ধাকাদা থুংলদ্রিঙৈ অসরগী অজান হৌরে অমদি অসরগী অজান্না জকার্তা য়ৌদ্রিঙৈ মগরিব অজান সাইবিলদা হৌরক্লে। মগরিবকী অজান্না সুমত্রা য়ৌরক্ত্রিঙৈ সাইবিলদা অমুক ঈশাগী মতম য়ৌরক্লে। ইন্ডোনেশিয়াগী মুঅজজিনশিংনা মথং নুমিৎকী ফজর অজান হৌরকপা মতমদদি অফ্রিকাগী মুঅজজিনশিংদি ঈশাগী অজান পীরি।

থৌওং অসিবু ঐখোয়না মুন্না খন্থবা তারবদি পৃথিবীগী লৈমায়দা মুঅজজিন লিশিং চা কয়ানা অজান পীদবা মিৎকুপ অমা লৈতে হায়বা ঙক্লবা থৌওংশিবু খঙবা ঙমগনি। মসিগী মথক্তা মুস্লিমশিংদি এশিয়া অমদি অফ্রিকাথক নত্তনা ইউরোপ, ওসিনিয়া অমদি অৱাং অমসুং খা অমেরিকা শিনথুংনা খুন্দাখিদুনা মসজিদ কয়াদগী অজান পীদুনা লৈরিবনি। অদোম্না মঙাল পাদুনা লৈরিঙৈ তাঞ্জা অদুমক্তদসু মীওই লিশিং কয়ানা অজান পীরিবনি অমদি তারিবনি।

—এদিটর



# কুরআন্না হায়

(হান্নগী মখা)

## সুরহ য়ুনুস

—মৌলানা অশরফ অলী
ময়াং ইম্ফাল

৩১- হায়যু: আসমান অমসুং জমীনদগী কনানা নখোয়দা চিঞ্জাক পীবগে? নত্রগা কনানো (নখোয়গী) মীৎ,নাকোঙগী মপূ ওইরিবা? কনানা ওইহনবগে অহিংবদগী অশিবা অমসুং অশিবদগী অহিংবা অমসুং কনানা থবক খুদিংমক্কী এরেন্জমেন্ট তৌবগে? মখোয়না খুমগনি 'অল্লাহননি'। নহাক হায়য়ু: মদু ওইরগদি মঙোন্দা অকিবা থমদ্রিবা করিগীনো?

৩২- মসিনি নখোয়গী অচুম্বা মপূ অল্লাহ, অদুনা হক্কী মতুংদদি গুমরাহী নত্তনা অতৈ করি লৈরি? করিগীদমক (হক থাদোক্লগা অরানবা মায়কৈদা) থৈদুনা চৎলিবনো?

৩৩- মওং অসুন্না হায়বা ইন্দবশিং ঈমান পুরক্লরোই হায়বগী অকক্নবা ৱাফম নহাক্কী মপূগী লৈখ্রবনি।

৩৪- হায়য়ু! নখোয়গী শরীকশিংগী মনুংদগী কনাগুম্বনা অহানবা ওইনা (মখলুকপূ) শেমখিবা য়াওব্রা? (কয়ামৎকী নুমিত্তা) মতুংদা অমুক হন্না হিঙ্গৎহনবা? (পাউখুম পীবা ঙমদ্রবদি) নহাক হায়য়ু: অল্লাহখক্লা অহানবদগু শেম্বনি অমসুং অমুক হন্নগু শেমগদৌরিবনি, (মসি খঙলবা মতুংদা) নখোয়ন কদায়দনো লৈথোক্লনা চৎলিবা?

৩৫- হায়য়ু: নখোয়গী শরীকশিংগী মনুংদগী হক্কী লম্বী উহনবা ঙম্বা কনাগুম্বা য়াওব্রা? নহাক হায়য়ু: অল্লাহখক্লা অচুম্বা লম্বী উহল্লি। অচুম্বা লম্বী উহল্লিবা মহাক্কী ৱা ইনফম থোকপ্রা নত্রগা মঙোন্দা অচুম্বা লম্বী উহন্দ্রিবা ফাওবা উবা ফংজদবা অদুগী ৱা ইনফম থোকপ্রা? (মসি খঙলবা মতুংদগু) নখোয় কৈদৌরবগে, কমদৌনা ফৈসলা তৌরিবনো?

৩৬- মখোয়গী মনুংদগী অয়াম্বদি অটকল (নিয়ম-নিতি লৈতবা ৱাফম) দা চৎলি, হক ওইবা ৱাফমশিংদা অটকলগী মফম লৈতে, তশেংনমক অল্লাহ মখোয়না তৌরিবা খুদিংমক মমুৎ তানা খঙই।

**তফসীরঃ-** জমীন অমসুং আসমানগী অপুনবগী মখলুক্লা চিঞ্জাক ফংই। প্রমাণ ওইনা আসমানদগী নোং অমসুং নুমিত্তগী মৈশা অসিনচিংবা অদুগা জমীননা মদুগী লৌফম ওইরগা মহৈ-মরোং অমসুং চিঞ্জাক ফংই। মসি কনাগী শক্তিদগীনো? অল্লাহগী শক্তিদগী নত্তব্রা? মওং অসুন্না অকল-লৌশিংনা লাম্বা ফংদবা অঙকপা মওংদা কনানা মীৎ, নাকোঙ শেম্লগে? তাহন্নবা অমসুং উহন্নবগীদমক করি মখলগী পোৎশক্লো হাপ্লিবা? মসিগী মথক্তা ত্রমুকশু অশোয়-অঙাম থোক্তনবা কদায়-কদায়দনো ফিট তৌরিবা? অল্লাহ নত্তনা অসিগুম্বা মখলগী শক্তিশিং অসিগী মপূ ওইরিবা কনানো? মহাকখক্তনি মসিবু লৌথোক্লগে নত্রগা থমখিগে হায়বা ঙল্লিবা। অশিবদগী অহিংবা খুদম ওইনা থৱায় পান্দবা 'মনী' নত্রগা য়েরুমদগী অহিংবা অদুগা অহিংবদগী থৱায় য়াওদবা য়েরুম্নচিংবা কনাননো শেমদুনা ওইহল্লিবা? নত্রগা দুনয়াদা চলাইরিবা থবক খুদিংমক্কী খুশিল তৌরিবা অসিনা কনাগী শক্তিদগীনো? ৱাহংশিং অসিগী পাউখুমদা মখোয়না "অল্লাহখক্কী শক্তিদগীনি" হায়না খুমগনি। মরমদি মুশরিকশিংনশু অল্লাহখক্কী শক্তিনা মসি পুন্নমক ওইহল্লিবনি হায়বসি থাজে। মরম অসিনা হায়বিরি মদুদি অশেংবা মপূ অমসুং 'মালিক' মহাকখক্কী হায়বা য়ারবদি মহাক নত্তবা অতোম্পবু মপূনি হায়না লাৎলিবা অদুদা অকিবা লৈত্রিবা করিগীনো? মপূ ওইফম থোকপদি শক্তি খুদিংমক্তগী শক্তি ৱালা, পুন্নমক্কী মথক্তা মপূ ওইরিবা, তৌগেতা ঙম্বা মহাক অদুনা ওইফম থোকই। মসি খঙলবা মতুংদগু হক্ক থাদোক্লগা অরানবগী মায়কৈদা ওনশিনবা হায়বসিনা করম্বা গ্যান তাবগী থবক্লো?

অসুন্না মঙক কনবা মীওইশিং অসিগী মরাইবক্তা ঈমান তমখিদ্রে। মসিগী মরমদি অল্লাহনা ইল্মদা মখোয় মঙক কনবদা লেঙদনা লৈরগনি খঙবদগীনি। মখা তাব ৱাফমদা অসুন্না হায়বিরি মদুদি জমীন আসমান, নুমিৎ-থা, মীওইবদা য়াওরিবা মীৎ-নাকোঙ, মৌৎ-হয়াৎ পুন্নমকপু শেম্বিবা অমসুং ওইহনবা মহাকখক্কী মায়কৈদগী ওইরবনিনা শিরবা মতুংদা অমুক হন্না হিংহনবা অসিগু মহাকখক্কী থবক্নী। অম্বিয়া-এ-কিরামশিংগী চিন্দগী মহাকখক্লা অমুক হন্না হিঙ্গৎহনগদৌরিবনি হায়বগী পাউ পীহল্লবা মতুংদা য়ানিংদবা অমসুং ইনকার তৌবগী করি মরম্লো? পুন্নমক অসিগী মথক্তা অচুম্বা লম্বী তাকপীবগু মহাকখক্তনি। খুদাখক্লা বন্দাশিংদা অচুম্বা লম্বী তাকপীবা ঙম্মী। মখলুক্কী মনুংদগী অচৌবা মী ওইরবশু নত্রগা মচা ওইরবশু খুদিংমক অল্লাহদা তাংজবনি। মরম অসিনা মহাক্লা তাক্লিবা লম্বী অদুদা চৎকদবনি। মুর্ত্তিগুম্বা করিশু উপায় লৈতবা, লেং-ওৎপা ফাওবশু ঙমজদবা মখোয়দুনা মখলুক্তা করি হিদায়ৎ তৌগনি? অচৌ-অচৌবা

অম্বিয়া অমসুং ফরিশ্তাশিং নশু ইকরার তৌদুনা লাক্লবনি মদুদি খুদাগী হিদায়ৎ য়াওদনা খোঙথাং অমা থাংবা ঐখোয়না ঙমজদে। মহাকথক্লা হিদায়ৎ তৌবিবা মরম্না মহাকপু থাদোক্লগা অরানবা অমসুং অশোনবা পোৎশকশিংদা থাজবা থম্বা অমসুং মতেং নিজবা হায়বসি অকল-লৌশিং ৱাৎপগী চাউরবা খুদম্নি। অল্লাহগী লম্বীদগী হন্দোক্লগা শির্কগী লম্বীদা চৎলিবশিংনা থম্থগদবদি মখোয়গী মনাক্তা করম্বা দলীল লৈবদগী হক্ক থাদোক্লগা অরানবা লম্বী চৎলিবনো? তশেংননা হায়রগদি ভাবনা শাবা ৱাথলশিং নত্তনা মখোয়গী মনাক্তা করিমতা লৈতে। ভাবনা শাবা ৱাথল অদুনা হক্কা চাংদম্নবদা কয়া কুইগদগে?

৩৭- অমসুং কুরআন অসি অল্লাহ নত্তবা কনাগুম্বা অমগী মায়কৈদগী শেমজিন-শাজিনবা পোৎশক নত্তে, মসিদি মমাংথক্তা হৌখ্রবা লাইরিকশিংগী তসদীক তৌবা, তঙাইফদবা অহকামশিং শন্দোক্লা তাকপা লাইরিক্তি অমসুং রব্বুল আলমীনগী মায়কৈদগী (থারকপা)নি হায়বসিদা চিংননিংঙাই লৈত্রবনি।

৩৮- নত্রগা মখোয়না হায় মসিদি (মহাক) স্বঃ)না শেমজিন-শাজিনবনি, নহাক হায়য়ু অদু ওইরবদি নখোয় মসিগা মান্নবা সূরহ অমতং শেম-শারগা উৎলু অমসুং (নখোয় থরদা নত্তনা) অল্লাহ নত্তবা অতৈ মীওইশিং (অখঙ-অহৈ পুন্নমক মতেং পাংহন্নবগীদমক) কৌশিল্লু নখোয়না হায়রিবদু অচুম্বা ওইরগদি?

৩৯- ভাব-মেন ইতা তাদনা মখোয় মচিন থীরে, মখোয়গী জ্ঞ্যান লাম্বা ফংদবা পোৎশক্তা অমসুং মখোয়গী মথক্তা অজাবকী হকীকৎ য়ৌরক্তি অদুনা পংহায় হায়জবনি অসুম্না মখোয়গী মমাংদা লৈরম্বা মীওইশিংশু মচিন থীদুনা লাকখি অদুনা য়েংউ (মচিন থীবা) গুনাহগারশিং করি ফল ফংখিবনো?

৪০- মখোয়গী মনুংদগী খরদি কুরআন অসিদা ঈমান পুরক্কনি, খরনা পুরক্লোই, নহাক্কী মপূনা মুন্না খঙই লমহেনবশিংবু।

**তফসীরঃ**- মথক্কী আয়ৎশিংদা পনখ্রে মদুদি, মুশরিকশিং শুপ্নগী ভাবনা শাবা ৱাথলদা য়ুম্ফম ওইরগা মদুগী মতুং ইনবনি। তুং ইনফম থোকপদি অচুম্বা লম্বী তাকপীরিবা অদুগীনি। হৌজিক মথা তাবদা কুরআন করীমগী মতাংদা ৱাফম অমা পুরক্লি মদুদি, দুনয়াদা লৈরিবা লাইরিকশিংগী মনুংদগী অচুম্বা লম্বীগী মায়কৈদা লমজিংবা হায়রগদি শুপ্নগী কুরআন হকীম অসিথক্লী অমসুং কুরআন অসি অরানবা-অশোয়বা খুদিংমক্তগী পাক ওইরবা, অচুম্বা থক্তবু উহল্লিবা লাইরিক্লী। মসিগী উলূম অমসুং মআরিফ, অহকাম অমসুং কানূনশিং, মুঅজজহগী শক্তমদা সাহিত্যগী ওইবদা মচল খুদিংমক অমতা ৱাত্তবা লাইরিক অসি য়েংলগদি খুদা নত্তনা কনাগুম্বা অমগী শক্তিদগী শেম-শাবা ইন্সান অমসুং জিন্নাৎ খুদিংমক্লা পুল্লগশু ঙম্লরোইদবনি। অদুগা কুরআন অসি অল্লাহগী কলামনি হায়বগী অচৌবা দলীল অমনা হৌখ্রবা লাইরিকশিংবু তসদীক তৌবা অমসুং মসিদা য়াওরিবা পেশিনগোই (তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোকশিং মাংজৌনননা খঙহনবা) খুদিংমক থোক্লরিবা অসিনি।

অল্লাহ তআলানা মহাক্কী রসূলদা হুকুম পীবিরি মদুদি, হে রসূল! নহাক হায়য়ু কুরআন অসি ঐনা ঐগী মায়কৈদগী শেম-শাদুনা পুরকপনি হায়রগদি নখোয়শু ঐগুম্না ইন্সান্নি, মীয়াম পুন্নমক খোমজিন-তাশিল্লগা মসিগী সূরহ অমা শেম-শাদুনা উৎলু। মথলুক পুন্নমক কৌশিল্লু, জিন্নাৎ-ইনসান পুলহল্লু। মালেমসিদা লৈরিবা সহিত্যকারশিং, অখঙ-অহৈশিং পুল্লগা খন্নৌ, তান্নৌ, মশরবা তৌ অদুগা কুরআনগুম্বা অমতুং শেম-শাবা ঙম্ব্রা য়েংউ। মতমদুদা খঙগনি মসি কনাগী কলামনো, মীওইবনা শেম-শারগা পুথোকপা ঙমগদ্রা? ওইথোক্লোই মদু, কিয়ামৎ লাকপনা হান্নগনি। লাইরিক অসিদা অর্থ নিতি, সমাজ-নিতি, রাজ-নিতি, ধর্ম্ম-নিতি, ইন্ডিভিজুয়েল অমসুং সোশিয়েল, লৈঙাক-সাসন, হুকূমৎ, জিবন-মরন, মঅরিফৎ অমসুং রূহানীয়ৎ, লমচৎ-শাজৎ, নফসবু শেংদোকপা, নুংদা মঙাল পীবা, শন্না হায়রবদা অল্লাহ য়ৌবা লম্বী তাকপীবা অদুথক্তা নত্তনা মথলূক্কী কান্নবা অমসুং অমাঙ-অতোং তাকপা নিয়ম-নিতি খুদিংমক য়াওরবা লাইরিক্লী। আলম পুন্নমক শেম্বগী মকসদ মসিদা য়াওরিবনি। অসিগুম্বা লাইরিক অসি উম্মী ইবা- পাবা হৈতবা অমনা করম্না শেম-শারগা পুথোকপা ঙমগদৌরিবনো! মতিক-মঙাল ফুদোকলিবা, বরকৎ ৱালা লাইরিক অসিনা গৈবকী পর্দা হায়দোক্লগা আদমগী মচা-মশুশিংদা শক তাক্লুনা দঅবা তৌরি মদুদি ঐনি খুদাগী কলাম! খুদাগী মীনগুম্বা জমীন অমা, খুদাগী আসমানগুম্বা আসমান অমা, খুদাগী নুমিৎকুম্বা নুমিৎ অমা কনাগুম্বনা শেম্বা ঙমদবগুম খুদাগী কুরআনগুম্বা কুরআন অমা শেম-শাবশু ওইথোক্লরোইদবনি। কুরআন অসিবু লৈমায়দগী মুথৎখিনব অরোনবা থৌরাং থৌশিন তৌগনি, মতেং পাংহন্নবগীদমক শক্তি লৈবশিংবু কৌশিনগনি, হীলা খুদিংমক শান্নগনি, ঙমজবা শক্তি ফুদোক্কনি, খোল্লাও কয়া লাওগনি, তৌইগুম্বসুং, কুরআনগী পীকখ্রবা সূরহ মচা অমগা চাংদম্নবা য়াবা শেম-শাবা ওইথোক্লোইঃ ”

কুরআন হকীমবু ইনসান্না শেম-শারগা ওইহনবনি হায়বসি খঙলগা হায়বা নত্তে। খম্থবা ৱাৎপা, জিহালৎ, য়েক্লবা থম্বগী মিৎয়েংনা য়েংবা অসিনচিংবনা মরম ওইরগা হায়বনি। মখোয়শিং অসিগী মনুংদগী খরদি তুংদা মুসলমান ওইরক্কনি, অতৈদি মখোয়গী লমচৎ-শাজৎ খুদিংমক অল্লাহনা মুন্না খঙবা মরম্না মতম চাবদা চপ চাবা দন্দি পীগনি।

মথং মথং.....

# হজরত মুহম্মদকী ﷺ পুন্সি হৌরকপা

—মৌলানা সলাহুর রহমান নদরি
Rtd. Principal, R.A. College
Rangia, Kamrup, (Assam)

— হান্নগী মখা

কৈথেলশিং অসিদা, মখোয়না মেলা তৌরম্মী অমসুং মখল-মথেলগী হরাও-কুম্মৈগী থৌরম পরেংশিং অকক্লবা ওইনা লৈরম্মী; মদুদা কবী সম্মেলন্না খ্বাইদগী মরু ওইরম্মী। লেকচর তৌবা মীনা, মাগী-মাগী ভাশন, ধর্ম প্রচার তৌবা মীনা মাগী ধর্ম্ম শন্দোকহৌই, মীপুম খুদিং মাগী-মাগী অপাম্বা ঙাংনিং-শক্লিংবদা, মনিং তন্না তৌবদা করিগুম্বা মখলগী অথিংবা অমদি থুদোংথিনিঙাই ওইরমদে, মরমদি হাৎনা শুনবা য়াদবা থাশিংগী মনুংদনি।

চহিগী ওইনা অকক্লবা থাশিংদতা তিনবা মেলা কৈথেলশিং অদুদা মুহম্মদ (স্ব:)না কোইনা-কোইনা চত্নুনা অরব খুঞ্জা-খুন্নাইশিংগী অশেংবা ফিভম অমসুং মখোয়গী পারি-পুরিদগী হৌনা লৈরক্লবা হৈনবী মনাতশিং শেংনা উবা ফংলি। অচিকপা মফমদা মথন্তা ফল্লগা উরকথিবা অমসুং খংলকপা খুদিংমক অমুক মুন্না ভাব-মেন তানা থম্বরম্মী। অচুম্বনি খনবিবদু লকানুংদা য়েপচরম্মী, অরানবনি উবিবদু থাপ্পা হুন্দোক্লম্মী।

মাঙদা হৌথিবা খুদাগী নবীশিংগী চৎনবি অমসুং মনাত ওইনা তৌনরকথিবা হামেং-য়াও শেনবগী থবক হজরৎ মুহম্মদ (স্ব:)নসু মশাগী চহি ১২ শুবা মতমদগী তৌবা হৌরকখি। লমপাক-লমজাও অদুদা হামেং-য়াওশিংনা মনিং-মখা তন্না শজিক থি-থিদুনা চাজবগী থুদোং চাবা ফংবগুম্না মুহম্মদ (স্ব:)গী আত্মাসু ৱাংখৎনবগী মচাকশিং শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনবদা মদুদগী থুদোংচাবা কয়া ফংলম্মী। হজরৎ মুহম্মদ (স্ব:)বু আত্মা শান্তি ফংহনবদা মহৌশাগী ওইবা খূৎশেন্না ইহকাল (আলমে দুনয়া) অমসুং পরকাল (আলমে আখিরৎ) অনিগী গ্যান অমসুং ধ্যান তৌবদা অচৌবা মতেং পীরম্মী। লোয়ননা হজরৎ মুহম্মদ (স্ব:)গীদমক, মহাক্না নিংজবা-পামজবা অদুগী হিরমদা অহাংবা লমজাও অমসুং অৱাংবা চিংদোলশিংদু ফাওবা পাবা থোক্লবা, ময়েক লানা ইথোক্লবা লাইরিক ঙাক্তা ওইরম্মী। হজরৎ ইব্ৰাহিম (স্ব:)না লাইরিকশিংদু নোংম-নোংমগী তপ্প-তপ্পা ঔরাইজরম্মী।

হজরৎ মুহম্মদ (স্ব:) অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মমান্নবশিংগসু ফাগী-জুগাই তৌনরক্তে, ৱারেম ঙাংদে, কান্নদবা থবকশিং তৌবদা য়াওদে, ইং-তপই মেন তারকই, ইকাই-ইকি খংই, অচুম্বা ঙাংই, লমচৎ ফজে, মরৌশিং লৈ, ফত্তবা ৱাহৈ কৈদৌনুংদা থোকখিদে অমসুং ৱাখল থম্বগী মচাক অঙাং ওইরিঙৈদগী লৈরকখি।

হজরৎ মুহম্মদ (স্ব:)না অঙাং ওইরিঙৈদা 'কঅবহ' য়ুমগী দীৱার শাগৎলম্মী, মদুগী নুং হোনবদা অঙাংশিংসু য়াওহনখি, মুহম্মদ (স্ব:)শু নুং হোল্লিবা অদুদা য়াওখিরম্মী। অতৈ অঙাংশিংনা শেৎলিবা ফৈজোম লৌথোক্লগা মরেঙবান্দা থল্লগা নুং হোন্নরম্মী, তৌইগুম্বসুং মুহম্মদ (স্ব:)নদি ফৈজোম তাথিনি হায়দুনা কিশি চেৎনা ৱিশিন্নবা কন্না লাকনরম্মী। মদু উবদা মখুরা অবূ তালিবনা হায়খি: "মুহম্মদ! নমান্নবশিংনা তৌরিবদু য়েংউ! নফৈজোমদু নংসু নরেঙবান্দা থম্মু!" মখুরানা হায়খিবনি; ফৈজোমদু লৌথোক্কে হেক তৌবদা ৱাম্বরক্লনা লৈমাইদা হাইথখিরম্মী। তৌইগুম্বসুং মক্কাগী প্রজা মীয়ামগীদমক মফি থোংদবা উম্নোৎ ওইনা থোক্তোক্লবদা করিসু ওইনা থন্নরমদে, মখোয়গী লাইনিংলোন্দা চৎনবি ওইরম্মী। নিপা-নুপী মফি-মরোল থোঙদনা উম্নোৎ ওইনা ইরাৎ-পূজা তৌবা অমসুং 'কঅবহ' য়ুমগী অকোইবদা কোইনা কোইনা তৱাফ তৌনরম্লিবনি।

ইবুঙো (স্ব:)না অঙাং ওইরিঙৈগী থৌদোক অমনা; মক্কা শহরগী চৎনবি অমা লৈরম্মী। থবক-ইনথাং লোইশিল্লবা মতুংদা নুমিদাং খুদিংগী মফম অমদা তিল্লম্মী, মদুদা নুঙাইথোকপগী হরাও-কুম্মৈ অমসুং লিলানচিংবা থৌরমশিং পাংথোক্লে। মদুগী মরু ওইবা শক্তমদি;- ফুঙ্গা ৱারিদগী হৌরগা মপা-মপূ হাক্তক কয়াগী অরি-অরিবা ৱারি-শিংবুলশিং, শক্তম পুথোকপা অমদি ৱারি লিরিবা মীশিংনা অভিনয় তৌরগা মীয়াম্না নুঙাইগদবা মওংদা চোঙ-ফল্লগা তাহল্লম্মী। মদু থাঙ্গৈশেংনা মতম অদুগী মক্কা শহরদা সংসকৃতিগী থৌরম ওইনা পাংথোক্লরম্বা রিবাজ অমনি।

মথং লাকপা অহিংদা চৎলুনবা মরুপ অদুনা অমুক হৌগৎলম্মী, মানা হায়খি; "য়েংউ মরুপ! ঙসিদি খুদোংচাবা নাম্নোকহনগুমসিকো!"। মথংগী নুমিদাংদা চপচাবা মতমদা কুম্মৈদু অমুক য়েংবা চৎলম্মী, লম্বী চৎন-

চৎনা ঙসিশু, ইশৈ শকপগী য়াম্না নুংশিরবা খোঞ্জেল অমা তারম্মী পুক্লিং শুমহৎলবা শৈয়েক-শৈথা য়াওবা ইশৈদু শোরারেনদগী তাম্না লাকপা মীরবা খোঞ্জেলগুম্না ওইনশু তৌরম্মী। ফম্লগা নুঙাইনা ঙাইহাক তারম্বদগী তুম্লিংবা অমা হেক ফাওরক্তুনা মফম অদুদা অদুম তুমথখিরম্মী, মদুনা ঙসিশু কুম্মে মফমদু য়ৌহনখিদ্রে।

চহি নিফু শুবগী পুন্সি মতম ফাওবদা অসিগুম্বা হরাও-কুম্মৈগী মফমশিংদা খোঙফম অনিখক্তং চৎলুগে থম্না লেঙবিরম্মী, অদুবু খুদানা নংদি; থৌফম মফম অদুগী মীওই নত্তে চৎপা য়ারোই হায়না খোঙফম অনিমক্তগী কম্থোকপীখি। মতুংদদি, অসিগুম্বা ৱাখল অথোইবা থম্মোইনুংদা অমুক হন্না পোকখিদ্রে। মদুনা হজরৎ মুহম্মদ (স্বঃ)গী অমানৎ অমসুং ধর্ম্ম চেনবা শক্তমদা ময়েক লৈরক্কদবা অমদি অশেংবা নবী অমা ওইবগী শাজৎ-লিচত্তা অরানবা মমি তারক্কদবা থবক অমত্তা তৌরকখি হায়বা অমকপা লৈরমদে।

হজরত মুহম্মদ (স্বঃ) য়াম্না ইকাই -হঙ্গোইজবা মীওইনি, অৱাংবা লমচৎ-শাজৎকী ফিদম্লিঙাই ওইরবা শক্তম পুবনি। মহাক্কী অচুম্বা ঙাংবা, অচুম্বা চৎপা মীঙোন্দা তুথি-তাথিনা তৌদবগীদমক মক্কাগী মীয়াম্না মহাকপু অমীন (থাজবা মীশক) হায়না কৈথেলশিং অসিদা, মখোয়না মেলা তৌরম্মী অমসুং মখল-মথেলগী হরাও-কুম্মৈগী থৌরম পরেংশিং অকক্লবা ওইনা লৈরম্মী; মদুদা কবী সম্মেলম্না খ্বাইদগী মরু ওইরম্মী। লেকচর তৌবা মীনা, মাগী-মাগী ভাশন, ধর্ম প্রচার তৌবা মীনা মাগী ধর্ম্ম শন্দোকহৌই., মীপুম খুদিং মাগী-মাগী অপাম্বা ঙাংনি-শক্লিংবদা, মনিং তম্না তৌবদা করিগুম্বা মখলগী অথিংবা অমদি খুদোংথিনিঙাই ওইরমদে, মরমদি হুরমতকী থাশিংগী মনুংদনি।

হজরৎ মুহম্মদ (স্বঃ) অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মমান্নবশিংগসু ফাগী-জুগাই তৌনরক্তে, ৱারেম ঙাংদে, কান্নদবা থবকশিং তৌবদা য়াওদে, ইং-তপই মেন তারকই, ইকাই-ইকি থংই, অচুম্বা ঙাংই, লমচৎ ফজে, মরৌশিং লৈ, ফত্তবা ৱাহৈ কৈদৌদুংদা থোকখিদে অমসুং ৱাখল থম্বগী মচাক অঙাং ওইরিঙৈদগী লৈরকখি।

ইচেম্মা আমিনাগা চৎলুবা খোঙফমদা বনী নজজারগী পুখ্রি অচৌবদা ইরোইবশু হৈরকখি। ইনখৎলক্লিবা অরব পাখঙ অমা ওইনা থাং-তা অমসুং তেন কাম্পনচিংবা হৈরকখি। মপুং-মরৈ ফারক্লবা মতমদা লানগী কয়াতশুনা খংলহৈরবা পাখঙ অমা ওইরম্মী। কুরৈশ অমসুং হৱাজিনগী মরক্তা থোকখিবা লাঞ্জাওঃ ফুজজারগী লান অদুদা মপা-মতোনশিংগা লোয়ননা লান য়াওখি। তৌইগুম্বসুং হজরৎ মুহম্মদ (স্বঃ)না কনা অমদা খূৎ থাখি হৈবা অমদি অশোকপা পীথি হায়বগী রিবায়ৎ (চিন্দাং ৱারি) অমত্তা লাক্তে, লানগী পনা ওইনা লেপলুই হৈবখক্কী ৱানি। লান অদুদা মীশি-মীনা য়াম্না থোকখিবতা নত্তনা মাল-সমপত্তিশু য়াম্না মাংখি। ইমুং কয়া-কয়া তাক-তুমখিরম্মী। অরবকী মালেম পুম্বদা থেংনখিবা লানশিংদা হৱাজিনগী লান্না খ্বাইদগী কনবা ওইরমখি।

লানগী তমথিরবা অৱাবা অমসুং অবাবশিং উরগা পুকচেল চাওরবা মখোয় অহুম চোংথোরকখি, মখোয়না নাকল অনিমকপু সন্ধিই তৌনহনখি। মীওই অহুম অদুগী মমিংগী অহানবা শরুক্তা 'ফজল' ৱাহৈনা হৌনা, মরম অদুনা সন্ধি অসিবু ইতিহাসতা "হিলফুল ফুজল" হায়না খঙনৈ। সন্ধি অদুগী খূশিন-থৌরাং তৌবদা হজরৎ মুহম্মদ (স্বঃ) মশামক য়াওরম্মী, মতম অদুদা হজরৎকী চহি ১৬ থক্তা ঙাইরম্মী।

মথং মথং....


চেকসিনবিয়ু !

**Cable Tv. Internet**

অসি জ্ঞান তাদ্রিবা অহল

অমদি

অঙাংগী মনাক্তা

খুদোংথিনঙাই ওইবা থৌরবা

থাং নত্রগা হু থম্বগুম্বনি,

গুনাগী সমুদ্রনি।

# দরৱিনগী ইভোলুশন থিয়োরিবু মায়থিহনখ্রবা মীঃ (হারুন য়াহয়া)

—মুহম্মদ ৱাহিদুর রহমান (থৌবাল)

জিব-পানবশিং অমদি মীওইবা করম্না ওইরকখি অমদি হৌরকখি হায়বসিগী মতাংদা Science না পীবা ৱারোলশিংগা ধর্ম্মগী লাইরিকশিংনা পীবা ৱারোলশিংগা মান্নদে। Charles Darwin (1809-1882) না Living Things and Evolution, On the origin of Species নচিংবা লাইরিকশিং ফোংলকপদ্দগী মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা কাংলুপ খুদিংগী মীওইশিংদা অচৌবা শাফু অমা পীখি। মহাক্কী Evolution গী মতাংদা পীবা Theory গী মতুংইন্না জীবা পানবা খুদিং শেম্বিবা মপু অমনা শেমলকখিবনি হায়বা ধর্ম্ম খুদিংমক্কী ৱারোলশিং অসি অরানবনি হায়না উৎখি। Theory অসিগী মতুংইন্না জীব-পানবশিং অসি তাঞ্জা অমদগী অহানবা ওইনা জীব অমা শেমখ্রবগী তুংদা মথং-মথং মতম-মতমগী অওনবনা ওইরকখিবনি হায়না উৎখি। মতমদুদা Europe তা Science চাওখৎলকপগী ঈহৌগা ইরোইনবা ওইখিবনা মহাক্কী Theory অসি থাজবশিং য়ামখৎলকখি অমসুং ধর্ম্মশিংগী ৱারোলশিং তুংওইনরকখি। Great Britain, France, Germany, America অমসুং Asia গী লৈবাকশিংদা ধর্ম্ম অমতা থাজদবা, ইশ্বর লৈতে হায়বা হায়বা কাংলুপ (Athiest) থোক্লকখি অমসুং নোংম-নোংমগী মশিং হেনগৎলকখি। মহাক্কী Theory অসিনা খৃস্টান, জিয়ু অমদি বুদ্ধিস্ট ধর্ম্মদা খাইদগী হেন্না শাফু পীখি। ইস্লাম ধর্ম্ম চৎপা Turkey দসু মীওই কয়া ধর্ম্মগী থবক-থৌরমশিং কোমথোক্লরকখি। চহি ২০০ মুক অসি ধর্ম্মগী পুরোহিতশিংগা Theory of Evolution গা লান্থেংনদুনা লাক্লি। Science কী মাইখুম উপতুনা অশুক শাংলবা মতমসে Theory অসিনা ধর্ম্ম খুদিংমকপু শীংনদুনা লাকপদু, মতিক চারবা খুদমশিংগা লোয়ননা Scientific Reason পীদুনা ফোংলকখিবা Haroon Yahya গী ATLAS of creation হায়বা লাইরিক অদুনা পুন্নমক অরেম্বা তাহনখ্রে অমসুং ধর্ম্মশিংবু অমুক হিংগৎহল্লে, অমদি ধর্ম্মগী পুরোহিতশিংগী মতম কুইনগী মমাংদগী ৱানা ঙাইজরকপা মাইপাকপা হায়বদো ফংহনবিরে। ঙসিদি Haroon Yahya গী লাইরিকশিং অমদি লেকচরশিংনা Theory of Evolution বু নোংম-নোংমগী ময়াই চমহল্লকখি।

ATLAS of creation ফোংলকখিবা মতমদা মালেমগী Press শিং অমদি অখঙ-অহৈশিংগী মত খরা মখাদা পীজরি: "*(The Atlas of Creation) Has caused total panic in a single move.*" *Germany, Stern:*"— France, Le Point "Save Darwin".

France, La Liberation

*"The Atlas of Creation has Stirred up a "deluge" in all of europe. Italy, corriera Della Ser a: "....But one thing we know for certain is that will be the losers."* —A Book Exploding like Thunder", Holland, Radio Netherlands Web Site

Italy, La Stampa,

*"The transcendent God who is in though and the hearts of every person. God Who does not enslave man but free him."*—Farewell Darwin, Nicolas Sarkozy(f)

*"Save religion 8 on and help it become a force for good. Central role in kackling the worlds problems. Religion could not awaken the world's conscience".* —Tony Blair

ATLAS of Creation ফোংখ্রবা মতুংদা French Sciences Actualities না লৌবা Survey অমদা, Evolution থাজদবা 92% থাজবনা 5% মত পীদবনা 3% ফংখি। German Daily Newspaper Siiddeutsche Zeitung না লৌবা opinion poll দা মপু অমনা জীব শেম্লকপনি হায়বনা 85%, Evolution থাজবনা 9% ফংখি। Die Well হায়বা daily paper অদুনা লৌবা Survey দা 86% Evolution গী মায়োক্তা ওইখি। Blick হায়বা Switzerland দা ফোংবা paper অদুনা লৌবা survey দনা 85% Evolution গী মায়োক্তা ফংবা ঙমখি। Belgium গী, De Morgen না "মী ১০ গী মনুংদা ৪ দি Theory of Evolution বু Nonsense নি" হায়না ফংই হায়না ইরকখি। Sweden, Great Britain, Netherland দা ওজাশিং অমদি ছাত্রশিংনা ATLAS of creation বু School, College শিংদা তম্বীগদবনি হায়না

ফোংদোকনরকখি । ২০০৪ গী অরোইবদা Vatican গী Pope না মুস্লিমশিংনা Europe তা ধর্ম্মগী থাজবা হলহল্লকপগী তৌবিমল খঙবা উৎচরি হায়বা ৱারোল পীখি। হৌজিক ফাওবদা Haroon Yahya না কান্নরবা লাইরিক ৩০০ হেন্না ইখ্রে। মহাক্কী লাইরিকশিংবু লোল ৬০ হেনবদা অর্থ হন্দোকখ্রে। লোল ৪৩ দা Web-site ৫৫০ হাংদোকখ্রে। Web-site শিং অসিদা থা অমদা মী Million মরিমুক্তা য়েংই। মহাক্কী লাইরিকশিংদা য়ুম্ফম ওইবা Documentary শিং লৈবাক কয়ামরুমগী T.V. Station ১০০ হেনবদা চাং নাইনা শন্দোকই। 22, April-2000 গী issue দা New Scientist হায়বা চেফোং অদুনা Evolution Theory গী অশোইবা পুথোক্নুনা থৱায়পানবশিং শেন্নকখিবগী অশেংবদু মীয়ামদা খঙহনবা ঙমখিবগীদমক International Hero হায়না মিংথোল পীখি।

Evolution থাজদবা 92% থাজবনা 5% মত পীদবনা 3% ফংখি। German Daily Newspaper Siiddeutsche Zeitung না লৌবা Opinion poll দা মপূ অমনা জীব শেম্নকপনি হায়বনা 85%, Evolution থাজবনা 9% ফংখি। Die Well হায়বা daily paper অদুনা লৌবা Survey দা 86% Evolution গী মায়োক্তা ওইখি। Blick হায়বা Switzerland দা ফোংবা paper অদুনা লৌবা survey দনা 85% Evolution গী মায়োক্তা ফংবা ঙমখি। Belgium গী, De Morgen না "মী ১০ গী মনুংদা ৪ দি Theory of Evolution বু Nonsense নি" হায়না ফংই হায়না ইরকখি। Sweden, Great Britain, Netherland দা ওজাশিং অমদি ছাত্রশিংনা ATLAS of creation বু School, College শিংদা তম্বীগদবনি হায়না ফোংদোকনরকখি । ২০০৪ গী অরোইবদা Vatican গী Pope না মুস্লিমশিংনা Europe তা ধর্ম্মগী থাজবা হলহল্লকপগী তৌবিমল খঙবা উৎচরি হায়বা ৱারোল পীখি। হৌজিক ফাওবদা Haroon Yahya না কান্নরবা লাইরিক ৩০০ হেন্না ইখ্রে। মহাক্কী লাইরিকশিংবু লোল ৬০ হেনবদা অর্থ হন্দোকখ্রে। লোল ৪৩ দা web-site ৫৫০ হাংদোকখ্রে। Web-site শিং অসিদা থা অমদা মী Million মরিমুক্তা য়েংই। মহাক্কী লাইরিকশিংদা য়ুম্ফম ওইবা Documentary শিং লৈবাক কয়ামরুমগী T.V. Station ১০০ হেনবদা চাং নাইনা শন্দোকই। 22, April-2000 গী issue দা New Scientist হায়বা চেফোং অদুনা Evolution Theory গী অশোইবা পুথোক্নুনা থৱায়পানবশিং শেন্নকখিবগী অশেংবদু মীয়ামদা খঙহনবা ঙমখিবগীদমক International Hero হায়না মিংথোল পীখি।

মহাক্কী থবকশিংবু National Geography, Science, New Scientist অমসুং NSCE report শিংদা তোইনা নৈনৈ। November 2004 issue দা English অমদি German লোন্দা ফোংবা National Geography না অসুন্না শেংদোকখি, "The theory of Evolution is nothing but a deception imposed on us by the dominators of the world system". Haroon Yahya গী অশেংবা মমিংদি Adnan Oktar কৌই। মহাক 1956 তা Turkey গী Ankara দা পোকখি। মপাগী মমিংনা Yusuf Oktar Arsalan, মমাগী মমিংনা Mediha Oktar কৌই। মখা তানা মহৈ তম্নবগীদমক 1979 দা Istanbul গী Mimar Sinan University দা চংখি। ছাত্র লিশিং কয়াগী মনুংদা মহাক্না অহুমশুবদা লাকখি।

মতম অদুগী Turkey Secularism গী মাইখুম উম্পা লুচিংবশিংনা লৈঙাক্লম্মী। মুস্লিম লৈবাক ওইরবশু ধর্ম্মগী থবক-থৌরমশিংদা থওইনরক্তবা মতম ওইখি। অউবদা থাজবা, মপূ লৈতে হায়বা মীগী মাশিং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা মতম্নি। Mimar Sinan University দা ছাত্রশিং অমদি ওজাশিংনা মশাগী **Subject** কা চান্নদনা অসিগুম্বা ৱাখল্লোলশিং ক্লাসতা শন্দোক্লম্মী। আইন্না য়াদবা Marxist Communist Organisation না পীক থল্লম্মী। মখোয়গী ৱাখল্লোনগী মায়োক্তা মত ফোংদোক্লুবা অকিবগী মশক ওইরম্মী। দা ছাত্রশিং অমদি ওজাশিংনা মশাগী **Subject** কা চান্নদনা অসিগুম্বা ৱাখল্লোলশিং ক্লাসতা শন্দোক্লম্মী। আইন্না য়াদবা Marxist Communist Organisation না পীক থল্লম্মী। মখোয়গী ৱাখল্লোনগী মায়োক্তা মত ফোংদোক্লুবা অকিবগী মশক ওইরম্মী।

অদুবু Adnan Oktar না মপূথকনা য়াবিনবা অমসুং মপূনা মাবু শেন্নবিরি থল্লগা অকীবা থুদিং তুংওইনদুনা মফম অদুদা Darwin গী Theory Of Evolution বু নমথাক্লি, অরানবনি হায়না মতিক চাবা প্রমাণগা লোয়ননা ফোংদোক্লম্মী। চহি অহুম্মুক্তি মহাক্কী হোৎনজমন ফংবা ঙমখিদে। মদুনা মহাকপু করিসু নিংহন্নখিদে। মমৈথংদা মহাক্কী ৱাফম অদুবু য়ানিংবা মহাক্কী তুংইনবা কয়া থোক্লকখি। মহাক্না হজরত মুহম্মদ (স্ব:)গী অচুম্বা লম্বীশিং, কুরআনগী ফজরবা য়াথংশিং মহাক্কী কাংবুদা অহানবদা কুপ্না নৈনরম্মী।

অঙাং ওইরিঙৈব্দী ইস্লামগী চৎন-কাংলোনশিং অমত্তা কায়দনা চৎলকখি। পৃথিবীগী অফাওবা Islamic Scholar শিংগী লাইরিকশিং মহাক্কী পুন্সিগী অঙনবা শরুক্তা নৈনরম্মী। অসিতসু নত্তনা Marxism, Leninism,

Maoism, Communism অমদি Material Philosophy দা য়ুম্ফম ওইবা লাইরিক খুদিংমক নৈনরম্মী। Scientific Theories, Darwinism অমসুং অতোপ্পা Evolution গা মরি লৈনবা লাইরিকশিংসু য়াম্না পাখি। মহাক্কী মমানা হায়, "অহিংদা পুং খরদমক তুম্মী, অয়াম্বা মতমদদি ইবা-পাবা তৌদুনা লৈ"।

মহাক্কী থবক্না অচৌবা শফু পীবা হৌরকখিবদি মহাক্কী লাইরিক Judaism and Freemasonry ফোংলুবদগী ওইখি। ১৯৮৬ তা মহাকপু Interview অমদা "I am a member of Turkish people, and of the Nation of Ibrahim" হায়রুবথক্কী ফাজিল্লম্মী। মহাক্কী মতাংদা নত্ত-ওইদবা পাও কয়া ফোংবা হৌরকখি। জেল মনুংদা মহাকপু মখোঙ-মখূৎ পুন্দুনা মী অমথক চনবা কা অমদা নুমিৎ ৪০ (নিফু) নি থমখি। মহাকপু ঙাওরে হায়না খুদোংথিনিঙাই ওইরবা অঙাওবশিং লৈবা মফম অমদা থল্লম্মী। মহাক্না জেলদা লৈরিঙৈদা মীওই তরেৎ মখোয় মশেল হাৎনবগী থৌদোক থোকখি। মহাক্কী ইমুং-মনুং য়াওনা কনাবুশু মহাক্না উনহল্লমদে। মহাক্কী থবকশিং থাদোকউ, নুঙাইনা পুন্সি মরেল অমা লৈহনগে হায়দুনা থেল্লম্মী; থাদোক্তবদি খুদোংথিগনি হায়না কিহল্লম্মী। পুন্নমক্তো মহাক্না য়াখিদে। মরমদি Darwinism অরানবনি হায়না কুরআনগী অচুম্ববু উথোকপনা মহাক্কী পান্দম ওইরম্মী।

Mimar Sinan University গী হেক থংনবদা লৈবা Molla Masjid তা নমাজ শোনবা মহাকথক ওইখি। অনিরকশুবা ওইনা মহাক্কী লাইরিক থম্ফম কাদা থীব-হুম্বগী থবক চথরম্মী। চংশিনখিবগা অহানবা কাংথোকপগা লাইরিক্তগী Cocaine Packet অমা লৈরম্মী হায়বা Charge তৌশিন্দুনা অমুকসু ফাজিল্লম্মী। মহাক্কী ঈ Test তৌবদা Cocaine গী চাং য়াওই হায়না উৎলম্মী। পৃথিবীগী অফাওবা Forensic Medicine Institution 30, Scotland Yard য়াওনা মহাক্কী ঈগী মতাংদা থিজিল্লম্মী। মহাক্কী ঈদা য়াওরম্বা cocaine অদু মী অমনা নোংমদা শিজিন্নবা ঙম্বা চাংদগী য়াম্না হেল্লম্বনা মহাক্না জেলদা লৈরিঙৈদা কাপশিনবা ওইগনি হায়না report পীখি অমসুং মহাকপু মরাল লৈতে হায়না থাদোকখি।

ঙসিদি Haroon Yahya শেম্বিবা মপু অমা লৈ হায়বা অসিখক্তং উৎনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া খাংদুনা হোৎনবগী মহৈ ওইনা চহি ২০০ মুক অচুম্বনি থাজদুনা লাক্লবা Charles Darwin গী Theory of Evolution বু মাইথিবা পীবা ঙম্লবা মীশক অমা ওইরে। Europe, America, Asia, Africa গী লৈবাকশিংদা লৈবা অফাওবা University কয়ানা মহাক্কী Lecture তাবা ফংনবা অয়াবা লৌনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরে।

মতুংশু, অল্লাহনা Haroon Yahya গুম্বা মীওই কয়া-কয়া থোকহল্লক্তুনা মালেমসিদা অচুম্বা মালহনবা অরানবা Scientific Theory কয়াবু অরানবনি হায়না উৎপা ঙমহনবিরগা, কুরআনগী ৱারোলশিংদা মীওইবা খুদিংমকপু থাজহল্লকপা ঙমহনবিবা ওইরসনু।

❀❀❀❀❀❀❀❀❀❀

ইশাগী Subscription লোইরবশিংনা Renew Payment তৌবিরগা মথংগী Issue ফংনবা তৌবিয়ু! মী তরা Subscription ওইহল্লবদি ইশাগী Subscription অমা Free দা পীজগনি।

"বল্লীগু অন্নী ৱলৌ আয়হ" —হদীস

আয়হ অমত্তা লোইরবসু খঙদ্রিবশিংদা য়ৌহনবা হায়বা থবক অসি মুসলিম অমগী তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি। য়ৌহন্নবা হোৎনসি ইসলামগী ফজবা পাওজেল অসিবু অমসুং চৎননবা হোৎনসি মসিগী ফজরবা পুন্সি মরেল অসিদা, মতেং পাংনদুনা লৌশিং, পাঙ্গল, মতম অমদি পৈশানা...... আর্তিকল, লাইরিক পমপলেতনচিংবা ইবিয়ু অমসুং থাবিরকউ। ময়ামগীদমক দীনগী খিদমৎ তৌফম:

Come and join -IRDC

# অল্লাহগী ফজবা মিংলেনশিং

–অজাদ কোমোল

## অল-গফফার ঙাকপীহৈবা মপু (The Forgiving)

"মপুনি আসমান অমসুং পৃথিবীগী অমসুং অনীগী মরক্তা লৈবা পুন্নমক্কী, পাঙ্গলবনি, কোকপীহৈবনি"।-(কুরআন ৩৮:৬৬) মীওইবগী গুনা- পাপ অচৌ-অপীক য়েংদনা কোকপী হৈবা মপুনি অল্লাহদি।"অমসুং থাঙ্গেশেংনমক, ঐদি ঙাকপীহৈবনি হন্না-হন্না মপাপকী নুংনাংবা ফোঙদোকচবা, থাজবা (তৌহিদতা, অমখত্তা ঙাইবা মপুদা) শিংবু অমসুং অফবা অমল- থবক তৌবশিং অমসুং মতুংদা ( শিদ্রিবা ফাওবা মপুগী ) লমজিং ইল্লবদি।"-(কুরআন ২০:৮২) কনাগুম্বনা মশাগী অরান-অহুই ঙাকপীনবা মপু ইবুঙোদা চংজবনা মী অদুগী চাওখৎচনবগী মরম অমা ওইহল্লি।"অমসুং নখোয় থিজৌ অরান-অহুই ঙাকপীনবগী লোয়ননা ওনশিঞ্জৌ মদুনা মহাক্না পীবিগনি মহাক্কী থৌজাল-থৌজালগী মপু ওইবা খুদিংমক্তা"। (কুরআন, ১১:৩)অল্লাহ তআলানা নবী করিমদা তাকপী:"ঙাকপীবনা নশরুক ওইয়ু; নয়াথং পীয়ু অফবা তৌনবগী অমসুং মায় লৈথোকউ (মান্নরুগনু) অপাঙজাওশিংদগী"।- (কুরআন ৭:১৯৯)

ইসলাম্না নাখৈশেংনা তঙ্খী মদুদি, সধারন মীচম কনামতনা পাপ-গুনাদগী হিঙদুনা লৈবা ঙমদে। করম্বা মিৎকুপ অমদা মিৎ- নাকোঙ, খোঙ- খুৎ পুক্নিংনা অরানবা অমা থনখিবা, তাখি-উখিবা ইশানা থংনা নৎত্রগা থংদনা থোকপা ওইথোকই। অসিনা মতম পুম্বা মপুদা পুক্নিং লৈশিনজদুনা হায়জ-নিজবতনা মী অমনা চেকশিন্না চৎনবগী, মশা চাওখৎনবগী উপায় ওইজে। মরম অসিনা দুআ, হায়জবনা ইবাদৎ-লাইনিংগী মমানি হায়রিবনি অমসুং অল্লাহনা তারাম্না ওকপীরি:"তশেংমক কনামতনা আশা কায়দে অল্লাহগী থৌজাল ফংলোই হায়বা থাজদবা ( তাইবঙ মপুদা, লংফৈনবশিং) নত্তনা "। - (কুরআন ১২:৮৭)

"তৌইগুমসুং, অল্লাহনা খ্বাইদগী হেন্না ঙাক-শেনবীহৈবনি অমসুং মহাক্না খ্বাইদগী হেন্না থৌজালবিহৈবনি থৌজালবিহৈবশিংগী মরক্তা "।-(কুরআন ১২:৬৪)

*ফজীলৎ : মিংলেন অসি তত্তনা শোঞ্জবশিং লংজবা গুনা মপুনা কোকথোকপীগনি- চামথোকপীগনি।*




## অল-কহহার খুদুম চনঙম্বা মপু (The Dominant)

"অশেংবনি মহাক্তী! মহাক অল্লাহনি, মথনখক্তনি ( লৈতে মান্নবা নৎত্রগা শরুক য়ান্নিবা), লাকহৎপা ঙম্বনি পুন্নমকপু"।-(কুরআন ৩৯:৪)

তাইবঙপানবগী অওইবগী থোঙচৎ অসি নিয়ম-নীতি অমগী মখাদনি। নিয়ম-নীতি'সি অল্লাহগীনি। নিয়ম - নীতিসিসু কনাগুম্বশিংনা মহৌশাগী কাঙলোল হায়নসু অর্থ হন্নবা য়াওই। মসিমদি চুমই মদুদি, কাঙলোল অসিগী মায়োক্তা চৎলবদি মদুগী ফলনা মাঙজবা, অৱা-অনা নত্তনা করিসু ওইদে। খুদুম ওইনা, থৱাইপানবশিংগা মাগী অকোয়বগী মহৌশাগা থল অমা শেন্নগা লৈ। মসিগী থলবু Ecological Balance হায়নসু থংনৈ। থল অসি হায়বদি Industry শিং মশীং হেনগৎলকপনা থাদোরকপা মৈখুদা Carbon Dioxide নুংশিৎকী কুয়োমদা হেনগৎলকপা, Carbon Dioxide চু পশিল্লগা Oxygen থাদোরকপা উপাল-ৱাপাল য়ানথৎপা উমঙ-ৱামঙ কোকথোকলকপদগী মালেমদা মৈশা হেনগৎলকপা, নোংজু নুংশাগী চাং কায়রকপা অমদি শ্বর হোনবদা Oxygen গী শরক্তা হু চেনবা Carbon Dioxide কী চাং য়ান্না য়াওরকপদগী অহিঙবশিংদা খুদোংথিনিঙাই ওইহল্লকলি অমদি নুংশিৎকী লৈরোলদা নুমিৎতগী লাকপা Ultra -biolet Ray চুপশিলহৌবা Ozone গী লৈরোলশিং কায়থরক্তুনা অহোবা মফম ফংলকলি। অসিগুম্বা মহৌশাগী নিয়ম অসি মীওইবতনা মাগী অকোয়বনা মরী লৈনবথক্কী থল্লগা ঙাক্কবা হোৎনৈ অমসুং বিজ্ঞানগী পাউজেলসু অসিমক্কী। তৌইগুম্বসু, ইসলাম্নদি অসুন্না তঙ্খীদেঃ মপুগী খুৎশেমশিংগী মরক্তা হক্ক ঙাক্কবা তঙ্খী। হক্ক অসিগী মতাংদা মুন্না থংলবা অমসুং ঙাক্কদুনা চৎলবনি মহৌশা অমদি অহিঙবশিংগা লৈনবা মরি অসি চেৎশিলহনবতা নত্তনা, মী মশানা অল্লাহগা লৈনবা হক্ক, মী মশানা মশাগা লৈনবা হক্ক, মী মশানা অতোপ্পা মীগা লৈনবা হক্ক, মী মশানা অতোপ্পা জিবশিংগা লৈনবা হক্ক, মী মশাগা থৱাইপান্দবা পোৎশিংগা লৈনবা হক্কশিং অসি থৌশানা কনাগুম্বনা চৎলবদি মালেম তাইবঙপানসিনা করিগী শান্তি,

ইংথবা পুন্সি ফংলোয়দগে? ইসলামদা 'হক্ক'শিং অসিগী চপ চাবা মপুঙফাবা অদু লৈনবা ইসলামদু 'হক্কী ধর্ম্ম' নৎত্রগা 'মহৌশাগী ধর্ম্ম'হায়নসু খংনৈ। অসিনা হায়:"নখোয়না থিব্রা অল্লাহগী ধর্ম্ম নত্তবা অমা, মঙোন্দা চংজবা ঙাক্লি আসমান অমসুং পৃথিবীদা লৈরিবা পুন্নমক্ন মশানা য়ানিংনা নৎত্রগা য়ানিংদনা অমসুং মঙোন্দা নখোয় পুন্নমক হজিনগনি"।-(কুরআন ৩:৮৩)

অল্লাহ তআলাগী অসুম্না তৌবা ঙম্বা মাগী খুৎশেম পুন্নমক্না মশানা থংনা নৎত্রগা থংজদনা চংজবা ঙাক্লী। কনাগুম্বনা অৱা-অনাগী মতমদা মহাক্কী মিং লৌদবা নৎত্রগা মপু থাজদবমক ওইরবসু মশাগী নুংদা অৱা-নুংঙাইগী মিৎকুপশিংদা মপু অমগী মিং লৌদ্রবসু মপুক্লিং, মথম্মোয়দা লৈশিন্দুনা ইংথবগী হৌরকফম অমা থিদবা কনা য়াওবগে? ইংথবগী হৌরকফম অদু অতৈ নত্তে;অল্লাহ তাঅলানি। "মদুগী তুংদা মহাক্না মপুক্লিং ওনশিনখি (শেন- শানবগী) নোংমদোলদা অমসুং মদুনা মৈখু ওইরিঙৈদা অমসুং হায়খি পৃথিবীদা : লাকও নখোয় অনীমক নশানা য়ানিংদুনা নৎত্রগা য়ানিংদদুনা'। মখোয়না পাউখুমখি:'ঐখোয় লাকচরে ইশানা য়ানিংদুনা"।–(কুরআন ৪১:১১) অহাঙবা তাইবঙ মালংপানগী মায়কৈদসু মহাক্কী নীয়মগী নৎত্রগা পাঙ্গলগী ৱাংমদা কণ্ডিম্বা অমত্তা হায়দোক্তুনা চৎপা ঙমদে।" অমসুং মহাক্না নমদুনা তৌহল্লি নুমিৎ অমসুং থাবু (মখোয়গী মথৌ থৌদাংশীং) মখোয় খুদিংমক চৎলি মাগী মাগী লম্বীদা অকক্নবা মতম অমা ফাওবা। থাঙ্গৈশেংনমক মহাক্তী পাঙ্গনবনি, য়াম্না ঙাকপীহৈবনি"। -( কুরআন ৩৯:৫)

নুমিৎ অমসুং গ্রাহ-উপগ্রাহনচিংনা পুল্লগা শেম্বা নুমিৎকী ইমুং-মনুং ঐখোয়গী শৌরজগৎ অমা লৈ। শৌরজগৎকী থল কায়দবা চাংচৎ অসিগী কাঙলোল অসিবুনি 'নমদনা তৌহনবা'নৎত্রগা ঐখোয় লাকচরে ইশানা য়ানিংদুনা' হায়না কুরআনগী অয়াত্তা পনখিবনি। অসুম্পা মহাক্কী ৱাংমদা খুৎশেমগী পোৎশিং অমদি তাইবঙ মীওইপোকশিংবু ইরাৎ - পুজা তৌখ্রবা, লমফৈনখ্রবশিংদা অল্লাহ তআলানা হায়:"(লাই- তিন ওইনা খন্নরিবশিং) মখোয়সি ঙমদে তেঙবাংবা মখোয়বু লাৎচরিবশিংবু নৎত্রগা ঙমদে তেঙবাংবা নখোয় মশাগী (ফাওবা)"। -(কুরআন ৭:১৯২)।

তাইবঙপানসিদা অল্লাহ তআলাগী থবক-থৌরমগী থল অনী লৈ : 'অহানবা মহৌশাগী ওইবা'অমসুং অনীসুবনা 'থোয়দোকপা মহৌশাগী ওইবা'। ঐখোয়গী অয়ুক-নুংথিলগী পুন্সি অসি অহানবা মহৌশাগী কাঙলোলগী মখাদা চৎথরি। মসিগী মনুংদা মহাক্না থৌ পাংহনবিরি তৌইগুম্বসুং, করি করিগুম্বদা থোয়দোক -হেন্দোকপা ওইথোকপশিং মালেমদা থোক্লি। "তশেংনমক, অল্লাহদি পাঙ্গল লৈবনি পোৎ পুন্নমক্কী মথক্তা "। -(কুরআন ২:২০)

'অল কহহার' হায়বসি 'কাহিরগী' (নমদুনা তৌহনবা ঙম্বা ) দগী চথরকপা অল্লাহগী মিংলেন্নি।

***ফজীলৎ*** *: হন্না হন্না মিংলেন অসি শোল্লবদি নফসগী হায়বদি ইন্দ্রিগী অপাম্বীশিং খুদুমদা লাকনি অমসুং নুংগী থৱায়গী ইংথবা, অরানদগী অমদি য়েক্রবদগী হিঙগনি।*

## অল- ৱহহাব থোয়- হেন্না পীনবা ঙম্বা মপু (The All - giving)

"ঐখোয়গী মপুও! ঐখোয়গী থম্মোয়বু নাথৈহনবীখিগনু (অচুম্বদগী) নহাক্না ঐখোয়বু লমজীংব্রীখ্রবা মতুংদা, অমসুং ঐখোয়দা নহাক্না থৌজাল পীবিয়ু। থাঙ্গৈশেংনমক, নহাক্তী থোয়দোক- হেন্দোক্না পীনবিহৈবনি"। ( কুরআন ৩:৭)

অল্লাহ তআলাগী পীনহৈবসি মপান নাইদে। তাইঙপানসিদা মীওইবনা তোঙান-তোঙানবা থাকশিংদা লেপলমই অমসুং হিঙলিবশিংদা থাক অমমম মশানা থংনা নৎত্রগা থংদনা লেপ্পবা হোৎনরি। মী অমনা হোৎনবদা ওইথোকপগী থাক অসি মী মাগী নিংবগী শক্তিগী মথক্তা মশানা নোম্বা, হোৎনবগী মখাপোল্লি। নিংবা হায়বসি নিজবা হায়বনি, নিংলিবসি মহাক্না ফংদ্রিবা নৎত্রগা ওইদ্রিবা অদুনি।

"অমসুং মহাক্না পীবি নখোয়দা পোৎ পুন্নমক নখোয়না মঙোন্দা নিজবা অদু অমসুং নখোয়না করিগুম্বা মশীংথিগে হায়রবদি অল্লাহগী থৌজালশিং, নখোয়না ঙমলোয় মশীথিবা মখোয়দু"। -(কুরআন ১৪:৩৪) মীনা পাম্বসি অফবত্তা নত্তনা ফত্তবসুনি, হোৎনজম শোয়দনা ফংগনি অদুগা লোয়ননা হিসাবসু লৌগনি। মী অমনা ওইথোকপগী থাক অসি মসিনা মরোইরে হায়বা করিসু লৈতে; পুন্সি মতম্না হেত্তা মরোইথি, অওইবগী থোঙচৎনা লম্মাখাংদা হেক্তা তুপশিনখি, মপু মহাক্কী থৌজালদি লোম্বা থম্বা নাইদনা চথদুনা লৈহৌই। অসিনা হায়বনি মহাক্তী পীনহৈবদি মপান নাইদে, থোয়না হেন্না পীনবা ঙম্বা অল ৱহহাবনি। মী কনামতনা হায়রুদনা-নিরুদনা (নিজবদগী পীবিবা ওইরবসু) থোয়দোকপা পীনবিবা অমা লৈরি; মসি মহাক্কী লমজিং মৈরা, ৱহী, নোংদোল থক্কী পাউনি। পাউ ফংহনবিবা অমসুং অতোম্পদা থুংহনবা মী মরক্তগী মহাক্না মনাই থল্লি। মহাক্কী পাউজেনবা (Messanger, Prophet) মনাইশিংগী নবুৱৎ Prophethood অসিমক অচৌবা মহাক্কী থোয়দোক হেন্দোক্না পীনবিবা অমনি। অরোইবা নবী, মপুগী পাউজেনবা হজরত মুহম্মদপু (স্ব) তাইবঙপানবগী থৌজাল (রহমতুল লিল অলামিন) মিংথোল্লি।

"এ নবী! তশেংবমক, থাবিখি নংবু শাক্ষী অমা ওইনা অমসুং হরাও পাউ পুবা ওইনা অমসুং নীংশিংহনবিবা অমা ওইনা "।- (কুরআন ৩৩:৪৫)

মঙোন্দগী তাইবঙ মীওইবগী ফিদম ফংই," থাঙ্গৈশৈংনমক, নখোয়না ফংই অল্লাহগী রসুলদগী খুাইদগী ফবা ফিদম অমা "। কুরআন ৩৩:২১)

নবী করিমদগী অয়ূক- নুংথিল, হিপ্পা চাবা, নোংমগী পুন্সি থৌদগী থৌওং (Manner) গী মরক্তগী মাগী শুন্নৎ ওইনা হায়বদি, মাগী উম্মৎ, তুংইনবশিংগী চৎন-কাঙলোল, ওইনা থম্বীরমই। অমসুং মহাক্কী খুথাংদা অল্লাহগী ৱাহে, কুরআন শরীফ থাবিরকই। কাঙলোপ-ফুরুপীকদমক্তা অচৌবা লাইরিকশিং অমসুং সহিফাশিং (অচৌবা লাইরিক নত্তবা) থাবিখি হজরত মুহম্মদ (স্বঃ) মুস্তফাদা থারিরকথিবা মপুগী লাইরিক কুরআন শরীফনা মপুগী মায়কৈদগী লাকথিবা খুাইদগী মপুঙ ফাবা লাইপাউ লাইরিক্নী।

হজরত নুহগী (অঃ) মীশিংনা তৌবিথি মখোয়গী রসুলশিংবু মিনম্বনি হায়জিন্দুনা ওৎ-নৈবা অমসুং মখল-মখাগী অৱাবা পীবিখি। হজরত নূহনা (অঃ) হায়বিখিঃ "অল্লাহবু কিয়ূ অমসুং ঐনা হায়বা ইনবিয়ূ।"অমসুং ঐনা হায়জদে নখোয়না মনা- মথিন পীয়ূ; ঐগী মনা-মথিন্দি লৈ তাইবঙ পুম্বগী মপু মহাক্কী মনাক্তা।" -(কুরআন ২৬:১০৯)

'অল ৱাহ্হাব' হায়বসি 'ৱাহিব' (Giver) দগী থংথরকপা ৱাহেনি, অল্লাহগী ফজবা মিংলেন অমনি।

*ফজীলৎ: হজরত সুলৈমান্না (অঃ) তোয়না শিজিন্নবিরম্বা হিরম খুদিংমক্তা য়াম্না কান্নবা দুআনি।*

## অর-রজজাক

চিঙ্গাক পুন্নমক পীনবিবা মপু (The All-Provider)

' তাশেংনমক, অল্লাহদি চিঙ্গাক হুনবিহৈবনি, পাঙ্গলগী মপুনি, খুাইদগী পাঙ্গলবনি।"-(কুরআন ৫১:৫৪)

অল্লাহ তআলানা মহাক্কী অহিঙবা খুৎশেম পুন্নমক্কী চিঙ্গাক হুনবী। মহাক থক্তনা অহিঙবা পুন্নমক্কী পুন্সি মপুম অসি পীবিবনি । "লৈৱা অতোপ্পা লৈশেম-নুংশেম্বা মপু অমা অল্লাহ নত্তবা, মহাক্না চিঙ্গাক হুনবা অতিয়াদগী (নোং, নুংশা, নুংশিৎ অহাঙবা অসিনচিংবা) অমসুং পৃথিবীদগী মহাক নত্তবা লাই কনা লৈতে।"-(কুরআন ৩৫:৩)

তাইবঙ চিঙ্গাকসি মখল অনীনি; হকচাঙগীদমক চিঙ্গাক দরকার ওইবগুম থৱায়গীসু দরকার ওই। তাইবঙ হকচাঙগীদমক্তা মখল-মথেল য়াম্নবা মহৈ-মরোংশিং, মখোয়গী মশক-মগুন্না থল্লবা মহাক্কী খুৎশেম মালেমদা থোকহনবীরি। মখোয়গী মতিক-মগুন থাদুনা লোয়না নাইরোই। নুংশিবা মনম চেনবা হৈ-লৈশিং অসিনা পুক্লিং-থম্মোয় কয়াদা পেলহনবা, মখোয়সিসু থম্মোয়গী চিঙ্গাক্নী। চিঙ্গাক অমদা মহাও খক্তং হাপ্লগা তোক্তে; তোঙান-তোঙান পুক্লিং হুবা নুংশিবা মনম চেনবগুম, পুক্লিং হুবা মচুনসু লৈতেংই; উহৈ অমগী মথক থংবা শরুক্তদা নত্তনা তংখায় খাইদোক্তুনা য়েংসিঃ মচু কয়াগী লৈরোলনা লৈতেংবা, মচুগী তিনশিন্নবগী অঙকপা ফজবা উবা ফংগনিঃ অনজির (হইৎ মখল অমা) হায়বা উহৈদুগী মনুংদা য়েংবিয়ূ, লৈ শাৎপা মচুশিংনা অমুকঙ উহৈনুংদা পোম্না শাৎকায়রি, মচুশিংগী তিনশিন্নবগী ফজবদা! থৱায়গী চিঙ্গাক লাইনিংনি, ইবাদৎনি। নোঙমদা মতম মঙাগী নমাজসি তাইবঙ মীওইবগী শোয়দবা ওইনা মপুনা থাই। মসিতা নত্তনা কৃপথরকপদা, পুন্সিগী থবক-থৌরম খুদিংমক লাইনিং, এবাদৎতা ওম্মোক্লবা ইসলামনা লমজিংই অমসুং থৱায়গী চাওখৎপা তাল্লি। লাইনিংনা থৱায়বু শেংদোকই।"তশেংনা, মশানা মশাবু (থৱায়বু) শেংদোকপা (শেংনা থম্বা ) মীনা চাওখৎলি ।" -(কুরআন ৯১:৯)

মীওইবা মশা, মশাগী ইমান, মশাগী থৱায়গী চাওখৎপগী থোঙচৎ (অনাই) লৈ; " অমসুং কসমনি থৱায়গী অমসুং মাবু মপুঙফাহনবগী "। -(কুরআন ৯১:৭)

থৱায়-হকচাঙ অনীমক্কী চীঙ্গাক মহাক্কী মায়কৈদগী লোয়ব-থম্বা নাইদে, "থাঙ্গৈশেংনমক, মসি ঐখোয়গী চিঙ্গাক্নী লৈদৌনুংদসু লোয়বা নাইরোইদবা"।(কুরআন ৩৮:৫৪)

মহাক্কী থৌজালসি লোয়নাই-খমনাইররোইদবা ইফুৎকী ইচেনগুম্বনি, মরমদি মসি মঙোন্দগী হৌরকই অমসুং মঙোন্দা হনখি। মসি ইরম নাইহন্দুনা দরকার ওইবা মফম-মতমদা শিজিন্নবা ঙম্বা, ফংবা অমদি থংলবদি মী-মীদুগী মতিক মগুনগী মখাপোল্লি। মহাক্না থৌজাল পীবিরবমক্তদা মহাক্কী থৌজালগী ঈচেল থকথ্রবগুম, থৌজালবীদ্রবগুম থন্নৈ। তৌইগুমসুং, মদুগী অশেংবদি ইশানা-ইশাগী লম্বী ককচরুবা নৎত্রগা ককচখিবখক্নী। খুদম অমদা, মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্বা হায়সিসু মহাক্কী থৌজালবু য়োকপনি। "অমসুং (অহিঙবা) জীব কয়া য়াম্না লৈথ্রবা (মালেমথক্তা) কনানসু পুদুনা চত্তে মাগী মাগী চেঙজেল। অল্লাহনা হুল্লি (মচিঙ্গাক) মখোয়বু অমসুং নখোয়বু"। -(কুবআন ২৯:৬০)

'অর রজজাক' হায়বসি রজিক' (চিঙ্গাক হুনবা), হায়বগী অতোপ্পা চথরকপা ৱাহেনি। "ও ঈংনা পোথনিংলবা হল্লক্নো নংগী মপুগী মনাক্তা (নশানা) হরাও-হরাও য়াজদুনা অমসুং মহাক্না (সু) পুমপেন-পেনবিরদুনা"।-(কুরআন ৯০:১৭-৩০)

*ফজীলৎ : কনাগুম্বনা অয়ুক্কী ফজর নমাজ মতুংদা মশাগী য়ুমগী কাচিন মরিদা য়েৎলোমদগী হৌরগা অকোয়বদা তরারক শোল্লবদি ইমুং-মনুং খৈর-বরকৎ, য়াইফ-নুংঙাইনা লৈগনি, চাব-থকপা ৱাৎহনবিরোই।*

(ৱারেং অসি অজাদ কোমোলগী লাইরিক 'অল্লাহগী ফজবা মিংলেনশিং' হায়দুদগীনি)

মথৎ মথৎ....

# অমম্বদগী মঙাল্লোমদা

—অমির সুবহান
দারুল উলূম নদবাতুল উলামা

মালেম অসিদা লৈরিবা পোৎ খুদিংমক্কী মশা মশাগী ওইবা অকরুবা হৌরকফম মহৌশা, মথৌ অমদি কান্নবা অমমম লৈ। পোৎশক অদুবু হায়রিবা ফিভম অদুদগী লাপহনবা তারবদি অকায়বা অমসুং অওনবা কয়া থোকলকই খুদম ওইনা হায়রবদা থাওনা চেল্লিবা নহাক্কী গাড়ীদা করিগুম্বা মহি মশেলনি হায়দুনা ঈশিং ওইনা হাপ্পবদি য়াখিদবা হায়বসি মহৌশানি। নবী করীম (স্ব)না হায়দোকপীরম্মী: "অঙাং খুদিংমক মহৌশাদা (ইসলাম ধর্ম্মদা) পোকপনি (মুসলিম শরিফ, হজরত অবু হুরৈরাহ র.) আল্লাহ তআলাগী সুন্নৎনি_ মীওইববু মহাক্কী মহৌশা অসিদা লেংদনা লৈহন্নবগীদমক মতম চুম্পদা থৌশিল কয়া তৌবি। অমবিয়া অলৈহিস সলাম্না থাবিরকখিবা, লমজিং ওইরবা অশেংবা লাইরিক কয়া থাবিরকখিবা অমদি মফম মতমগী মতুংইন্না উলামা-এ হক কয়া লৈহনবিরিবা হায়রিবা থৌশিলশিং অসিগী মনুংদগীনি। অদুবু অমবিয়া (অ.স.) মালেম অসিদা লাকপগী লম্বী থিংখ্রবা মতুংদদি ঐখোয়না থৌশিলশিং অদুবু শুপনগী মখল অনি থোকনা খাইদোকপা য়াই। (১)আইন অমদি (২)আখিরৎকী ৱাখল্লোন। মালেম অসিদা মীওইবা ঐখোয়না মখল অনিগী থবক তৌই, অফোংবা অমদি অরোনবা। অফোংবদা সমাজগা মরি লৈননা করিগুম্বা শোয়ররুবদি মদুবু লাকসিন্নবগীদমক মীয়াম্না য়ানরবা অচুম্বদা য়ুমফম ওইবা তুংকোইনা চৎনরগদবা নিয়ম খরা লৈফম থোকই। মদু আইননি। অদুগা আইন্না খুদুম চনবা ঙমদবা অরোনবগী নায়তোম পুন্সিদনা কনা অমনা উদ্রবসু ঐবু শেম্বিবা মপু মহাক্লদি উরি, নোংমা মহাক্কি মমাংদা লেপ্পুগনি হায়না থাজবা অসিনা আখিরতকী ৱাখলনি। মরম অসিনা করিগুম্বা মপুং ফারবা আইনসু লৈত্রবা, অদুগা আখিরৎকী ৱাখলসু চেন্দ্রবদি অচুম্বদা অমদি মহৌশাদা য়ুমফম ওইদুনা মীওইবনা লৈবা হায়বসে ওইথোক্তে। মহাক্কী য়েক্লবা কয়ানি- শৈতান, ইন্দ্রী অপাম্বা। অশেংবনি, Science কী লমদা খুমাঙ চাওশিল্লকপা অমদি অহোঙবা কয়া লাকপনা সমাজদা করি অওনবা পুরকই হায়বা অরোনবা ৱাফম নত্তে। মীওইবা অনৌবা পুন্সি অমগী লম্বীদা অনৌবা ৱাখল্লোন অমদি পান্দমগা লোয়ননা মায়কৈ পাংলকখি। Science আল্লাহ তআলাগী খুদোল অমখক্রি। হজরত আদম (অ.স.)বু শেম্বিরবা মতুংদা পোৎশক কয়া অমগী মমিং তাকপিখি হায়রিবা ৱাফম অসিগী শরুক অমনি, অয়াম্বা কুরআনগী মুফস্সিরশিংগী মোৎতা। "অল্লাহ তআলানা আদম(অ.স.)বু পোৎশক খুদিংমক্কী মমিং তাকপিরে"।(সুরহ বকরা - ৩১) হায়বা অসিগী অর্থ-সংসার অসিদা কয়ামৎ ফাওবদা লাক্কদবা মীওইবা কাঙলুপ্তা অনৌ-অনৌবা মহৈ কয়া, লৌশিং কয়া পিনবিগনি হায়বনি। মরম অসিননি ঙসি ঐখোয়না Discovery অমদি Invention কয়া উবা ফংলিবা, ওইফম থোকপদি থিজিন খোমজিনবদগী ফংলক্লিবা মহৈ অমদি লৌশিং কয়া অদুদা খম্বদুনা অল্লাহবু মশক খংবা, থাজবা অমসুং অচুম্বগী মাইকৈদা লাকপা অদুনি । অদুবু দীনদগী লাপথিবনা হেন্না লম্মাংনবগী মরম অমা ওইরকখি। Russian Revolution 1917 গী মমাং Czar শিংগী মতমদা Europe, মরু ওইনা Russia, অমোৎপা কয়ানা থল্লবা, লমচৎ নাইদ্রবা অমদি মরাই চাইথরবা লৈবাক অমা ওইরকখি। 'Yellow Card System' হায়না খংনবা নুপী ওইবিশিংবু ফত্তবা লম্বীদা লান্না সিজিন্নবগী চৎনবিনা লায়না কয়া পাক-শন্না শনদোরক্লুনা অচৌবা সমস্যা অমা ময়োক্লবা তাথি অদুবু Russia গী ইহৌনা মাই পাক্লুনা- U.S.S.R শেম্লবা মতুংদা চাওখৎপা অমদি অমকপা লৈত্রবা সমাজ অমা ওইহন্নবগীদমক্তা লৌখৎলকখিবা থৌদাংশিং-খম্বনিঙাইনি, Soviet শিংনা মহৌশা অমদি দীন্দগী লাপথোক্লগা তোঙানবা Law অমা শেমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনরকখি। Dyson Cater না মহাক্কী লাইরিক 'Sin and Science' তা অসুম্না ইরি।

"ঐখোয়না মীওইবা সমাজবু লন-থুমদা য়ুমফম ওইহল্লগা হন্না অমুক শেমগৎনবা হোৎনরি, ঐখোয়না মীওইবা খুন্নাইবু Science কী নিয়মদা শেম্নবা হোৎনৈ।" ইতিহাসনা তাক্লে মীয়াম্বু ফহন্নবগীদমক আইন অমদি ধর্ম্মনা লাকশিনবা হায়বশি ওইথোক্তবনি। অশুম্না ১৮ শুবা শাতাবদিদা Science, ধর্ম্ম, Civilization অমদি Culture অমগুম চাওখৎলক্লুনা মালেম পুম্ববু খুদুম চল্লকখি। মীওইবা মদোম মনিং তমজৈ (Individualism)। মপু হায়বা কনাসু লৈতে

'(Atheism). হকথেংনরবা অমদি চাংয়েং তৌরবা পোৎশক অদুতমক থাজগদবনি (Observation and Experiment) হায়বনা চিংবা ৱাখল্লোন কয়ানা ধর্ম্ম অমদি মীওইবা অনিগী মরক্তা লৈনরম্বা তৎনা- থানবা য়াদ্রবা মহৌশগী মরিবু তৎহনখি। য়াইফবা পুন্সি অমদি শান্তি লৈবা সমাজ অমগীদমক্তা Science না ওকলে হায়না খন্নরকখি । চাওখৎপগী লমদসু খুমাং চাওশিল্লনি, অদুবু 'MODERN WORLD 'নি হায়না চাওথোকচরিবা মালেম ঙসি নহাক্কী মাংদা লৈরে মিকপ মিরাওখোলতনা নিল্লবা অসিরা শান্তিগী অর্থা? মিহাৎ-মীপুন্না থল্লবা, অসিরা য়াইফবগী খুদম ? হোই, Science না অমদি মসিগী তুং ইন্দুনা লাক্লিবা Western Culture না মীওইবদা কান্নবা কয়া পীরি, অদুবু মীওইববু মীওইবা অমা ওইনা হিংহনবদি ঙমদ্রি; পৃথিবীগী অহানবা (1914-1918) অমদি অনিসুবা (1939-1945) গী লানজাওনা সাথিনি German গী অফাওবা Scientist Albert Einstein না হায়: "Science না plutonium বু শেমদোকপদি ঙম্মী, অদুবু মীওইবগী থম্মোয়দা লৈরিবা ফত্তবদি শেমদোকপা থক ঙমদে। লম্মাঙনরবদা, ধর্ম্ম মহৈ অমদি নিতি-নিয়ম কয়া অসিনা পোৎশক অমগী মওং-মতৌ অমদি থৌশিল- থৌরাং করিনো হায়বা তাকপি তম্বি অদুবু মওং- মতৌদুবু শেম্বিরিবা কনানো, থৌশিল-থৌরাংলিবনা কনানো হায়বদি ঙসি ফাওবা তম্বিবা লৈত্রি। সুপ্নতংগী মরম অসিখক্লনি মীওইবা ঙসি চঙক্লনা হিংলিবা। পুন্নমক অসিগী Sulotion মশানা মসাবু কনানো মশক খংনা য়ুমফম ওইরিবা মহৌশাদা হল্লকপা অদুনি। মসিগীদমক্তা ইস্লাম নত্তনা অতোম্পা লম্বী অমত্তা লৈতে । অল্লাহ তআলানা হায়বিরি: "অল্লাহ তআলাগী মিৎয়েংদা পুন্সি লেন্নবগী লম্বি সুপ্নতংগী ইস্লাম্নি"। (সুরহ আলে ইমরান ৩:১৯) অমসুং অল্লাহ তআলানা মিওইববু শেম্বিখিবসু মহাক্কি হায়বা ইনবা মনাই অমা ওইদুনা মালেম অসিদা ইস্লামগী লৈঙাক শন্দোক্লবগিদমক্তনি। অল্লাহ তআলানা হায়বিরি: মালেমদা ঐনা ঐগী ইহুৎ অমা শেমগনি। (সুরহ বকরহ :৩০) মলেম অসিদা মীওইবা অমগী থাক সুপ্নতংগী মনাই অমগীনি, পুন্নমক্কী অল্লাহনি, মালেম পুম্বগী সাসন মহাক থক্কি হকনি, আইনসু মহাক্কী অপাম্বদনি অদুবু অল্লাহগী ৱায়েলগী মপু ওইনিংলিবা করমননো? অল্লাহগী শরিঅৎপু ওনথোক্লনা চৎলিবা মহাক্কী করম্বা, মতিক্লনো? লাইবক থিবনি, ইস্লামগী য়েক্লবা কয়ানা কলকপগী অমদি য়েংথিনবগী মরমদা ইস্লামগা মরি লৈনদবা আইন অমদি নিতি-নিয়ম কয়া পুথোক্লনা চৎনহন্নবা হোৎনরি। Democracy Socialism, Communism পুন্নমক কুপথনা থিজিল্লরবদি ইস্লামগী ময়োক্তা লৈবা ঙাক্তনি, খুদম ওইনা :- -কুরআন্না হায়রি - "ৱারেপকী হক অল্লাহ নত্তনা কনা অমগী নত্তে (সুরহ অনাম-৫৭) অদুবু "Idea of Sovereignty' না মসিগী মায়োক্তা ওইদুনা legislator শিংগীনি হাই। কুরআন্না হায়রিবনি: "অল্লাহ তআলাগী মিৎয়েংদা পুন্সি লেন্নবগী লম্বি সুপ্নতংগী ইস্লাম্নি"(সুরহ আলে ইমরান :১৯) অদুবু Secularism গী ৱাখল্লোন্না ইস্লামক্কী লাপহল্লি। অল্লাহ তআলানা কুরআন্দা মখোইশিং অসিগী মচৎ অসুন্না তকপীরি:"মখোইদা কংফালদা ( মলেমদা) ফত্তবা থবকশিং তৌগনু হায়বদা মখোয়না হাই ঐখোইদি সুপ্নতংগী য়াইফনবা হোৎনরিবশিংনি"।(সুরহ বকরা-১১) পুন্নমক্লা মরালশিরি- ইস্লাম চাওখৎ লমজেলগী পলনি, মসিগী শিজিন্নফম সুপ্নতংগী নাইতোমগী ওইবা পুন্সিদনি, হোংলক্লিবা সমাজগা চুসিন্নবা ঙমদ্রে অদুবু অল্লাহ তআলানদি অশুন্না হায়বিরি:"অল্লাহ তআলাদি মহাক্কী রসূল(স্ব)বু অচুম্বা লমজিং অমদি অচুম্বা ধর্ম্মগা লোইননা মালেম পুম্বগী ধর্ম্ম খুদিংক্কী তোমথিন ঙান্নবগীদমক্তা থাবিরক্লিবা মপু অদুনি, শির্ক তৌবশিংনা পামদ্রবসু" (সুরহ সফ-৯) আয়ৎ অসিদা 'তোমথিন ঙানবা হায়না হায়রিবা অসি করিগীনো? করম্বা হিরমদনো? মসি পুন্সিগী তাংকাক খুদিংমক্কিনি- নাইতোম, সমাজ শেল-থুম অমদি লৈবাক সাসন্না চিংবা। ইস্লামগী অচুম্বা অমদি তঙাইফদবশিং অসিবু ঙসিগি মালেম অসিনা মমি শামহন্নবা হোৎনরবসু হন্দুনা অমুক লাক্লে হায়বদা লাল্লোইদ্রা খল্লি।

December 2012 Delhi দা ছাত্রি অমগী Rape case কি মতুংদা মরাল লৈবসিংবু মতিক চাবা দন্দী পিয়ু হায়না দাবী তৌরকখিবা অদু লৈরিবা Indian Law অসি থবক ওইনা চৎনদ্রি হায়বগী চপ-চাবা খুদম অমনি। ঙসি সংসার অসে কঙাওনরে, ইথৌলাংলে, মাই পকপা অমদি খুবা লৈতবা কদাইদা লৈবগে থিবদা চোকথনরে। মরম অসিনা মালেম অসিবু ইস্লামগী মাইকৈদা কৌশিন্দুনা অচুম্বগী লম্বীদা লমজিংবিবা মুসলমান উম্মৎ অসিগী খ্বাইদ্দী অচৌবা মথৌদাংনি। ঈস্লামগী অচুম্বা ৱাহম্প্তোকপু মতমগা চানা-চুনবা মওংদা মখোইদা থুংহল্লবদি ইনশাল্লাহ মখোয়না সোইদনা লৌথিগনি।অদু ওইরবদি হৌজিক হৌজিক তঙায় ফদ্রিবা অসি করিনো? মুসলমান্নি হায়রিবা নহাক ঐহাক্লা মীকপ থোকপা অদুনি।

# ইসলাম অমসুং গ্লোবেলাইজেসন

(Issue ৯শুবগী মথা)

—ইন্দর রহমান

চাওরবা থৌরাং কয়ানা মীওই পুন্নমকপু চপ মান্নবা culture morals ফিজেৎ-চাকসেৎ অমদি মান্নবা মওংগী পুন্সি মরেল লৈননবা মচু শংথি, অমদি Media নসু মসিগী থবকসিবু মাইপাকহননবগী য়াম্না চাওরবা থৌদাং লৌরি। ঙরাং ফাওবদি নোংচুপলোমগী মীওই থক্তমক ইকায় খংদবা কাঙলুপ ওইরমবনি, অদুবু হৌজিক্তি নোংপোকলোমদসু মান্নরপ্না ফী থোংনদ্রে। ঙরাং ফাওবদং মখোয়গী নাৎ ওইরমবনি অদুগা হৌজিক্তা মখোয়গীদুগা ঐখোয়গীসিগা চপ মান্নশিল্লকলে। ঐখোয়না খ্বাইদগী পান্নরমদবা, মাই লৈথোকলমবা কয়া অদুসু ঙসিদি ঐখোয়গীদা চপ মান্ননা থোকলরে। অদুগা নাৎ-Culture অমা পুন্সি খ্বৎহিঙ অমা, লৈপাক ঙাকলোন অমা, Economic System অমা, Society অমা অদুগা পুন্নমক্কী ধর্ম্মশু ওইগদবনি হায়বসিগী ওইনসু মখোয়না অরোয়বিদা হোৎনরিবনি।

পৃথিবীসিদা লৈরিবা ধর্ম্ম অয়াম্বা অহিঙবা ধর্ম্ম নত্তে। অদুম ওইনমক অহিঙবা ধর্ম্ম ওইবা ধর্ম্ম অমখক লৈরি। মশি মাগী মাগী ৱাখলোন্দা অমদি মিৎয়েংদা খ্বাইদগী শক্তি লৈবা ধর্ম্মনি । ধর্ম্মসিগী মশাগী পুন্সি কঙলোন লৈজে, মশাগী Morals অমসুং Values, মশাগী Civilisation, মশাগী Economic System, মশাগী Business তৌনবগী System লৈজরবা অমখক্তি। শক্তি পুন্নমক অমদি Media গী শাফু কয়ানা মসিগী ধর্ম্মসিবু পুন্নমকসি লৈদুনসু নাথৈথিদনবা, তেনতক্তা হায়রবদা পৃথিবীসিগী হোংলক্লিবা মওংসিদা ইসলামদি মশাগী Globalisation গী ৱাখল্লোন লৈজে। অদুগা মসিগী ৱাখল্লোন অসি ইসলাম্না হেক লৈরকপদগীনি। অদুনা ঐখোয় ঙসি পৃথিবীসিদা মসিগী ৱাখল্লোন অসি অমুক্তা থমসি। করিগুম্বা ঐখোয়না ইসলামগী Pscyology, Idials কা লোয়ননা ঐখোয়গী থবক থৌরমশিং তৌরবদি তুংদা লাক্কদবা মতমদা ঐখোয়গী ফজরবা role লৈগনি। মালেমগী ফমপাক্তা তমজনিংঙাই ওইবা মওংদা ঐখোয়বু উবিগনি, খংবিগনি তবিগনি ।

অচৌবা অপনবা কয়া লৈরবসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্পরবসু ইসলামবু কা হেন্না খুদোংচাদবা কয়াদা মুসলিমশিংনা পুকচেল শেংবা ওইবদগী অমদি ইসলামগী থবকপু অপামবদগী অল্লাহ মপু মহাক্তা জুগ কয়াদা খুদোংচাবা পীবিদুনা মশেক মঙালহনবিরি। অহানবা ঐখোয়গী Economy য়েংসি অমদি ঐখোয়গী কদায়দা লৈরিবগে য়েংসি। পৃথিবীসিগী মীশিংগী শরুক মরিগী মনুংদা অমা মুসলিমনি। ঐখোয়গী Population সি 22% নি। অদুগা অল্লাহ পাকনা পৃথিবীগী Resorce কী 24% ঐখোয়দা পিবিরে হায়রিবা Resorce সিংসি ঐখোয়গী খুদুমদা লৈত্রবসু।ঐখোয়গীদি ঐখোয়গীনি, মদুশিংদু ঐখোয়গী লমগী নত্রগা লৈবক্কী Resorce শিংনি। মসিনা তাকপদি অল্লাহ পাক্তা হান্ননা ঐখোয়গী Population দগী দরকারদগী Resorce না হেন্না পীবিরে। মপু মহাক্তা চুন্না তৌবিদবা নত্তে; মহাক্কী চুমদবা ওইরোই; মহাক্কী পুন্নমক্তগী খ্বাইদগী হেন্না নিয়ম চুমবা অশেংবা থৌজাল হৈবনি। ঐখোয়গী Population সি 22% নি, ঐখোয়গী খুদুমদা লৈত্রবসু ঐখোয়গী Resorce না 24% নি। খ্বাইদগী য়ামবা অমদি শক্তি লৈবা Resorce তি থাত্তনি। অদুগা পৃথিবীগী চাওরাক্তা 75% তি ঐখোয়গীনি খল্লু। মসি করিগুম্বা খংলমলবা নত্রগা তারমলবা শোয়দনা মিৎলুদগী ইগী পিরাং শিনথর্মগনিঃ ঐখোয়গী Resorce কী 5% থক্তনি ঐখোয়গী খুদুমদা লৈরিবা, Natural Resouces তা 24% অমদি থাওগী Resoure তা 75% ওইজরবসু ঐখোয়না লৈরিবা, হিংলিবা ঐখোয়গী Economic কী ফিভম মসিনি । ঐখোয়না খংই মদুদি, করিগুম্বা মসিনা, Car, Aeroplane, Factory অমত্তা থাও য়াওদনা চলায়বা ওইদে, অদুগা মসিগী মরমনি ঐখোয়গী থাওগী অমদি অতৈ Resorce শিং খুদুম চন্নবা হোৎনরিবা। কৈদৌনুংদা ঐখোয়গী Resorce শিংগী তৌবিমান খংবিদবা উৎপা, ইজক্ষৎ তৌথিদবা অমদি ঙসিদি অতোম্পাশিংগী খুদুমদা লৈথিবনা ঐখোয় ভিখারি অমগুম নোনথনা লেপ্পি। ঐখোয়গী ধর্ম্মশিংগী মতাংদা তশেংনমক থাগৎনিঙায়নি অমদি তমজনিঙাইনি মদুদি, ঐখোয়গী উলমাই কিরাম, দাইশিংনা কন্না হোৎনবগী ঐখোয়বু অহিঙবা ধর্ম্মগী মতুং ইনবনি হায়না ময়ামনা খংনবিরি। চিংননিঙাই লৈতে মদুদি পৃথিবীদা খ্বাইদগী মশীং য়ামবদি Christian নি । অদুবু মসিমসু চিংননিঙাই লৈত্রে মদুদি, ধর্ম্মগী তথী তকপীবগী মতুংইন্না চৎলিবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বদা ঐখোয়গী ইসলাম ধর্ম্মনি। Church কী শক্তি-Power চৎনবিদ্রে। ঙসিগী Modren Secular Government শিংনা Bible, Old Tastament অমদি Plasm দা হারাম (Unlawful) ওইবা কয়া কয়াবু হলাল (lawful) ওইহনখ্রে, মৱা তাবিদ্রে। Church নসু মতাং অসিদা

Support তৌখে, জিনা, Sadomy, Homosexuality নচিংবা কয়াসি কুরআন্দা হারাম ওই, য়ু থমপা Bible অমদি Old Testament দা হারাম ওই। Old Tastament না নুপীনা ঋীনা মশা কুপসিনদবা হারাম ওই। Old Tastament দা করিগুম্বা নুপী অমনা মকোক কুপসিনদ্রবদি মসমদু তেন্না ককথৎকদবনি, অদু ওয়রবদি তঙাই ফদনা ইকাইবদগী মকোক কুপজিল্লকনি হায়না পর্দগী মতাংদা কন্না হায়রিবনি। অদুবু পৃথিবী পুন্নমক্তা ইসলামবু হোংদোকহন্নবা হোৎনরকপদা মখোয়না হিজাপকি মতাংদা কদাইদা লেপলিবগে হায়বদু ইখোয়না খংলিবদুনি।

মসিগীদমক হেন্না শন্দোক্লা ইরুদ্রবসু খংনরিবদুনি। Church তি Global Religion Scale দা মশাগী Ideals, Values পুন্নমক শিজিন্নবা ঙমজদবা মশানা য়াজখে। অদুবু অরানবদা মশানা য়াজবা ইনসাঅল্লাহ কৈদৌনুংদা তৌরোয়দবা ধর্ম্মদি ইসলাম খক্তনি। মসিদি অহীঙবগী পাঙন্সলনি অমদি শক্তিনি অমসুং পৃথিবীসিনা খংলি; করিগুম্বা হায়রিবা ইস্লামগী লম্বী অমদি হোংলকলিবা ইচেল অসিবু ময়ামদা কন্না থিংহৌদ্রবা সোইদনা 21st Century দদি, Economic নত্রগা Cultural Level দা নত্রগসু Religion Level দদি সোয়দনা মকোক ইস্লাম্না চিংখ্রনি। ইস্লামগী মায়োক্তা অসুক্কী মতিক য়ামনা তৌরিবা Propaganda ময়াম অসিদি লেপ্পা লৈতনা ইস্লামনা হেনগৎলকলিবা অসিবুথক থিংননবা পানদমদনি। ঐখোয়গী Cultural দসু অদুমঙাই, করিগুম্বা ঐখোয়গী Culturalবু পৃথিবীসিদা অফবা মচরিত্তা অফবা মহৈগা লোইননা শক তাকত্রবা, তারুবা হোৎনদ্রবদি ইথক ইপোমগুমনা হৌরিবা Media গী ইচাওদা ঐখোয়গী Culture ইরাক্লহনখ্রগনি; ঐখোয়গী য়ুমশিংদা ইকাই খংদবা ফী থোংদবা অতোপগী য়মশিংদা য়ুমশিংদা মশাগী শকফম ইজজৎ য়াওদ্রবনা পিক থনলিবসিগুম্না লৈশিল্লকলনি। মতমদুদা ঐখোয়গী মমায় য়াদবগুম ঐখোয়গী মশাগী শকফম, ইজজৎ মাংখ্রগনি। ঐখোয়গী Culture অসি ঐখোয়গী মশাগী শকফমনি। ঐখোয়গী Culture অসি ঐখোয়গী মশক তাকলিবা অমনি। করিগুম্বা ঐখোয়না ঐখোয়গী Culture অসিবু ফজনা ঙাক-শেন্নবা হোৎনদবদগী পৃথিবিগী ইচাও অসিদা ইরাকনখ্রবদি ঐখোয় ইশানা ইশাবু খঙজবসু ঙমলরোই। ঐখোয়না য়ামনা মুন্না খংগদবদি, ইস্লামবু শন্দোকপা ইস্লামলোমদা কৌশিনবা, ইসলামগীদমক দঅৱৎ পিবসি মুসলিমশিংগী যুগ যুগ (Generations) খুদিংদা তৌদুনা লাকলিবনি।

অদুবু ঙসিগী যুগ অসিদদি, মসি করিগুম্বা কাঙলুপ অমখক্কী থৌদাং ওইদে; পুন্নমক্কিনি লোয়ননা খ্বাইদগী চাওবা তৌদ্রবা য়াদ্রবা মেহেনৎনি। ঐখোয়সি হৌজিক লান মনুংদনি করমবা লান: থাং অমদি খুৎচু-খুৎলায় অমত্তা য়াওদবা লান নি। লান অসি মিৎয়েং, নাৎ, সংস্কৃতি অমদি অসুপ্পা পুন্সিগীদমক্তনি। তশেংনমক, মুসলিম ওইরবদি, তসেংনমক লানফমদনি লৈরিবা ঐখোয়; লালথেংনরিবনি। লানমি অমনা থৌশা-ৱাসাদবা নুঙাইথোক্তুনা লৈথোকপা তাশিন-উশিন্নদনা, তুমথোক্তুনা লৈথোকপা, মতম মাংহন্দুনা নিঙাইদনা লৈথোকপা অমত্তা ওইথোক্তে। জতি অসি লানগী ময়ায়দনি, মুসলিমশিংনা হৈ-শিংনা য়েক্লবা কয়াগী লানদরকপশিং ঙাকথোক্তুনা লৈগনবনি। করিগুম্বা মসিগী ৱাখল্লোন অসি লৈরবা অদুগা ঐখোয়গী ইথৌসিং অল্লাহ অমসুং নবীগী মতুংইন্না পাংথোক্লবদি শেংনা, মপুংফানা ইমান লৈরে অমদি কৈদৌনুংদা মায়থিবা ওইথোক্তে। ঐখোয়দদি অল্লাহ তআলানা খ্বাইদগী খ্বাইদগী পাঙ্গলবা পুন্সি লম্বী অমসুং চৎন-পথাপ পিবিরি। মসি 'অহিংবা ঈমাননি', অমদি মতম পুম্বদা হিঙলিবা মপু মহাক্কী অপাম্বা, অনিংবগী মখাদনি। অশেংবা নবিগী অহিঙবা লাইরিক্কী, অহিঙবনি ঐখোয়; ঐখোয়গী ধর্ম্মসু অহিঙবনি, ঐখোয়গী মপুসু অহিঙবনি, অদুমক হিঙদুনা লৈগদবনি, অমদি মসিগী মমল অসি ঐখোয় ইশামক খংলগা, অতোপদসু তঙাইফদবা খংহনগদবনি। তশেংনমক, লাইরিক-লাইসু হায়রবা জ্ঞ্যান লৈরবা মুসলিম ইচিন ইনাওশিং ঙসিগী পৃথিবিগী মীওইশিংগী কোক্তা মালেম অশুপ্পগী ৱাখল খনদ্রিঙৈগী মমাং কয়াদা অমদি পৃথিবিগী মীওইশিংনা পৃথিবিসি 'মালেম অশুপ্পগী খুঙ্গং' অমগুম ওইরক্কনি খন্নদ্রিঙৈগী মমাং কয়াদা, হায়বদি কনা অমত্তনা 'মালেম অশুপ্পগী ৱাখল্লোন' লৈত্রিঙৈগী মমাং কয়াদা ইসলাম খক্তা পৃথিবীসিদা ইহান হান্না মালেম পুম্বগী ৱাখল্লোন পীরকখিবনি; য়াম্না মরিক চুন্না শন্দোক্লা মালেম পুম্বগী মপুংফাবা চৎনা-কাঙল্লোন পীখিবনি। অদুনা মালেম পুম্বগী ৱাখল্লোন অসি ইহান হান্না কুরআন্দা পীখ্রবনি অমদি চহি ১৪৩০ মমাংদা ঐখোয়গী রশুল নুংশিবা শল্লল্লহু অলৈহি ৱশল্লম্না মীশিংবু কলিমগী চৎনা পথাপ অমদা পুনশিন্ননবা হায়বিরম্মী। অদুনা দুনিয়া অমসুং অখিরৎ অনীমক্তা মাইপাক্লবা অমত্তা ঙাইরবা হিঙ্নবা লম্বীদি অল্লাহগী নবীগী মতুং ইনবখক নত্তনা ওইরোয়। অদুনা ঐখোয় ইশামক অচুম্বা অদু থির-থিরগা চৎপা তাই।

মথং মথং

# কলিমাগী বার্তোন



— হান্নগী মখা

–মুফতী সলাতুর রহমান

দঅৱৎকী লমদা মথৌ তৌরিবা মুসলমানদুতা অল্লাহগী মতেং ফংগনি হায়বা লৈতে, অমেরিকাদা লৈবা মুস্লিম অমনসু মতেং ফংগনি। নাকল অমরোমদা অল্লাহনা হায়বা ইন্দবশিংদা অজাব লাকপা মতমদসু, অজাব লাক্লিবা মফমদুদা হায়বা ইন্দবা কনাগুম্বা অমা লৈহৌদবা তারবসু মহাক্লা লৈবা মফমদুদা অদুম্মক অজাব অদু লাক্কনি। মওং অসুন্না অপুনবগী ওইনা লাকপা অল্লাহগী নুসরৎ, দঅৱৎকী মহোৎনগী মতুং ইন্না লাকপা তারবদি, খুদিংমক্লা লৈরু-লৈরুবা মফমদুদা নুসরৎ ফংগনি। অদুগা হায়রগদি হান্নগী ওইরিবা ফিভমদু নত্তনা তোঙানবা মওং অমদা অল্লাহগী মাইকৈদগী মতেং লাকপদুনি। অদুগা হৌজিক্তি, দঅৱৎকী থবক তৌবশিংবু অসিগুম্বা নুসরৎশিংদা আশা থমখিদ্রে। মপাম্বোংগী পাম্বৈশিং য়াওদ্রবদি য়ারোই হায়নরে। হৌজিক্তি মপাম্বোংগী ফিভমতবু য়েংনখ্রে, চিঞ্জাক মরাং কায়নবা হোৎনবা, থা ৪ গী জমাঅত্তা থোক্লবসু, পৈশাগী হিসাবনি অহানবদা তৌরিবা, মরম চানা চান-থক্লবা চেংজেল পুনবা হোৎনবা, মী অমগী চাংনা অসুক ওইবা, মী অমগী খরচানা অসুক ওইবা, হায়বদি থাজরোল ফোংদোকপগী ৱাফম নত্তে, অঙকপনি হৌজিক তৌখিসি, মশৱরহদা অসুন্না হায়নরি, ভাই জমাঅৎ, জমাঅত অসিনা লিশিং তরামঙা (১৫০০০) অদুগা জমাঅত অদুগীনা লিশিং তরানিথোই (১২০০০) নদি কোন্নরোই হায়বদি মহাক্লা থাজদ্রি ঐখোয়না মপাম্বোংদা উরিবা নত্তনা অরোনবদগী অল্লাহনা খরচ পুন্নমক কোন্নইনগনি হায়বসি।

অদুনা ঐখোয়না থাজফম থোকপদু থাজদবনা, অল্লাহগী 'কুদরত'পু, অল্লাহনা শেম্বিরকপা পাম্বৈশিংগা মান্নবা থাক্তা থমখ্রে। মপাম্বোংগী পাম্বৈশিংদতগী ওইগদবনি হায়রগদি মসি 'কুদরত' কৌদে। কুদরত হায়রগদি মপাম্বোংগী পাম্বৈশিংগু কুদরত অদুমক্কী মখা পোনবা ওইগদবনি। অদুনা ইচিন-ইনাওশিং, অল্লাহগী মাইকৈদগী লাক্কদবা নুসরৎ মতেং অসি, হুজুর (স্বঃ)না থম্বীরম্বা য়ুম্ফমশিং অদুদা উম্মৎ অসিনা লৈরবদতা ফংগনি। অদুনা তোঙানবা মফম অমখক্কী, তোঙানবা জাতি অমখক্কী হায়রগা অল্লাহগী মতেং ফংগদবা নত্তে। তশেংনা হায়রবদা, হোৎনগদবা মহোৎনদি অমখক্লি অদুগা হোৎনগদৌরিবা মফম্না অহুম্লি। হোৎনগদবনা অমা, হোৎনফম্না অহুম। মহোৎনা অমা হায়বদি অতৈ নত্তে, ঐখোয় ঐখোয়গী পুন্সিদা দীন করম্না চংলক্কদগে হায়বসিনি। মসিনি হোৎনগদবসি। মখা তারকপদা ঐখোয় পুন্নমক্লা খঙই, মীওইবগা লোয়নরিবসি পোৎ অনিনি। অমনা মীওইবনা দরকার ওইরিবা অনিশুবনা মীওইবগী দায়ত্ব। অদুনা কনাগুম্বা অমা কারবার তৌরি হায়না লৌরসি, অদু ওইরগদি কারবার ৱালা অদুগীসু পোৎ অনি লৈগনি। অমনা মহাক্কী দরকার ওইরিবা পোৎ অমনা মহাক্কী দায়ত্বদা লৈরিবা মথৌদাং ওইরিবা কারবারগী থবক অদুনি। মওং অসুন্না তলব ফংদুনা থবক তৌরিবা মী অদুগীশুনি। অমনা মহাক্কী দরকার ওইরিবা পোৎ অদুনি, অমনা মহাক্কী মথৌ অদুনি। মী খুদিংমক্কী দরকার ওইরিবসি, চান-থক্লবা অমদি ফিরোলনচিংবনি। মসি মী অমগী চংদ য়াদ্রবা পোৎ-চৈশিংনি। অদুগা পোৎ অমনা মহাক্কী দায়ত্ব অমদি মথৌদাং অদুনি। মী অমগা অতোপ্পা অমগা মথৌদি মান্নদে কনাগুম্বনা কারবার তৌই, কনাগুম্বনা লৌ উই, কনাগুম্বনা সরবিস তৌই। ৱাফম অসিগা চপ মান্নবদা উম্মৎ পুন্নমক্কীসু পোৎ অনি লৈগনি অমনা উম্মৎ অদুগী দরকার ওইরিবা পোৎ অমনা মহাক্কী দায়ত্ব। দরকার ওইরিবাসি দীননি। দীন য়াওদ্রবদা কান্নবা লৈতে মাইথিবা ঙাক্তনি অদুগা দায়ত্বনবু দঅৱৎকী থৌদানি। দীন হায়বসিনা চংদবা য়াদ্রবা পোৎ অমনি দঅৱৎনা থাদোকপা য়াদ্রবা দায়ত্ব অমনি। চাদ্রবদি মীওইবা হিংদে অদুনা চিঞ্জাক হায়বসি চংদ য়াদ্রবা পোৎ অমনি। দরকার ওইরিবা চিঞ্জাক অদু ফংনবা, কারবার তৌরিবা অমনা, মহাক্কী দায়ত্বদা লৈরিবা কারবার অসি পাংথোকপা তঙাইফদে। মসিগা চপ মান্ননা দঅৱৎকী দায়ত্ববু পাংথোক্লবদতা, দীন অসি তাইবং পুন্সিদা ফংবা ঙমগনি। দঅৱৎকী দায়ত্ব পাংথোক্তবদি উম্মৎ অসিগী খ্বাইদগী দরকার ওইরিবা দীন অসি ঐখোয়গী পুন্সিদা ফংবা ওইথোক্তে। থম্মোয়না লান্না থাজখিবনা, কারবারনা সমস্যা

পুম্বা কোক্লগনি থন্নখ্রে।

অদুনা হায়জনিংবদি দঅৱৎকী মহোৎনা অসিগী, হোৎনগদৌরিবা মফমদি অহুম্নি। ঐ ইশাসু মফম অমনি। অদুনা ঐগী নমাজ, ঐগী রোজা, ঐগী হজজ, ঐগী জকাৎ, ঐগী জিকর, ঐগী তিলাৱৎ, ঐগী অফবা থবকশিং, ঐগী কবর, ঐগী দোজখ, ঐগী জন্নৎ পুন্নমকসি ঐনা থঙবা তঙাই ফদে। অদুনা মৌলানা য়ূসুফনা হায়বিরম্মী, মহোৎনা অসিদি সালিহীন অফবশিংগীনি। ঐগী অফবা ওইজগে হায়বশিংগীনি। অতোম্পনা তৌবা তৌদবগী থোয়না খল্লুফম থোক্তে। অনিশুবদা দঅৱৎ অসিগীদমক হোৎগদবসি, লৈকাই-লৈকাই, খুঙ্গং-খুঙ্গং, জাতি-জাতি, তোঙান-তোঙানবা লোল লোনবশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা শিনফম পায়বশিংদনি। মৌলানা য়ূসুফনা হায় মখোয়শিং অসি দঅৱৎকী মফমবুদি মফম্নি তৌবতবু মখোয়দা হোৎনগদবসি নবীশিংননি। অহুমশুবা হোৎনফমসিদি খ্বাইদগী মপুং ফারবা পোৎ অমনি, নবীশিংনা হোৎনরম্লবা মফমনি, অৱাৎপা লৈত্রবা হোৎনফম অমনি। হৌজিক্তি অল্লাহগী মতেং পুম্বা মখোয়না ফংজরগনি। ফংজগদৌরিবা মতেংশিং অদুশু মহোৎনগী মফম-মফমগী মতুংইন্না ওইরগনি। সালিহীন ইফ-ফরবশিংগী মহোৎনা ওইরগনা করামৎশিং ফংগনি অদুগা নবীশিংগী মহোৎনা ওইরগনা 'নুসরত' পুন্নমক্কী শরুক য়াওরবা মতেং ফংগনি। নবীগী মহোৎনা অসিগী ফলদা ফংলিবা নুসরৎ অসিশু অমুক জাতি অদুফাওবতং ওইবনা, ময়াম্না নত্রগা জাতি অদুনা পাম্বদু নবীদা অহানবা হায়জরক্কনি, নবী অদুনা অমুক অল্লাহদা হায়রজক্কনি খুদম ওইনা বনী ইসরাঈলনা মূসা (অ:স)দা হায় নংগী মপূদা মসি হায়বিয়ু, মসি হায়বিয়ু। মসি অমরোমদা য়েংলগদি নবী লৈরিবফাওবদি মীয়ামগা অল্লাহগা মরী লৈনরি নবী লৈখিদবদা অল্লাহগা লৈনরম্বা মরী অমুক মাংলকখি। নবী করীমগী উম্মৎ অসিনা নুবুৱৎকী ওইবা মহোৎনা অদু অল্লাহগা হকথেংননা মরী লৈনবগী মওংদা ফংজহৌই। উম্মৎ অসিগা অল্লাহগা মরী লৈনরিবা অসি চুমদ্রিং চুম্বা মরীনি, ফৈদোক-ফৈজিন লৈররোই অল্লাহনা হায়, "নখোয় ঐঙোন্দগী নীজৌ নখোয়দা পীনগদবদি ঐননি" (কুরআন) হুজুর (স্ব:)না উম্মৎ অসিবু অতোম্পা কনাদা শিন্নরমদে, ইবুংঙো মহাক্না অল্লাহগা শম্নরিবা লম্বীদা চৎহনবিরম্বিখি। ইচিল-ইনাওশিং নবীদি অমা লাক্কনি, অমুক চৎথিগনি অমুক লাক্লম্বা অমুক চৎথিবা, লাক্লগা উম্মৎপু শিন্নবিরম্বা, মসি হৌনবিনি।অদুগা নবী অমগী মতুংদা নবী অমা লাক্লরোইদবা ওইরগদি উম্মৎ অসি করি ওইবা তারি।

রসূল (স্ব:)না উম্মৎ অসিদা দঅৱৎকী মহোৎনা শিন্নবিরম্মী। অদুনা মরুপশিং! হৌজিক উম্মৎ অসিগী সমস্যা অমা লাকপদা করম্না মদু কোক্লবা হোৎনবা তাবগে। হৌজিক উম্মৎ অসিশু মাগী-মাগী অপাম্বগী মতুং ইন্না, থরনা কারবার তৌরিবশিংগী মনাক্তা, থরনা লৈঙাক শাশন তৌবশিংগী মফমদা, থরনা থাজরোল শোনবনা অল্লাহগী অতোপ-অতোম্পশিংদা, তঅবীজ ইবশিং মাইবা-মাইবীনচিংবশিংগী মফমদা মখোয়না লোয়না তৌবিরক্কদৌরি খন্দুনা চৎনরক্কনি। ফলদি ইফং ফংলরোই।

অদুনা ইচিল-ইনাওশিং অল্লাহগী রসূলনা উম্মৎ অসিবু কালুপ অমা ফুরুপ অমগী মফমদা শিন্নরম্বা নত্তে। কারবার ৱালাশিং, লৌয়াম পায়বশিং, অচৌবা থৌ পুবশিং অমদি লৈঙাক্লোয়শিং কনাগী মফমদা শিন্নবিরমদে। পুন্নমকসি নত্তবিদা উম্মৎ অসিদা অচৌবা দায়ত্ব অমা পীনবিরম্মী। মদুবু পাংথোক্লবদা অল্লাহগী মতেং লাকপদি শোয়দ্রবনি। হৌজিক দঅৱৎকী মহোৎনা অসিগী মফম জাতি অমা খুঙ্গং অমা ওইরগদি হোৎনজরিবশিংনা ফংজগদবা মতেংদু নবীশিংনা ফংজখিবা মতেংদু ওইগনি। অদুগা মসিদগী হেন্না পাকথোক-চাওথোকহল্লগা তাইবং পুম্বগী ওইনা মহাক্না হোৎনরবদি মহাক্না ফংজদৌরিবা নুসরৎ মতেং অদু মুহম্মদ (স্ব:)না ফংজখিবা মতেংদু ওইগনি। অদুনা দুনয়া অসি মপাম্মোংগী পাম্বৈশিংগী মখা পোল্লি হায়রিবসি, ঐখোয়গী অমলশিং অমসুং থৌদাশিংগী মখা পোল্লি অদুগা অল্লাহবু য়াদবশিংগীনা মপাম্মোংগী উরিবা পোৎশিং অমদি শক্তমশিংগী মতুং ইনবনি। ঐখোয়গী মরক্তগীসু, পোৎ-চৈশিংসিনা লোয়না ওইহনবনি হায়বা ঙাক্তা ওইনা তৌরে।

ঐনা বঙ্গলা ৱালী মসজিদতা নুপা অমনা অসুন্না বয়ান তৌরম্বা থেংনখি। মহাক্না অসুন্না হায়রম্মী, দুনয়া অসিদি পাম্বৈশিংগী মখা পোন্নবনি, হোৎনবা তাবনি, কারবার তৌবা তাবনি। মদু তারুবদা ঐনা হায়খি, ভাই নংনা তৌরিসিদি লোইনা নৈখায়রেদনা, থবক অসিগী য়ুম্ফম ওইরিবদুমক মাংহল্লেদনা।

ঐখোয়না মীয়াম পুম্বা অসিবু পুখৎলকনিংথবদি অতৈ নত্তে দুনয়ানা পাম্বৈশিংগী মখা পোল্লে হায়রিবসি মীওইবনা তৌজরিবা অমলগী মতুং ইনবনি হায়বদুনি।

মথং মথং...



নিয়তকী মতুংইন্না মান-মানা তৌজবগী

# ইস্লামদা শান্ন-খোৎনবা

—অজাদ কোমোল

হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না নুঙাইহিরবদি, মাংলমচৎকী মতমদা ইস্লামগী মায়কৈদগী হিরম খুদিংমক্তা লৌরম্বা অলোচনা বিচার অমসুং শেংদোক্লবা ৱাথাক্লোন্দা ঙসিগী অচুম্বা পাম্বা ৱাথল খনবশিংগী মত অশুম-অশুম মশা মরোমদোম তিনশিন্নরকপা অসিনি। ব্রিতেন্নচিংবা ইউরোপকী লৈপাক ঙাকলোলগী চৎন-পথাপ্তা ইসলামগী চৎন-শরিঅৎকী মফম অশুম হেনগৎলক্লী। মসিগী মরমদি দীন ইসলামগী চৎন- কাঙলোল অসি তাইবঙ অশুম্পগী অচুম্বা (Universal Truth)দা য়ুমফম ওইবা, শেংদোক্লবা লম্বী (Clear Path) অমা ওইবননি।

কুরআন শরীফ অমসুং নবীগী শুন্নৎকা Sport কী লম কয়ামুক্তা মরি লৈনরি। হজরত মুহম্মদকী (স্ব) মতমদদি ঙসি অশুম্না মখল-মখাগী মশান্না কয়া অসি লৈরমদে। তৌইগুমশুং, শান্নবতা নত্তনা হিরম খুদিংমক্তা অচুম্বা বিচার তৌবিরমলে। সূরহ য়ূসূফ আয়ৎ নম্বর ১৭ তা হজরত য়ূশুফকী(অ) মচিন-মনাওশিংনা মখোয়গী মপাবুঙদা হায়রম্মী:"ও ইপা ইবুঙো! ঐখোয় অমগা অমগা লমজেল তান্নরম্মী"। 'নাসতবিক' ৱাহৈ অসি আরবিক্কী অশেংবা হৌরকফমগী অর্থদা অহেন-অথোয় তান্নবা মখলগী চাংদম্নবা মওং অদুবুনি। শুরা অসিগী আয়ৎ তরানিথোয়দা মখাতারি: "মহাকপু (য়ুশুফপু) হয়েং ঐখোয়গা থাবিয়ু, অদুনা মহাক ঐখোয়গা লোয়ননা হরাও-তয়ামজনবা অমসুং শান্নজমিন্ননবা। বুখারি অমদি মুসলিম শরিফ অনীমক্তা তশেংনা ৱাফম অনীগী Record তৌরি মদুদি, হজরত মুহম্মদনা (স্ব) মক্কাদগী মদিনাদা খুল হোঙবগী খোঙচত্তা, মদিনাগী ঙমখৈ লানশিল্লকপদা হরাওবা ফোঙদোকপা ওইনা ইথিওপিঅনশিংনা মখোয়গী তা লংবগী হৈ-শিংবা মীয়ামদা উৎখি। মখাতাবদা বুখারি শরিফতা অশুন্না পল্লি মদুদি, হজরত মুহম্মদ (স্ব) অমসুং হজরত অইশা (রা:) অনীমক্লা ইথিওপিঅনশিংগী তাগী মশান্নশিং উৎপা অদু মশজিদ মনুংদগী য়েংম্লিন্নখি। হজরত উমরনা মখোয়বু লেপহন্নবা হোৎনবদা নবী করিম্না (স্ব) চখহনখি অমসুং হায়বিখি : পোৎ (হিরম )\খুদিংমক অল্লাহগী জিকরগা (নীংশিংবগা) মরি লৈনদবশিংদি হকথেংননা করিসু কান্ননিঙাই ওইদবনি, অশুম্না পোৎ মরিশি শান্নৌ: তেন কাম্পা, শাগোল থৌবা, থাং হাইনবা অমসুং ইরোইবা"।– সুয়ুতি, হজরত মুহম্মদ (স্ব) মশামক ফরবা মুক্লা হৈবা অমখক্লী। মদুগী প্রমানদি, মতম অদুগী মুক্লাগী গুরু রুকানা-না নবী করিমদা মুক্লা শিংনখি অমদা নবী করিম্না হন্না হন্না থাখি। থৌদোক অসিগী মতুংদা মাসটর রুকানা নবীগী তুংইনবা মুসলিম অমা ওইরকখি । নবী করিম্না মুক্লা শিংনবগী থৌদোক অসিনশু প্রমান অমা ওইরি মদুদি, শান্নবগী পান্দম অসি পুন্সিগী চাওখৎপগা মরি লৈনগদবনি; মরুপ-মপাং ওইবা, মীনা মীগী মরক্তা নুংশি-চান্নহনবা, হায়বদি মপুবু কাওথোকপা, ইমানগী ওন্ন-তৈনবা ওইরোইদবনি; তেঙবাংবা ওইগদবনি। নবী করিম্না (স্ব)পুক্লিং থৌগৎলম্বা মশান্নশিং অসি মীওইবা সমাজগী ঙাক-শেনবা অমসুং চাওখৎ-থৌরাংগা মরি লৈনবা ঙাক্তনি। মশান্নশিং অসিগী মাংওইননা নবী করিম্না ৱাফম অসি হায় মদুদি, পোৎ নত্রগা হিরম খুদিংমক অল্লাহগী জিকরগা মরি লৈনদবশিংদি কান্নদবনি। শান্নখোৎনববু ওইরো, করিগুম্বা শিনফম অমবু ওইরো অশেংবা ইমানগা মরি লৈনগদবনি। ইসলাম্না মীওইববু মালেমগী পুন্সিসিদা মাগী হৌরকফম, মহাক্কী মপুগা তৎন-থানদবা মরি থম্লগা হিঙননবা লম্বী য়াৎলি। করিগুম্বা মীওইবনা মাগী শেম্বীরকপা মপুগা মরি থমদনা হায়বদি মহাক্কী অশেংবা য়াথং খংদনা নত্রগা ইন্দনা হিঙলবদি মীওইবনা ফনা সমাজ লিংলবশু 'সমাজগী শা' (Soicial Animal) অদুম্মক ওইদুনা লৈ। মহাক্কী পুন্সি খুহিঙ অদু মালেমখক্কী নত্রগা পোৎচাক্কীখক্তা ওইগনি অমসুং অশেংবা মশা 'ঐ' হায়বা অদুগী চাওখৎপা ফংঙম্লরোই। তাইবঙ মীওইবনা মপুগী য়াথং ইন্দবদগী অমদি অশেংবা জ্ঞান (Pure Knowledge) তানশিন্জদবদগী মালেমগী পুন্সি অসি হিঙননবগীদমক্তা অল্লাহ তআলানা থাবিরকপা ঐখোয়গী অকোয়বগী মখলুক, পোৎচাকশিংদা পুক্লিং অদুক্কী মতিক থিংজিনখ্রে অমসুং হকচিনখ্রে মদুদি, মশাবু ফাওবা লম্মাথাংগী ওইবা হকচাঙ অসিবু ওইবা শক্তাকচখ্রে । মরম অসিনা মহাক্কী অরোইবা মতম লাকলবদা অশেংবা মশাগী হনবগী লম্বীসু উঙমদ্রে । তাইবঙ ওইবদা মী মহাক্লা মশানা মশাবু শকখঙবা অমসুং হনখিফম খংবনা খ্বাইদগী ৱাংবা জ্ঞান-লৌশীং ওইরি। খ্বাইদগী ৱাংবা জ্ঞান -লৌশীং অসি ফংননবা অমসুং থৱায়গা মপুগা লৈনবা মরিবু তৎন-থানদনবা 'অশেংবা হিঙবা' (Reality Of Living) ফংননবা, অল্লাহগী নীংশিংবা লেপ্তনা চখনবা নবীনা পোৎ (হিরম) খুদিংমক অল্লাহগী জিকরগা মরি লৈনদবশিংদি হকথেংননা কান্ননিঙাই ওইদবনি হায়বিরম্বনি। অল্লাহগী অপাম্বগী মখাদা হিঙলবা খক্তদা কনাগুম্বা অমনা 'মুসলিমগী' মিংথোল ফংগনি; অসিনা মীওইবনা মপুঙফানা মপুদা চংজদ্রিমখৈ মুসলিম অমগী থাক (গুন) অসি মপুঙফানা খক লাক্তে। মপুঙফানা চংজরবশিংনা চংজরুবগী মহৈ ওইনা ইসলাম হায়বসি মপুঙফাবা, 'অশেংবা পুন্সি লম্বীনি' হায়বগী শাক্তি পীরদুনা 'মায়পাকপা পুন্সি শকফমদা, মালেমদা লেপলকই। মখোয়সি কুরআনগী মতুংইন্না 'খলিফা' হায়বদি তমজনফম, লমজিং পুরেলশিং ওইনা উবা ফংজগনি। মীওইবগী মরক্তা অমনা অমগী তমজনফম ওইরকপসি অফবগী লম্বীদা লমজেল তান্নবনি। অল্লাহ তআলাবু কাওথোকহনবা হায়বদি, থম্মোয়গী ইমান্দা মাঙজনিঙাই ওইবা, ফুম্মৈ হরাওগুম্না থোকপা মশান্নশিংবু ইসলামনা য়াদে। হায়রিবা ৱাফম অসি মশান্নগীত্তা নত্তনা; থবক-থৌরম খুদিংমক্কী ওইবা ৱাফম্নী। ইমান্না মপু-মনাইগী মরক্তা লৈবা মরি পুরকই। নত্রবদি, নোংমগী খোঙচৎতা পাংথোক্লিবা, ওইরিবা, থোকলিবা পুন্নমক

অদু দুনিয়াহি নত্রগা সংসাররিকথক্তগী ওইরে।

অল্লাহবু নীংশিংদ্রবশিংনা মশাবু অমদি অতোপ্পবু মালেমসিথক্কী হিঙহল্লি অমসুং শিরবা মতুংগী পুন্সিগী পান্দমম্থু কাওথোকহল্লি। অল্লাহগী অপাম্বগী মথাদা হিঙননবা মশানা মশাবু শেংদোকচবা হায়বদি, 'তজকিয়াহ-ই নফস' (Purification Of the Self) তৌজবশিংনা মালেমদা হিঙলিঙৈদা অমদি শিরবা মতুংগী পুন্সি অনীমক্তা মায়পাকই। তশেংনমক, মালেমগী শান্ন-খোৎনবগী নুংগী ৱাখল্লোল, Sport Spirit য়েংলুরগদি মী অমগী তজকিয়াহ ই- নফসগা হকথেংননা মরি লৈনৈ। ওল্লেমপিক্কী পান্দমদা অসুম্না পল্লি মদুদি, "মরুওইনা ৱাফম অসি পানজল থোয়বা নত্তে তৌইগুমশুং, শরুক য়াবনি। শরুক য়াবনা অমগা অমগা নুংশিনহল্লি; শক-চু তোঙানবা জাৎ-কুচু তোঙানবা মীওই কাঙলুপ কয়া অল্লাহনা থাই, মদুগী পান্দমদি ঐখোয় অমনা অমবু শকখংনবনি (য়েংবিয়ু কুরআন ৪৯:১৩)।

ওলেমপিক্কী সিম্বোল অসিমক মীওইব মরক্তা জাৎ-কুচু থায়দনা মরুপ- মপাং ওইনবগী খুদম অমনি। ঙসিদি Sport Spirit কী ৱাংমদা শান্ন- খোৎনবনা শেল-থুমগী খুদোংচাবা, মেদল অমদি মিংচৎ ফংনিংবগী ৱাখলনা মাংওইনখিবক্কী শান্ন-খোৎনবগী লমদা কাঙলুপ- ফুরাপ অমদি ঐগী মীগী থায়বগী লাল্লোং অমা চথরক্লি। মসি পুন্নমক অসিদি Sport না পীরিবা পান্দমগী ৱাংমদনি। নিয়ম চুন্না শান্ন- খোৎনবনা মীরমচৎ য়োকখৎলি; তমজনিঙাই ওইবা ফিভমদা হিঙহল্লি। শান্নবগী অশেংবা মহৌশানা মীমশাগী হৈ-শিংবদা ,মতিং পুথোক্লনা অফবদা অহেন-অথোয় তান্নহল্লি। পানজল থোয়বগী হরাওবদা অপোবগী অৱাব্দা থৌশাই অমসুং অথোয়বগী (হৈ-শিংবগী ) হরাওবশু শরুক য়াই। মীওইবগী অশেংবা মহৌশানা, মাগী অকোয়ববু থৌশাদবা থক তৌদে। শান্ন-খোৎনবদা 'ফজবা' থোরকপা অসি শান্নরিবা অদুদা 'অচুম্বা মহৌশা' লৈরকপদ্দগীনি। পুকচেল শেংবা, নিয়ৎ চুম্বা হায়বসি ইসলাম্না থবক খুদিংমক্তা থম্বা পান্দম্নী। পুকচেল শেংবা অদুগী থাক্তা থবক অদুসু লেপই, হায়রিবা মহৈ অসি শান্ন-খোৎনবগী লমদা হায়রগনা 'ফজবা' ওইনা থোরকই। লৈপাক্কী ওইবা শান্ন-খোৎনবগী চাংদম্নবা, Sport তা মণিপুরী মুসলিম নহারোলশিংগী থোয়দোকপা হৈ- শিংবা উবা ফংই। প্রমান, ঙল্লিঙৈ মতমদা শগোল কাঙজৈদা মণিপুরী মুসলিমশিংগী মফম চাওনা ফংবা উখি। ঙসিদি সরকারনসু অঙম্বা থাক্তা শৌগত্নুনা মশান্না অসি য়োকখৎপগী থবক চথরি, তৌইগুমসুং মণিপুরী মুসলিমশিংদি শান্নরোইশিংগী মরক্তা অদুক উবা ফংদে। Sport City নি হায়না লাওথোক্লবা তকশিল্লিবা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংগী মরক্তা মুসলিম শান্নরোই ইউ-উদ্রিবা করিগীনো? ৱাফমসিগা মরি লৈনবা মীয়ামগী ওইবা মত্তি, শান্ন-খোৎনবগী মরুওইবা থৌপুবশিংনা মুসলিম নহারোলবু খুৎশম্নবিদবা, জাতি অসিগী মরক্তসু খুৎশম্নবা অমসুং পুক্নিং থৌগৎপিবা ৱাৎপা অসিনচিংবনি।

লমদম অসিগী মুসলিমশীংদি ভারতকী তোঙান-তোঙানবা কলা-সংস্কৃতিগী মতিক-মগুনগা শাগোন্নরকপা কাঙবুশিংনি। ৱাফম অসিগী শাক্সীদি ইবুধৌশিং অদুগী শাগৈগী মিংথোনবগী মরি লৈনবা ইতিহাস য়েংলগসু খংবা ঙমই। তোঙান-তোঙান্না শিনফমশিংদা খং-হৈরবা কলাকার কয়া য়াওরকখি। হায়রিবা পারি-পুরীগী গুনশিং অদু লাক্কদবা মীরোলনা খংবিরবতদা জাতি অদুগী লন ওইগদৌরিনি। পুন্নমক অদু থমখিদুনা লান্নী ওইনা লাকপা ইপা-ইপুশিং অদুগী থাঙ-তাগী হৈ-শিংবা, কলাগী মমি জাতি অসিগী মীরোলদা ঙসি করি উবা ফংলিবগে? ঙসিদ্দী চহি থরগী মমাংফাওবা ইপা-ইপুশিংগী শুথাংদ্দী থাঙ-তাদা হৈ-শিংবা মীওইশিং হিঙলম্বা উরমই। হৌজিকশু থি-হুম্নবদি মখোয় থরদি থেংনবা য়ারি। মখোয়না মশানা তম্বী-তাকপীনিংবগী ঈখৌলাংবা য়াম্না লৈখবশু ঐখোয়গী ৱাথল থেনবা মতমগী নহারোলশিংগী মফমদা মমল থোয়না লৈনা লৌনখিদে। মতমগা চুন-চান্দ্রবা পোৎ অমগুম্না থৌশানখিদে। মসি মজাতিবু নুংশিবা ঙমদবগী খুদম অমনি। মশাগী পারি-পুরিগী মশক খংবা অমসুং মখোয়গী মফমদ্দগী পারা তম্নশিংগী পুন্সিগী য়ুমফম য়াম্না চেৎলি; মখোয়না মখোয়গী অহল-লমনশিংবু য়াম্না লুনা নিংজৈ। অদুগুম্বা য়ুমফম অদুদা শাগৎপা পুন্সিগী য়ুমদু মরা য়াম্না চেৎলি, কল্লি। পারি-পুরিগী মশক খংউ হায়বসি ইসলামগী পারা অমনি। তৌইগুমশুং, পারি-পুরিবু ইরাৎ-থৌনি তৌদুনা লাইগুম্না লাৎনবগী মওং অসিদি ইসলাম্না থিংই। লাৎপদা মতিকচাবদি অল্লাহতনি। ইন্দিয়াগী স্টেটশিংগী মনুংদা নহারোলশিংদা লম্বী লমফাঙনখিদুনা অমসুং নিশানা মরম ওইদুনা ফিভম খ্বাইদ্দগী শোকপা স্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুর অসি অমনি। চহি তরা-তরামঙা অসিদা ফরবা তুংগী জাতিগী য়ুম্বীরোল ওইগদবা নহা কয়া পাকক্তনা পুন্সি লোমখ্রে। শোকচিনখ্রবা লৈপাক্কী ফিভম অসিদা খ্বাইদ্দগী ফগদবা লায়েংশিংগী মনুংদা লাইব্রেরিগী ইহৌগুম্না স্পোর্টকী ইহৌসু লাকখি অমসুং হায়রিবা ইহৌশিং অসিনা কান্নবা পীখি। জাতিগী ইজজৎতা নত্তনা Sport তা থৱায় য়াওজবা নহারোলশিংদা মঙফাওনবগী আশাগী মঙাল পুরকখি। অসিগুম্বা মতম অসিদা মুসলিম নহারোলশিংদা Sport পু থৌশাদবা অমদি লমশিদা খুৎশম্নদবসি লৈপাক্কী ওইবা চাওখৎপগী ইচেলগা চৎমিন্নদবগী মওংনি। তশেংনমক, মনিপুর মুসলিমশিংগী মরক্তা অখং-অহৈশিংনা লুচিংদুনা অমসুং Sport তা খুমাং চাওশিনখ্রবশিংগী লুচিংবশিংগা খুৎশম্নদুনা Sport কী ইহৌ অমা শাগত্নুনা মাংদা চৎশিনমিন্নবগী মতম থেংলবনি হায়জনিংই।

❀❀❀❀❀❀❀❀❀❀❀

# নবীশিংগী সুন্নৎ অমসুং কোই

—অব্দুস সত্তার কাসমী,
কৈরাও

অল্লাহ রব্বুল ইজজৎনা অম্বিয়া অলৈহিমুস্সলামদা পোৎলম থরা তৌহনবিখি মদুবু, সুন্ননে ফিতরৎ কৌই। মখোয়গী মতৌ তম্বা ওইনা উন্মৎ ঐখোয়বুশু তৌনবা হুকুম তৌবিরি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি ইস্লামগী খুদম-পান্দম ওইবা, ইস্লামবু অতোপ্পা গৈরশিংদগী শক তাক্লবা পোৎলমশিংনি। হজরৎ অবু হুরৈরা (র)না রিৱায়ৎ তৌরি অল্লাহগী রসূল (স্ব:)না হায়বিরম্মী মদুদি পোৎলম মঙা সুন্ননে ফিতরৎনি: খৎনা তৌবা, সেগরাক্কী তু ফোইদোকপা, খোয় মখাগী শম কোকপা, খুজিন ককপা, মুচ ককপা। (বুখারী) হজরৎ আইশা (র)না রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি, রসূলুল্লাহ (স্ব:)না হায়বিরম্মী: সুন্ননে ফিতরৎ তরানি: মুচঁ ককপা, কোই থাকপা, মিসৱাক তৌবা, নাতোন শেংদোকপা, খুজিন ককপা, হকচাংগী জোরশিং হায়বদি তাং খুদিংমক শেংদোকপা, নাতোন মনুংগী শম ককপা, ৱুজূ তৌবা লোইরবা মতুংদা খোই মখাগী ফিদা ঈশিং খিকচিনবা, চিন তেংবা। (মুস্লিম) হাফিজ ইব্নে হজর (রহ)না ইব্নে অরবীগী ৱারোলগী মতুং ইন্না সুন্ননে ফিতরৎ কুপ্পা হেন্না ইরি। (ফতহুল বারী) চয়োল খুদিংগী সেগরাক্কী তুহাউ কোকপা, খোয় মখাগী শক কোকপা, খুজিন ককপা, মুচঁ ককপা মুসতহবনি, লু-নানবা মপুং ফানবা পুক্লিং হকচাং নুঙাইনবা মসিবু ইরাই নুমিৎ জুমআ মমাংদা শেংদোকপনা হেন্না ফৈ। থা মখায় অমা ফাওবা তপথবা জাইজনি অদুগা নুমিৎ নিফুনিদগী চোম্থনা থম্লবদি মকরূহ তহরীমহনি, অজাব ফংনবা মরম ওইগনি। (দুর্রেমুখতার) হজরৎ অবু হুরৈরা (র) দগী রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি হুজুর (স্ব:)না জুমআগী নমাজ মমাংদা খুজিন অমসুং মুচ ককই। (তবরানি) হজরৎ আইশা (র) দগী রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি হুজুর (স্ব:) না হায়বিরম্মী: কনাগুম্বা অমনা ইরাই নুমিত্তা খুজিন অমসুং মুচঁ কক্লবদি মথংগী ইরাই ফাওবা অল্লাহ তআলানা অৱা অনা কাইথোকপিগনি। (তবরানী) হজরৎ অব্দুল্লাহ ইব্নে উমর (র) না রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি, রসূলুল্লাহ (স্ব:) না হায়বিরম্মী, কনাগুম্বনা জুমআগী নমাজ মমাংদা মুচঁ কক্লবদি শম অমদা নেকী তরা ফংগনি। (দৈলমীকনজ) জুমআগী নুমিত্তা য়াম্না লুবা নানবগী হুকুম তৌরি মরম অসিনা জুমআ নুমিত্তা খুজিন খুয়া ককপা য়াম্না ফৈ অদুবু খুজিন সাংলবদি জুমআ নুমিৎ ঙাইবা দরকার ওইদে (ওল) হজরৎ অমর বিন শুএব (র) না রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি নবী করিম (স্ব:) না হায়বিরম্মী: নাতোন মনুংগী শম ফোইদোকউ। (বৈহকী) অল্লামা মুনাবী (রহ) না ফৈজুল কদিরদা ইরি মদুদি নাতোন মনুংগী শম ককপা অমসুং ফোইদোকপা জাইজনি অদুগা নাতোন মনুংগী শম্বু অমুক হন্না হৌরক্তনবা তৌবদি য়াদে মরমদি হদিস পাক্তা লাকই মদুদি নাতোন মনুংগী শম অসি অনাবা অমদগী ঙাকথোক্লবা জরিয়া ওই। (ফৈজুল কদির) হজরৎ অব্দুল্লাহ ইব্নে উমর (র) দগী রিবায়ৎ তৌরি মদুদি মুচ (চিন্থান মথক্কী শম) ককপা সুন্নৎনি (বুখারি শরিফ) হজরৎ ইব্নে উমরদগী রিৱায়ৎ অমসু তৌরি মদুদি অল্লাহগী রসূল (স্ব:)না মুচ মুবারক অদূক্কী মতিক হেনজিন্না ফজনা ককই, চিন্থানগী সবনগী অড়োঁবদু উবা ফাওবা ককই। (বুখারি শরিফ) ফুকহা-ই-কিরামশিংনা হায়বিরি মদুদি হদিসকী লাইরিকশিংদা শমগী মতাংদা 'হলক' হায়বা ৱাহৈসি শিজিন্নৈ মসিগী অর্থদি কোকপা হায়বনি অদুগা মুচকী মতাংদা 'কসর' হায়বা ৱাহৈসি লাকই। মসিগী অর্থদি ককপা হায়বনি মসিদগী খঙবা ঙম্লে মদুদি মুচপু কাতিগা ককপা সুন্নৎনি-ব্লেডকা মুচ কোক্পা সুন্নৎকী খেলাফনি মরম অসিনা ইমাম মালিক (রহ) না মুচপু ব্লেডনা কোকপা বেদঅৎনি হায়রি। (ফৈজুল বারি) সেগরাক্কী তুগী মতাংদা 'নুতফা' হায়বা ৱাহৈসি লাকই মসিগী অর্থদি ফোইদৎপা হায়বনি। ব্লেডকা কোকপদগী ফোইদোকপনা ফবা মরম খরসু লৈ অদুবু আদৎ ওইদ্রবা কুংনা থানা হৌবা মরমদগী ফোইদোকপা ৱারবদি কোক্লবশু সুন্নৎ অদা ওইগনি, লু-নানবা মকসদনি য়ুনুস বিন অব্দুল আলি (রহ) না নোংমা ইমাম শাফী (রহ) গী মনাক্তা চৎলম্মী মদুদা সেগ্রাক্কী তু কোকহন্দুনা লৈরম্বা থেংনখি মহাক্না হায়রকখি ফোইদোকপনদি সুন্নৎনি অদুবু কুংনা থানা হৌবা মরমদগী ফোইদোকপদা অৱাবা ওইরে। (ফতউল বারি)

হজরৎ উম্মে সলমা (র) না রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি নবী করিম (স্ব:) না খোই মখাগী শম কোকপদা 'হরতাল' (কেমিকেল মখল অমা তৈশিল্লগা শমদু কেনজখিবা) শিজিন্নৈ। (ইব্নে মাজা) নবী করিম (স্ব:) গী খদিম হজরৎ সৌবান (র) দগী রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি নবী করিম (স্ব:) না

খোই মখাগী শম কোকপদা 'হরতাল' শিজিন্নে । (সিরতুল শামী) ইমাম বৈহকী (রহ) না বয়ান তৌবিরি মদুদি হুজুর (স্ব:) না অয়াম্বা মতমদা ব্লেডকা কোকপা অদুগা করিগুম্বা মতমদগু 'হরতাল' শিজিন্নরগা কোকপা ওইগনি । (সিরতুল শামী) ইরৈদকিক অমসুং হাফিজনা হায়রি মদুদি, নুপীশিংগীদমক্তদি 'হরতাল' শিজিন্নবা ফৈ।(ফতউল বারি) হজরৎ ইব্নে উমর (র) দগী রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি, নবী করিম (স্ব:)না জুমআ খুদিংগী খুজিল অমসং মূচ ককই, নুমিৎ কুন্নিদা খোই মখাগী শম কোকই অদুগা নুমিৎ নিফুদা সেগরাক্কী তু কোকই। (মিরকাত) ইমাম গজালী (রহ)না ইহয়াউল উলূমদা ইরি মদুদি, খুজিল শাংনা থম্বা জাইজ নত্তে মকরূহনি শাগী লীচৎনি হাফিজ ইব্নে হজরনা ফতউল ৱারীদা ইরি মদুদি খুজিল কক্লগা লৈপাক্তা ফুমজিনবা সুন্নৎনি। (ফতউল বারী) খুজিল ককপগী মুসতহব তরীকা অল্লামা মুনাবী (রহ)না মুস্লিমগী শরহদা অদুগা অল্লামা ঐনী (রহ)না উমদতুল কারীদা অদুগা হাফিজ ইব্নে হজরনা ফতউল বারীদা খুজিল ককপগী তরতীব অসুম্না ইরি খুৎ য়েৎকী খুদোম্বীদগী হৌদুনা কক্লগা খুৎনাওবীদা লোইরগা খুৎপী কোন্না ককপা, খুৎ ওইগী খুৎনাওবীদগী হৌরগা খুবীদা লোইশিনবা, ইমাম গজজালীনা (রহ)না ইহয়াউল উলূমদা ইরিবনা খুৎ য়েৎকী খুদোম্বীদগী হৌরগা খুৎনাওবীদা লোইশিল্লগা খুৎ য়েৎকী খুবীনা ইকোন কোন্না ককপা অদুগা খোঙগীদি য়েৎকী খোঙনাওবীদগী হৌরগা ওইগী খোঙনাওবীদা লোইশিনবা মসিবু খঙজিল্লগা ঐখোয়না অল্লাহগী রসূল (স্ব:)গী মতৌ তমজবগী নীয়ৎ তৌরগা মতৌ অসুম্না কক্লবদি খুজিলশু কক্লে, অদুগা সুন্নত্তা অমল তৌবগী সৱাবশু ফংলে, অল্লাহ তবারক ব তআলানা ঐখোয় মোমিন-মুসলমান পুন্নমকপু সুন্নত্তা অমল তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল হাম্পিসনু, আমীন ।

হুজূর (স্ব:)গী আদতে মুবারক অয়াম্বা মতমদা শম থন্নম্মী শুপ্নগী হজজ অমসুং উমরাগী তাঞ্জাদা শম কোকহল্লি অতোপ্পা মতমদা হুজূর (স্ব:) না শম কোকখিবগী হদীসতগী সাবিত ফংদে মরম অসিনা অল্লামা ইব্নে কৈয়িম্না জাদুল মআদতা ইরি মদুদি হুজূর (স্ব:)গী শম মুবারক শুপ্নতগী হজজ অমসুং উমরাগী তাঞ্জাদতা শম কোকখিবগী নকল ফংই। (জাদুল মআদ) হুজূর (স্ব:)গী শম মুবারক নাগী তখায় ফাওবা, লেংজুম ফাওবা, নাগী মতোন ফাওবা থম্বগী রিৱায়ৎ অহুম থোক্লা লাকই। (শমাইলে তির্মিজী) রিৱায়ৎশিংদা খেন্নরিবা অসিগী মতাংদা অল্লামা মুনাবী (রহ)না মওং অসুম্না হায় মদুদি, হুজূর (স্ব:) শম ককপা মতমদা নাগী তখায় ফাওবা ককপা অদুগা শাংথরকপনা লেংজুম ফাওবা য়ৌবা মদুদা মানা-মানা উরুবগী মতুং ইন্না রিৱায়ৎ তৌবনি। মসিদগী খঙবা ঙম্লে মদুদি কনাগুম্বনা শম থমগে নিংলবদি না তখায়দগী লেংজুম ফাওবা থম্বা সুন্নৎনি। নাগী মথক্তা ককপা অমদি লেংজুমগী মখা ফাওবা শাংথনা থম্বা সুন্নৎকী খিলাফনি।

হজরৎ ইব্নে উমর (র)না রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি, হজরৎ হাৱিয়া (র)না মরৱাগী মনাক্তা নবী করীম (স্ব:)গী শম কাতিগা ককই। (মুস্লিম শরীফ) মরম অসিনা ফুকহা-ই-কিরামশিংনা হায়বিরি মদুদি, কাতিগা শম ককপসি সুন্নৎকী, খিলাফ নত্তে অদুন্নদি ওইরগা মচি অমনা শাংহনবা মচি অমদনা তেলহনবা মওং অমদি অঙ্গ্রেজী শমগক্তী জাইজ নত্তে। হজরৎ উমর (র)দগী রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি, নবী করীম (স্ব:)না হায়বিরম্মী, শম ককপদা লুমাংবুনা শাংহনবা লুখম্বুনা তেলহনবা মঅজুসশিংগী লমচৎনি। (কঞ্জুল উম্মাল) তিরমিজীগী রিৱায়ৎ অমদশু হুজূর (স্ব:)না শম ককপদা লুমাংবু শাংহনবা, লুখম্বুনা তেলহনবা থিংলম্মী। মরম অসিনা ফুকহাশিংনা লুমাং শাংহনবা লুখম্বু তেলহনবা হরাম্নি হায়রি। খতনা তৌবসিশু সুন্ননে ফিতরত্তগী অমনি মসি ইস্লামগী অচৌবা খুদম অমনি।মরম অসিনা ফুকহাশিংনা মসিবু সুন্নতে মুঅক্কদা (ৱাজিব)নি হায়রি। পোকপা নুমিৎ তরেৎনি শুবদা খতনা তৌবা মুসতহবনি। হজরৎ জাবির (র)দগী রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি, হুজূর (স্ব:)না ইমাম হসন, হুসৈন (র) গী তরেৎনি শুবদা খতনা তৌহনখি। (শরহে মুস্লিম) বালিগ ফাদ্রিঙৈ মমাং ফাওবা তপথবদা করিশু অকায়বা লৈতে। খতনা তৌবসিগী কান্নবদি অমোৎ-অকায়, অমাং-অশোয় কুপশিনদুনা লৈতনবা অমদি পেশাবতগী শেংবা ঙম্নবনি।

কোই থাকপা অসিসু সুন্ননে ফিতরৎ অমনি মসিসু ইস্লামগী অফোংবা খুদম অমনি হজরৎ অব্দুল্লাহ ইব্নে উমর (র)দগী রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি নবী করীম (স্ব:)না হায়বিরম্মী মুশরিকীনশিংগী খিলাফ তৌ মূচ ককথৎলু কোই থাকউ। (বুখারী শরীফ) হজরৎ অবূ হুরৈরা (র) দগীশু রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি নবী (স্ব:)না হায়বিরম্মী কোই শাংহল্লু মূচ ককথৎলু মঅজুসশিংগী খিলাফ তৌ। (মুস্লিম শরীফ) মরম অসিনা হদীসকী ইমাম পুন্নমক অদুগা ফিকহগী ইমাম পুন্নমক্কী মত অমত্তা ওইনা কোই থাকপা ৱাজিবনি কোকপা অমসুং ককপা হরাম্নি অদুগা কোই খুদুম অমদগী অহেনবা ককথৎপা য়াই। হজরৎ অব্দুল্লাহ ইব্নে উমর (র)না হজজ অমসুং উমরাগী মতমদা শম কোকহল্লগা কোই খুদুম অমদগী হেনবা ককথৎহল্লি। (বুখারী শরীফ) হজরৎ অবূ হুরৈরা (র)না কোই খুৎনা পাইশিল্লগা অহেনবা ককথৎলি।

(বৈহকী) ইমাম অবূ হনীফা (রহ)গী মত অমা ইমাম মুহম্মদ (রহ)না কিতাবুল আসারদা ইরি মদুদি কোই খুদুমদগী অহেনবা ককথৎপা সুন্নৎনি। (হাশিয়া তহতাৱী) মরম অসিনা ফুকহাশিংনা হায়রি মদুদি কোই খুদুমদগী অহেনবা ককথৎপা জাইজনি অদুগা কোকপা অমসুং ককপা হরান্নি।

কোই কোকপগী গুনাহ অসি অতোপ্পা গুনাহশিংদগী য়াম্না হেন্না ফত্তে মরমদি অফোংবা গুনাহ ওইবনা, দীন ইস্লামবু ফোঙনা তৌহীন তৌবনি অল্লাহ অমসুং রসূলগী ফোঙনা খিলাফ তৌবনি। মরম অসিনা ফুকহাশিংনা হায়বিরি মদুদি রোজা থাদা কনাগুম্বা অমনা ফোংনা চাবা থকপা তৌরবদি কতল তৌবা ৱাজিব ওইরে, করিগীনো হায়বদা মহাক্না ফোংনা শরীঅৎকী খিলাফ তৌরবনি। নবী করীম (স্ব:)না হায়বিরম্মী মদুদি, ঐগী উম্মৎ খুদিংমক্কী গুনাহবু অল্লাহ তআলানা কোকপীবগী মতিক চাই অদুবু ফোঙনা গুনাহ তৌবশিংগী ওইনদি কোকপীবগী মতিক চাবা হায়বদু ওইদে। ৱাফম অমনা অতোপ্পা গুনাশিংদি মতম অমদা গুনাহ তৌরুবনি, অদুগা কোই কোকপগী গুনাহ অসিদি মতম পুম্বদা গুনাহদু মশাদা অদুম পক্তুনা লৈরে, তুম্লবগু, নমাজ, রোজা, ইবাদত তৌরবগু গুনাহদা অদুম লুপ্তুনা লৈরে অল্লাহ তআলানা মোমিন-মুসলমান পুন্নমকপু কোই থম্বা ঙম্বগী পাঙ্গল হাপ্পিসনু, আমীন।

হজরৎ অব্দুল্লাহ ইব্নে উমর (র)দগী রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি, হুজূর (স্ব:)না হায়বিরম্মী শম অঙৌবা ফোইদৎকনু মসি মুসলমানশিংগী নূরনি হজরৎ অবূ হুরৈরাগী রিৱায়ৎ অমদনা হয়েং কয়ামৎ নুমিৎকী নূরনি। (বৈহকী) হজরৎ মুশয়য়ব (রহ)না হায় মদুদি, খ্বাইদগী হান্না কোই ঙৌবা হৌরকখিবসি হজরৎ ইবরাহীম অলৈহিস সলামদগী হৌরকখিবনি মদুদা মহাক্না হঙ্গৎচখি য়া রব্বল আলমীন! মসি করিনো? অল্লাহ রব্বুল ইজজৎনা হায়বিরকখি মদু ইজজৎকী পোৎনি। মহাক্না অমুক হায়জখি য়া অল্লাহ! ঐগী ইজজৎপু হেনগৎহনবিয়ু। শরহে ইহয়াদা ইরি মদুদি হজরৎ ইবরাহীম (অ:)গী কোই ঙৌবা উবদা ফরিশতাশিংনা হায়নখি মদুদি অল্লাহ তআলানা জমীন আসমানদা মহাকপু (অহল ওইবগী ইজজৎ) পীনবিরে। (শরহে ইহয়া) মিরকাত্তা মুল্লা অলী কারীনা ইরি মদুদি, হজরৎ অনস (র)দগী রিৱায়ৎনি, কোক্কী, কোইগী শম অঙৌবা ফোইদোকপা মকরূহ (পামদবা) থবক্নি। (মিশকাত) শম-কোই অঙৌবদা অমুবা খিজাব শংবা জাইজ নত্তে অদুবু লানগী মতমদা লানমীশিংগীদমক্তদি জাইজনি মরমদি বেদীনশিংগী থম্মোয়দা পাখৎনি খন্দুনা কিবা পোক্রবগীদমক্কী। (শামী) হজরৎ অবূ দরদা (র)না রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি, রসূলুল্লাহ (স্ব:)না হায়বিরম্মী, অদুগুম্বা মী শম অঙৌবদা অমুবা খিজাব শংলিবশিংদু হয়েং কয়ামৎকী নুমিত্তা মমাই মুগনি। (বজাজ মজমা) হজরৎ উমর (র) দগী রিৱাযৎ তৌরি মদুদি, নবী করীম (স্ব:)না হায়বিরম্মী, 'নাপু (হঙ্গামপাল) খিজাব মোমিনশিংগীনি, অঙাংবা খিজাব মুসলমানশিংগীনি, অমুবা খিজাব কাফিরশিংনি। (মজমা জৱাইদ) হজরৎ অনস (র)না রিবায়ৎ তৌরি মদুদি, মেহন্দি খিবাজ হজরৎ ইবরাহীম (অ:)না খ্বাইদগী হান্না শিজিন্নখি। (দৈলমী কঞ্জ) হজরৎ ইব্নে উমর (র)দগী রিৱায়ৎনি মদুদি হুজূর (স্ব:)না নাপু খিজাব শিজিন্নবা উহৌই। (নসই)

হজরৎ অবূ রাফিঅ (র)দগী রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি নবী করীম (স্ব:)না হায়বিরম্মী; নখোয়গীদমক খিজাব পুন্নমক্কী মকোক মেহেন্দী খিজাব য়াম্না দরকার ওই, মসিনা হকচাং নুংঙাইহল্লি অদুগা ফম্বীগী মপাঙ্গল হেনগৎহল্লি। (কঞ্জ)

হজরৎ অনস (র) দগীশু রিৱায়ৎ তৌরি মদুদি, 'নবী করীম (স্ব:)না হায়বিরম্মী মেহেন্দী খিজাব শিজিন্নৌ, মসিনা জৱানী অমসুং ফম্বীগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। (কঞ্জ) অসিতা নত্তনা অল্লাহগী রসূল (স্ব:)গী সুন্নৎশিংনি চাবগী থকপগী, তুম্বদা-হিপ্পদা, মহাক্না তৌরম্বা অমল, মহাক্না লেনখিবা পুন্সি খুৎলেন্দু ঐখোয়না মতৌ তম্বা তারবদি পুং কুনমরি অসি লোয়নমক ইবাদৎ ওইগনি। চারবগু রসূলুল্লাহ (স্ব:)গী সুন্নৎকী তরীকাদা চারবদি সুন্নত্তা অমল তৌবগী সৱাব ফংলে ইবাদৎ ওইরে চারবগু ইবাদৎ তুম্লবগু ইবাদৎ লেত্রীন চংবা ফাওবদা রসূলুল্লাহ (স্ব:)গী তরীকাদা চংলবদি ইবাদৎ ওইগনি।

মওং অমদি ঐখোয়না খোঙ্গ্রাও শেৎপদা, ফুরিৎ লিৎপদা, খোঙউপ-তোংবদা, য়েৎ হান্না তোংশিল্লিবা লৌথোকপদা ওইগী হান্না লৌথোকপসি রসূলুল্লাহ (স্ব:)গী সুন্নৎনি হায়দুনা মহাক্কী মতৌ তম্লবদি থবকগু ওইখ্রে, সুন্নত্তা অমল তৌবগী সৱাবগু ফংহৌরে। ফেনাৎসি ঐখোয়না নোংমদা মঙারক তরারক্তি তোংথোক-তোংশিন তৌরি রসূলুল্লাহ (স্ব:)গী সুন্নৎকী তরীকাদা তৌবা তারবদি নেকী অমমমতা ফংলবগু ঐখোয়গী পুন্সিদা নেকী কয়াম য়ামগনি। কুরআন পাক্কী মফহুম্নি মদুদি, অসিগুম্লবা সুন্নৎ মচা-মচাসিদা অমল তৌরগা অল্লাহগী মহবূব হায়বদি চানবিগনি হায়বগী ৱাদানি। অল্লাহ তআলানা ঐখোয় পুন্নমকপু রসূলুল্লাহ (স্ব:)গী সুন্নৎশিংদা অমল তৌবা ঙম্বগী তৌফীক পীনবিসনু, আমীন।

# ALWAYS DREAM HIGH, YOUR GATEWAY IS HERE!

## Career Course:

**Registration & Admission is going on for**

- **MBBS, (India, China Bangladesh)**
- **BDS & Bio Tech**
- **Msc, Bsc, PB Bsc Nursing, GNM**
- **Engineering & Management**
- **Schools Admissions etc...**

## Reach us it:

**Nefsa Education Consultancy**

Department of Education, NEFSA
Khetri Idgah Lane, Khetrigaon
Imphal East, Manipur 759001
Ph. 9856154334, 9436643656
E-mail: nefsa.mn@gmail.com

- Anywhere in India With 50% fees Concession* for Minority Muslim
- Every year we place more than 30 students in money
- Colleges and institutions throughout India for various courses.

We counsel Only authorized colleges & institutions.


## KIDZ Islamic Quiz - 10

A - Emaan: Mention the name of the two Prophets who were the sons of Prophet Ibrahim (A.S.)

B - Qur'aan: Which Surah is called as the heart of the Qur'an?

C - Hadeeth: Why was the year when the Prophet (PBUH) was born called the year of the elephant?

D - History: Which Mongolian ruler had embraced Islam?

**SMS the right answer to: 080804 55066 latest by 31st May, 2013.**

**Dear Parents & Guardian,**
**Kindly help your kids below 12 years to send answer.**
**This is a good way for them to acquire Islamic Knowledge.**

Prize: for the first come first winner: **Rs. 200/-**

# ইমুং-মনুং হান্না চুমহনসি

—মুহম্মদ সমির হুসেন

'ইমূং-মনুং করম্না চুমহনগদৌরিবনো', হায়বা ৱাহং অসি হৌজিক্কী মতমদা মায়কৈ খুদিংঙ্গী হংনরক্লিবা ৱাহং অমনি। করিগুম্বা কাঙলুপ অমগী ইমুং-মনুংগী য়ুমলৈ কৈরৈদা শোয়রকপা হায়বসি কাঙলুপ অদুবু লৈখাতানা চাওথবগী মরম ওইহল্লি। চাওর- চাওরবা মীফম কয়া ফমদুনা খন্নরবসু অশোওয়বা অসি চুমথোকপা ঙম্লোই। মরমদি মসিগী হৌরকফম সড়ক-লমজাও ,মীয়াম তিনবা কৈথেল নচিংবা মফমশিং নত্তে। করিগুম্বা মসিবু চুমহল্লবদি মাই পাকপগী হরাও খোল্লাউনা ঐখোয়গী সমাজ পুমনিন-নিল্লকনি।

অফবা য়ুমলৈ কৈরৈ অমদি অকোয়বগী ফিভম ফবগা লোয়ননা হৌরকখিবশুংদুনি ঙসি মালেমদা তোমথিন ঙাল্লিবৃশিংসে। ইমুং মনুংঙ্গী শোয়রক্লবা মহাক অদুগীদমক মপাম্বোংগী সমাজনা করিশু কান্নবা পিবা ঙমলোই। থিঙেন কাইদুনা ঈশিং ইচাওগী অৱাবা নংলবদি ঈহৌরকফমদা শারিবা দামদু থিঙজিনবা তাবনি। মরম অসিনা অহানবদা ঐখোয়গী ইমুং- মনুং চুমহন্নবগীদমক পুক্নিং চংনা খন্থবা তঙাইফদে।

করিগুম্বা ঐখোয়গী য়ুমদা রেডিও, মোবাইনচিংবদা ইশৈ তাবগী চৎনবী লৈরবা তি ভি দা লাকপা প্রোগ্রাম সিনিমা দ্রমাশিং থাদবগী হৈনবী লৈরবদি তুংগী য়ুম্বীরেনা ওইরক্কদবা মখোয়গী মফমদা সমাজদা কান্নবা পীবা ঙমবা অফবা মুসলমান অমা ওইরকপগী অল্লাহ করম্না তৌগদৌরিবনো?

ইনখৎলকলিবা অমদি ইনখৎলকলিবীশিংনা মশাগী ইজজৎ তেক্তা- কাইদনা থম্বা ঙমলরোই। অসিগুম্বা মিত্রংগী মশক ওইরবা পোৎলমশিং অসিদগী লাপথোকহৌদবা তারবদি মদুগী ফল ওইনা পিক্লীবা অঙাং নৱাশিংগী থম্মোয়দা হিরো অমদি হিরোইনা তৌরিবা ইসলামগা মরি লৈনদবা থৌদৌ, ফিজেৎ -চাকচা, ৱাঙাং, শাঙাং, মতৌ তল্লক্কনি। অমদি তুংগী য়ুম্বীরেলশিং অসি ইশৈশকপা, জগোই -শাবী , লুকমাইদা থোনবা লাঈথিগুবা, ফত্তবা লমচৎ চৎপা কয়া ওইরক্লনি হায়সিদি ফক্লাংদা লৈতুমনা থাবগুম্বনি। নোংচুপলোমগী মহৈতবু মহৈনি খন্দুনা ইসলামগী মমল নাইদ্রবা গ্যান-লৌশিং কয়া অসে তমহলহৌদ্রবদি সমাজদা ফিদমনিঙাই মশক ওইরবা ইজজৎ লৈবা মুসলমান অমা কৈদৌংনুংদা ওইবা ঙমলোই। গ্যান-লৌশিং অসিবু তমদুনা মমা ওইবী কয়াগী মীৎয়েংখাদ্দী ইমাম বুখারি, ইমাম অবু হনিফা ইমাম সাফই, ইমাম,মালিক, ইমাম অহমদ বিন হনবল, ইবনে তৈমিয়া গুম্বা থৌনা ফরবা ইসলামগী মপারী কয়া হৌখরে। অদুবু ঐখোয়গী পলেম-পম্মৌশিংগী নাওয়োকখাদ্দগী, মখোয়গুম্বা অমমবদা মঙাল পিরম্বা, হৌরক্কনি হায়না ৱাখল থম্বা য়ারিবারা। ইসলামগী মফমদা মীওইবগী তঙাইফদনা দরকার ওইবা মহৈ, গ্যান, লৌশিংগী অৱাৎপা অমত্তা লৈতে। মসিবু তমহৌদ্রবদি মীওইবা শাদ্দীসু হেন্না তমথিবা জিবা অমগী শক্তম লৌরকই।

মমা ,মচে,নলেমনচিংবা লৌন লৈনবা য়াদবশিংগী করম্বা লমচৎ চৎকদগে হায়বা খঙহলহৌদ্রবনিনা ইউরোপনচিংবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা নোংমা কাঙদনা থোক্লিবা তাবদা তুকৎচবা- হঙ্গোইবা ফাত্তবা থৌদোক ৱাথোক কয়া নোংমদি শোয়দনা ঐখোয়গী ইমুংদসু য়োরকলোই হায়নিঙাই লৈতে। মতম অদুদা কনাদসু মরাল্শিরুবা য়ারোই। মুসলমানগী ফজরবা মিংদি থোল্লগা ইসলামগী তোমথিন ঙানবী শক্তমবু মওং তাদনা উহন্নবা হোৎনরিবা সলমান রুসদি, তসলিমা নসরিনগুম্বা কয়া থোরক্লগনিহায়বা অসিদা চিংননিঙাই মরম লৈতে। ও!অল্লাহদা থাজবা থমলিবা মুসলমানশিং ইমুং মনুং চুমহন্নবা অমুক্তংদি হোৎনসি।

ঐখোয়গী মায়োক্তা নোংচুপলোমদ্দী নোংলৈ অমা শিৎলকথ্র। ইকাই - খঙদবা মীরমচৎ চওবশিং, অল্লাহ অমদি মহাক্কী রসুলবু য়াদবশিংনা ঐখোয়গী থম্মোয়দ্দী মপু অমদি মহাক্কী নবীগী নুংশিববু মাঙহনখিনবা হু হাপচিল্লকখ্রে। য়ুমথোঙ খুদিং, ইমুং খুদিং য়ৌহন্নবগীদমক য়েনিঙ হুল্লকনি হায়না আশা তৌকদ্রে। ওইরিবা ফিভম অসিদা য়াম্না মরুওইবা ঙাকথোক্লবা পাম্বৈদি ঐখোয়গী থম্মোয়দা হৌরিবা ইমানগী উপাম্বী অদুগী মরা চেৎশিনহনবা অমদি ইসলামনা তম্বীরিবা য়ুমলায়-কৈরৈ, চৎন -লোনচৎ, ফিজেৎ- চাকচাশিং অদুবু খঙবা অমদি মদুদা মপুং ফানা চৎপা অসিম্নি অসুম্না তৌরবদি। মালেমগী সাসন ঐখোয়গী খুয়াদা লাকপা হায়সি অল্লাহগী ৱাশকনি।

"করিগুম্বা নখোয়না অশেংবা মোমিন ওইরবদি নখোয়না মীকোকথোংনা অদুমক লৈগনি"। করি ৱাৎপদ্দীনো ঐখোয়না মীখাপোল্লিবসে খম্বসি অমুকতং।

❀❀❀❀❀❀❀❀❀❀❀

# অশেংবা মপুগী মান্নদবা ৱাখল্লোনশিং

—শৈখ অমির হুসেন চিশতি

ঙসি সংসারসিদা তাইবং শেম্বা মপূনি হায়বা কয়া লৈ অদুবু মখোয়গী মরক্তা মীওইবসু কয়া য়াওরি । মীওইবনি হায়রিবা ঐখোয়গী ইমা ইপা লৈবগুম্না মখোয়গীসু লৈখি । অদুগা মখোয়সু ঐখোয়গুম্না চারগা হিঙখি অমসুং মীওইবনা থৌদোক অমমমদা শিবগুম্না মখোয়সু অসুম্না শিখি । অদু ওইরগদি মপূনিহায়রম্বা মীশিংদুগা অতোপ্পা মীশিংগা করি থেন্নরি।

তাইবং পানবা মপুনি হায়রম্বশিংদুগা ইচম চম্বা মীওইবা ঐখোয়গা খেন্নবা অমদি লৈ মদুদি মখোয়দি অঙক অঙকপা শক্তি কয়া উৎপা ঙমখি অদুগা ঐখোয়দি ঙমদে। অদুবু ঐখোয়না ঙমদ্রবসু মপূনি হায়দবা মীশিংগী মরক্তা অঙকপা শক্তি উৎপা ঙম্বা কয়া লৈরি। খুদম ওইনা, হায়রবদা সাইন্টিস্ট অমনা মানা থিজিল্লিবা হিরম অদুগী মরমদা অচুম্বা পাউজেল শন্দোকপগা লোয়ননা এরোপ্লেন, ইলেক্ট্রিকনচিংবা ঙক্লবা পোৎ কয়াসু পুথোকপা ঙমই। অদুবু মপূনি হায়রম্বশিং অদুদদি অসিগুম্বা শক্তিসি লৈখিদে। অদুগা মখোয়দা লৈখিবা শক্তিদু সাইন্টিস্টশিংদসু অমুক লৈতে। অদু ওইরগদি শক্তি উৎপা ঙম্বা খুদিংমক মপূ ওইবা য়ারিব্রা?

মপূনি হায়রম্বশিংদু মখোয়দা লৈখিবা শক্তি অমদি গুণশিং অদু অতোপ্পা মীশিংদা শুকলৈ লৈত্রব্রা? প্রোফেৎ মুহম্মদ (স্বঃ) অসিমক মপূনি হায়রম্বশিংগুম্না শক্তি লৈখি অমসুং ধর্ম্ম শন্দোক্রম্মী। অদুবু প্রোফেত মুহম্মদ (স্বঃ)নদি করিগী মপূনি হায়রমদ্রিবনো অমসুং করিগী মপূ ওইদ্রিবনো?

অদুগা খম্ববা য়াবা ৱাফম অমসু লৈ মদুদি, অইবা অমদি কবি কয়ানা লাইরিক কয়া ইরি। অদুবু মখোয়না লাইরিক্তু ইরিঙৈ স্কৃপ্ত অদুগী মনুংদা তৌনিংবতা তৌবা ঙমই। হায়বদি ইরিবা স্কৃপ্ত অদুগীদি অইবা নত্রগা কবি অদুনা মপূনি, জর্জনি। অদুনা ইরিবা হিরম অদুগী মনুংদা মওং-মরিল নাইনা মী অমবু হীরো নত্রগা বেদ ওইহনবা ঙম্মী। মসি মখোয়গী মোরেল পৱাৱনি। মরম অসিনা পৃথিবীদা মীওইবা অমনা মপূ ওইখি অমসুং ওই হায়নরিবসি রাইটর নত্রগা কবি অমনা মাগী মাগী জাৎকী অমসুং ফুরুপকী মগুণ লৈবা মী অমবু চাওহন্নিংবব্দকী কলম্না শেম্নখিবা য়াওরব্রা হায়বসিনি নত্রগা সাইন্টিস্ট অমনা মশাগী অৱাংবা লৌশিংনা এরোপ্লেনচিংবা পোৎ ওইনা পুথোরকপগুম কবি অমনসু মশাগী অৱাংবা কলপ্পাবু মপূগী শক্তম উৎপা লাইরিক অমা ওইনা পুথোক্লম্ব্রা?

অমুকসু খন্থদুনা য়েংসি, মালেমসিদা মপূনি হায়রম্বা খুদিংমক মমা মসুং মপা লৈখি। অদুবু মপূনা শেম্লকপনি হায়বা মীওইবদা মপূ মশামক্লা মতৈ-মনাও অনিগী মনুং ফাওরগা লাকদ্রনে? অতিয়াগী অকোয়বদা থোকলিবা, নুমিৎ, থা, থৱানমিচাক, মালেমসিদা লৈরিবা অমসুং চেল্লিবা, চীঙ, তুরেল, সমুদ্র অহাংবা মালংদা শিৎলিবা নুংশিৎ অমসুং জীব পানবা পুন্নমকসিবু শেম্বীরিবা মপূ অদুনা নুপীগী মবুক মনুংদা লৈরমগদ্রা? সংসারদা লেংলি পাল্লিবা পুন্নমকসি মপূ মাগী খুশিলনি হায় অদুবু মপূনি হায়বদুনা নুপীগী মবুক মনুংদা থা তরা নাউপুখিঙৈ অদুদদি সংসারসিগী থবক-থৌরমশিং কনানা শিল্লমগনি ?

মপূগী মরমদা মীওইবগী মান্নদবা ৱাখল্লোন কয়া লৈ। খরনা হায়, 'ইশ্বরগী মচা লৈ'। অদুবু ইশ্বরগী হেক পোকচবা মচা লৈরম্লগদি মহাক্তি শিবা নাইদবনিনা সংসারসি মহাক্কী মচাশিংগী, মমৌশিংগী, মশুশিংগী চাদ-নাউদা শন্দোকফম ওইরমগনি। মপূসি চাদ-নাউদা শন্দোকপা অমা ওইরম্লগদি মীওইবা হায়বা জাতিসিবু মালেমসিদা হিঙবা ফংলমখিগদ্রা নত্রগা মীওইবগা মপূগা অনীগী মরক্তা খেন্নবা করি লৈরমগনি। মরম অসিনা ইশ্বরগী মচা লৈ হায়বসি খন্নবা য়াদবা হিরম্নি। অমুকসু হায়নবা য়াওরি, "মী শিরবসু আত্মাদি শিবা নাইদে। আত্মাদি ইশ্বরগী শরুক্নি অদুনা ইশ্বরদা অমুক তিনখি।" করিগুম্বা থৱায় (আত্মা)সি ইশ্বরগী শরুক অমা ওইবা তারবদি মী অমনা তৌবা অফবা অমসুং ফত্তবা থবকশিংসি ইশ্বরনা তৌবনি,মীনা তৌবা নত্তে হায়বা তারিব্রা অমদি মীনা তৌবা থবক খুদিংমক্কী ফল ইশ্বরনা ফংগদৌরিব্রা ? আত্মাগা ইশ্বরগা চানহন্নবা হোৎনরিবা অসিসু অঙকপা অমনি খুদম অমা য়েংসি মদুদি James Watt না অহানবা Steam Engine শাখি অমসুং পুথোকখি। অদুবু Engine অদু James watt নি হায়বা য়াগদ্রা James Watt তগী Steam Engine না পুরা তোঙানবগুম ইশ্বরনা শেম্লকপা মীসু ইশ্বরদকী পুরা তোঙানলকখ্রবনি ।

তশেংনা হায়রবদা নাতে চাদবা,মতিক চাদবা। অপিকপা,মগুন য়াওদবা ৱারী কয়া শাগৎতুনা মীওই কয়া ঙসি মপূ লাৎপগী মিংদা ঈৱাক্রদুনা লৈরি। শম্না হায়রবদা মীওই কয়ানা মপূ হায়বসি য়াম্না নেম্না থম্নমই হায়বদি মীগী শাজৎকুম চৎহল্লি,মচা। পোকহল্লি,হিংহল্লি,শিহল্লি অসিগুম্বা । অপিকপা ৱাখল্লোনশিং অসি হোংদোকপগী তঙাইফদবা লৈ মরমদি মপূ হায়বসি সংসারগী লেংলি-পাল্লিবা জীব জগৎ পুন্নমকপু শেম্বিরকপনিনা মহাক্তি মহাক্কী খুৎশেম পুন্নমক্কী ৱাংমদা লৈবা হেন্ন-থোইবা মপূ অমা শোয়দনা ওইরমফম থোকই। অদুবু অসিগুম্বা মপূ অমা শুকলৈ লৈত্রব্রা ? অমুক্তং খন্থদুনা য়েংসি।

# ঐনা ইসলামদা করিগী চংলক্লি

## ডাক্তর অলী ব্লুসীন

(রসিয়া)

মণিপুরীদা
—মৌলানা অব্দুল হমিদ

*" হায়না ঙাংনা অমদি থি-হুম্বা মতমদা ঐ খৃস্টানিতিদা অঙকপা ফংনা খেন্নবা উবা ফংই, তঙাই ফদনা ইসা (অলৈহিস-সলাম) গী মগুণ, মহাক্না মপু ওইবা অমদি অল্লাহ অহুম শুবগী মতাংদা খেন্নবা উবা ফংই, ঐনা মসিদা খঙলিবা ম্রাফমদি খৃস্টানিতিগী মসিগী পোৎশিং অসি তৌহীদ অমসুং ম্রাখল অনিমক্কা চানদবা ঙাক্তেনি। ঐ ইশানা ইশাবু খৃস্টানিদগী লাপ্পা লৈবগুম তৌরে। মদুদগীদি মপুং ফানা থাজরে অমসুং শান্তি ওইরে মদুদি খৃস্টানিতি অসি থাজবসি অরানবনি। মদুদগীদি ঐ ইশাসি খৃস্টান ওইদ্রে হায়না খল্লক্লে, অদুগা ইশাবু ইশানা অল্লাহ অমখক্তবু য়াবা ওইনা খল্লক্লে, অদুগা ইশাবু খৃস্টানীতিদগী থোক্নবা ফিরেপ লৌবসি অরুবা ম্রাফম অমা ওইনা থোক্লম্মী। অদুনা মসিগী ফিরেপ অসি য়াম্না লুনা নৈনরবা অমসুং মুন্না খল্লবা মতুংদতা পাংথোকপা ঙমখি।"*

ঐগী মিং অলি ব্লুসীন কৌই। ঐনা ফিলোসোফিগী ওজা ওইরম্মী। অদুগা অশেংবদি সিনি কম্যুনিস্ট কী ওজাগসু ঐ মারকসি ৱাখল্লোনদি য়ানিংদে, ঐনা থাজজবদা অৱাৎপা কয়া লৈ হায়বসিনি। ঐদি কাইনাত পুন্নমক অসিবু শ্রেষ্ঠীবা মপু অমা শোয়দনা লৈ হায়বসিনি। মসি খংনবগীদমক ঐনা খৃস্টানিতি নৈনবা হৌই, ঐ র্চ ফাওবা চংদুনা পাদরী ওইরম্মী। সোভেৎ য়ুনিয়ন কাইরবা মতুংদা ইহাল হান্বা পার্লিয়ামেন্টকী ভোত্তা র্চ কী মাইকৈদগী ঐ পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইনা খল্লম্মী অমসুং চহী মরি চুপ্পা র্চকী মাইকৈদগী মিহুৎ ওইনা পুরম্মী। পার্লিয়ামেন্ট দা ধর্ম্ম ময়ামসিগী মতাং সদর ওইনা পুরম্মী। মদুগী চৈনুংদুদা ধর্ম্ম মখৈসি নিং তম্না লৈগদবনি হায়বা বিলসি পাস তৌহনখিবনি, মদুদগী মীয়াম পুন্নমকসি মশা মশাগী শক্তমদু মনিং তম্না ঙাক্না চৎচবগী অয়াবা ফংজখিবনি। চহী মরি পার্লিয়ামেন্টতা লৈরুদুনা মতম লোইখিবদগী র্চতা অমুক হন্না পাদরী ওইনা হল্লক্লে। পার্লিয়ামেন্টকী থবক লোয়রদুনা র্চতা হল্লক্লবা মতুংদা ঐনা মশরিক অমসুং মগরিব (নোংপোক নোংচুপ) তা লৈখিবা খৃস্টানিতি চৎলিবা ময়াম অসিগী মতাংদা খঞ্জিনবা হৌরে।Head Line মফমসিদা চহি তরা তরুক চুপ্পা ঐ র্চতা থবক তৌরম্মী মদুদা অশেংবা অমদি অচুম্বা হায়বসি খৃস্টানিতিদা লৈরে হায়না কন্না থাজরম্মী। খৃস্টানিতি থাদোক্লবা মতুংদসু দুনিয়াদা লৈরিবা ধর্ম্ম অমফাওবা অল্লাহগী ওইজবা শক্তম অসি তাকপা ধর্ম্ম লৈ হায়বা ঐদি খংখিদে অমসুং ইস্লামগী মতাংদা লাইরিকসু অমফাওবা পাখিবা লৈতে। অদুগা রুসিয়া মরোলদা কুরআনগী অর্থ করাচোভস না হন্দোকপদুসু ঐনা খংবদা ৱাই। নোংমা ঈদুল অদহা নুমিত্তা রুসকী টেলিভিজন চেনেল অমদা প্রোগ্রাম অমা শন্দোরকই। প্রোগ্রাম অদুদা ইস্লামগী মতাংদা নৈনরকখিবনি অমসুং মহাক্কী মরুওইবা ৱাফম থল্লকখি : হায়রিবা ধর্ম্ম অসিদি অল্লাহগী মথন্ত ওইজবা অদুগী মাইকৈদা কৌশিনবনি হায়না। হায়রিবা প্রোগ্রাম অসিনা ঐঙোন্দা অচৌবা শাফু অমা পীরম্মী। ঐগী ৱাখলদা খল্লম্বা পর্দা অমদি লৈরম্বা অমম্বদু মাংখ্রে হায়না খল্লক্লে। ধর্ম্ম অসিগী ওইনা ঐগী থম্মোয় হাংদোকখ্রে। প্রোগ্রাম অদু য়েংলুরবা মতুংদদি ঐ ইশানা ইশাবু মুসলমান্নি হায়না খঞ্জরে। মমৈদা ঐনা পামপ্লেৎ অমদা তোপিক অমা ইরদুনা মুস্লমান ওল্লে হায়না লাওথোক্লম্মী। ঐনা ইজখিবা তোপিক অদু ঐনা ফংজবদদি ঐ য়াম্না হরাওজরম্মী। থৌদোক অসি চহী তরেৎকী মমাংগী ৱানি।ঐগী Topic অসিনা র্চ মনুংদা অচৌবা ৱাথোক ওইখ্রে, মরমদি ঐ মীয়াম্না খংনবা পাদরী অমা ওইরম্মী। অদুগা র্চতা অৱাংবা থাক্তসু লৈরম্মী। মসিত-নত্তনা পার্লিয়ামেন্টসু র্চকী মাইকৈদগী মেম্বরসু ওইরুরেদো, অমুক্কা হেন্না ধর্ম্ম ময়ামগী থৌরম পুন্নমক্কী লুচিংবা President সু ওইরুরে মদুদগীদি মেডিয়াগী কাংবুসু ঐগী Enterview সু শন্দোকপা হৌরক্লে। ঐবু থাগৎপীবা নত্রগা ঐগী মায়োক্তা নুতিগী থোক্লিবা খবর

কাগজশিংদা য়াওরক্তবা নোংমফাওবা য়াওরক্তে। মতৌ অসুম্না ঐসি মশা মথন্তনা ইস্লামগী দাঙ্গ (তবলীগ তৌবা) শেম্বীখ্রে। চহী অনি ফাওবদি টি,ভি চেনেলদা প্রোগ্রাম পীনবা কৌরক্লম্মী। নাকল অমদনা চ্চনা ঐ অমসুং ঐগী তুংদা লাক্কদবা Generation তরেৎ ফাওবা বদ-দুআ তৌবা হায়না চ্চতা লেপ্লখ্রে। ঐগী পোকমিন শামিন্নবা, মরি মতা মখৈদা ঐগা লৈনরগনু হায়না থিংখ্রে। তশেংনদি চ্চকী ফিরেপ অসিনা ঐঙোন্দা অচৌবা শাফু অমা পীরম্মী। মরি মতা মখৈগা মরি তৎনরবা মতুংদা ঐ ইতোমতা তারে, অদুবু থুনমক ইথন্তা লৈবগী হৈনবি লৈখ্রে। অল্লাহগী শুকরনি, ঐবু মহাক্না মদুগী ইতোমতা খাইদোকপীবা অদুগী মহুত্ত Brother hood, (মচিন-মনাও ওইবা) ফজরবা শক্তম অসি পীবিরম্মী। ঈদুল অদহাগী মতাংদা টি,ভি, প্রোগ্রাম য়েংলবা মতুংদা ঐনা " ইজখিবা তোপিক" মতম অদুদদি ঐ ইস্লামগী মতাংদা করিসুথোইদোক্লা খঙবা ওইদ্রি। ঐদি নমাজ করম্না শোনবনো হায়বসু রোজা ফরজ ওইবসু খংদ্রি মরমদি ঐনা মুস্লমান ওনবা মতমদা মুসলমান অমফাওবা য়াওখিদে ঐবু দীন ধর্ম্ম অসিগী মতাংদা তাকপীনবা অমসুং লাইরিকসু অমফাওবা পাখিদে। ঐবু ইস্লামদা পুন্নীখ্রিবা পোত্তি মহাক্কী তৌহীদ মপু অমখক্তনি হায়বা পারাসিনি। মসি মতুংদদি ঐ লাইরিক কয়া পারুরবা অমসুং মুসলমান ইচিল-ইনাও মখৈগী মতেংদা পাওতাক মখৈ অমদি মসি খংবা হৌরক্লে। মুসলমান ওল্লবা মতুংদা ঐনা ইহাল হান্না ইখিবা লাইরিক, মমিংনা " অল্লাহগী মাইকৈদা চুম্না চৎপা অচুম্বা লম্বী " কৌই। হায়রিবা লাইরিক অসিদা "ঐনা মুসলমান ওন্বগী মরম ইরদুনা শেংদোকচখ্রবনি "ঐনা করিগী মুসলমান ওল্লিবনো ?" হায়বগী মরম লাইরিক অসি কয়ারক ফোংখি। চাওরাক্লা লাইরিক মশিং লাখ অমরোম য়েম্লোকখি । লাইরিক অসি পারগা রুসি (রুস মচা) লিশিং কয়া মুসলমান ওনখ্রে হায়বদা হায়মন্বা থোক্লোই। ঐগী অনিশুবা লাইরিক্কী মমিং " শির্কগী হৌরকফম " কৌই। লাইরিক অসিদা ঐনা অল্লাহ অমখক্তা ওইবগী ফিলোসোফি ইজরিবনি, অমসুং শির্কগী মরু ফুক্তোকপনি। লাইরিক অসিনা মরু ওইনা লাইরিক লাইশু হৈবা কাংবুদা তারগেট তৌবনি। ঐগী অহুমশুবা অমসুং অরোইবা লাইরিক " নৌ মুস্লিমশিংগী মিৎয়েংদা ইঞ্জিল " কৌই। লাইরিক য়াম্না চিংলেম্না অমদি লুক্লা নোক্লা ইঞ্জিলদা য়েংশিন্বনি। লাইরিক অসিদা চাওর-চাওরবা ঈসাই উলমা কয়াগী Reference পীজরিবনি। লাইরিকশিং অসিত নত্তনা মশিং থিঙমদনা হৌজিক হৌজিক মোক্লোদা " সিরাতে মুস্তকীম " কৌবা ইস্লাম জমীঅৎ অমা লিংখত্তুনা লৈরে। ঐ হৌজিক হৌজিক মসি চলাইদুনা লৈ। জমীঅৎ অসি গৈর মুসলিমশিং ইস্লামগী দঅৱৎ তৌবা (ইস্লাম য়ৌহন্বা) অমদি নৌ মুসলিমশিংবু তাকপী তম্বিবা অমদি য়েংজিন থিজিন্বিবনি। ঐখোয়গী ৱেব সাইটসু লৈজে। মসিগী পোৎলম ময়াম অসি নত্তনা রুসকী মুসলমান পাওমী মখৈগী Association গী সদরসু ঐঙোন্দা শিন্নবি।নৌ মুস্লিম মখৈগী তঙাই ফদবা পোৎলম কয়াসু লৈরি, মদুবু পঞ্জখিবা জমীঅৎ, অমদি ঐখোয়না ৱাত্তনবা অদুম হোৎনজে। খ্বায়দগী চাওবা পোত্তি ইমুং মনুং মরি মতা অমদি নুংশি নোঙ্জেন্নবা মখৈগা মরি থদৎনবসিনি। অনিশুবনা মুস্লমান কৌম মখৈ খুদম ওইনা চেচেন, তাতার, দা গিস্তান্নচিংবা মুস্লিমশিং অসি ইচিল ইনাও শেম্বা ফাওবা অরুবা ৱা ওইরম্মী। মরমদি মমাংদা হৌখিবা অহল লমন মখৈনা তৌরম্বা ময়ামদু মথং মথং লৌদুনা লাকপনা মদুদা অওন্বা অমফাওবা পুরকপ পাম্লমদে। মরম অসিদগী মখোয়না রুস মচা মখৈসি মুসলমান ওল্লগা লাক্লবা ফাওবদা মখোয়বু লৌশিন্বিদে, অমদি মখোয়বু মসজিদতগী ফাওবা তানথোকই। মসিত নত্তনা কদায় য়ৌনা তৌবিবগে হায়ববু " মুসলমান মখৈনা চ্চকা Agreement তৌনৈ, রুস মচা অমফাওবা মখোয়গী মরক্তা" হায়না। হায়বদি রুস মচা মখৈসিদা মুসলমান মখৈনা পা পাদুগী য়েক্লবা ওইদুনা লাক্লবনিনা মখোয়না মুসলমান ওল্লক্লবা ফাওবদা মখোয়দা মিনুংশি অমফাওবা লৈরমদে। অদুনা চ্চকা মখোয়না Agreement তৌনৈ নখোয়গী রুস মচাশিং অমফাওবা মসজিত্তা চংহল্লোয়, ঐখোয়গা পুন্নরোই, ঐখোয়গী ইরক্তা য়াওহল্লোয় হায়না (অকন্বা খোংথাংনি।) মুসলমান ওন্দুনা লাক্লবদুফাওবা চ্চতা হন্দুনা চৎহল্লম্মী ঐখোয় হৌজিক ফাওবদি হিদায়ৎ ফংজরবা (মুসলমান ওল্লক্লবা) রুস মচা মখৈগীদমক সেন্টর অমফাওবা লিংখৎপা ঙমদনা লৈরি, মসিফাওবদা মশিংদি শুম হেনগৎলক্তুনা মোক্লোখক্তদা মী লাখ অমা হেঞ্জিল্লক্লে। মসিদসু লেপ্তনা মশিংদি অদুম হেনগৎলক্লি। মসিদা নৌ মুসলিম ওইনা লাক্লিবসিদি University মখৈদগী লাকপা ওজাশিং অমদি ছাত্র ময়াম্নি। মখোয় অসি মশিং থিঙমদনা ইস্লাম্বু য়াম্না পাম্না চংশিল্লক্লি। ইস্লামী মদরসা থরদদি মখোয়গী মশিংনা তংখায় অমনি রুস্তগী মুসলমান ওল্লকখিবা কাংবুদুগী মচা মশু মসি নত্তনা অচৌবা Problem অমনা নৌ মুস্লিমশিং অসিগী য়ুম পান্বগী থৌরাং তৌবা নৌনা মুসলমান ওঞ্জরক্লিবি নুপীশিংগী হকপু ঙাকপী শেন্নীবনি। মরমদি নুপীশিং অসিগী মরি মতা খংন-চানবা মখোয়দা করিগুম্বা মখলগী মতেং অমফাওবা পীবিদে,

হন্না য়েংবিদে। অনম্বনা রুস মচাশিংসি ধর্ম্ম অমত্তা চত্তবা কাংবুনি মখোয়দি ফৈরেং তুরেং নত্তনা করিগুম্বা অমফাওবা থাজবা কাংবু নত্তে। অদুবু ফিলম, টে-ভি, প্রোগ্রাম অমসুং কৌমগী ৱারি ৱতাইদগী খৃস্টানিতিগী মরমদা খংজিল্লি। মীওই খরনা ঈসা অলৈহিস সলামগী Personality গী মরমদা পুক্লিং চংবা মওংদা ড্রামাগী মওংগুম পাংথোকপা উবা ফংই। মরম অসিনা তাঞ্জা অসিদা অহানবদা মখোয়দা অল্লাহগী, নবী ইসা অলৈহিস সলাম অমদি অতৈ নবী মখৈগী ব্যাবহার ঙাক্ল চৎনবা তম্বীবা তঙায় ফদে, মদুগী মতুংদা ইসা অলৈহিস সলামগী মতাংদা মখোয়দা লৈরিবা অরান্বা ৱাখল্লোন্দু চুমথোকপীবা মথৌ তাই। মমাংদা হৌখ্রবদা খৃস্টানিতিগী লাইরিকশিংনা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক কয়া লান্না লমজিংবিখ্রে হায়বসিদা করিসু চিংননিঙাই লৈতে। মসিবু মখল কয়া থোক্লা Way কয়াদা Explain তৌদুনা গ্যান তাহনবা য়াগনি, তৌইগুম্বসুং ঈসা অলৈহিস সলামগী মতাংদা ইস্লাম্না লৌরিবা ফিরেপ অসিদি অচুম্বা অমসুং অশেংবনি, ঈসা অলিহিস সলামগী মতাংদা লান্না লমজিংবিরম্বা ময়ামদু চুমথোক্লবা মতুংদা ইস্লামগী ময়োক্তা খৃস্টানিতি চৎপা কাংবুনা পাক-সন্না শন্দোক্লিবদুগা মায়োক্লবা তঙাই ফদে, মসিগী মতুংদা অল্লাহ তআলাগী জাতে পাক্তা শির্ক তৌরিবদুগী অর্থ খংহন্না মথৌ তাই, অদুগী মতুংদদি মীয়ামগী থম্মোয়দা শাসন তৌবগী তাঞ্জা, লম্বী ইনশাঅল্লাহ হাংদোরক্লগনি। অদুগা থবক অসিদা পুকচেল শেংনা, নিয়ৎ চুম্না তৌবগা লোয়ননা অল্লাহগী মতেংসু ফংগনি। হৌজিক ঐখোয় রুসকী হৈশিংলবা গ্রুপশিং অসিদা চংদুনা মখোয়গা ৱারি শানবা অমসুং ইস্লামগী চৎন-লোনচৎকী মখাদা রুসকী Culture অমদি চৎনবি বয়ান তৌনবা হায়দুনা থন্নরি। মসিদা ঐখোয়না খল্লিবদি তারিখ, (History) ফলসফা (ৱাখল্লোন) অমদি সহিত্যাগী মতাংদা ইস্লামগী অরোন্বা পান্দমদু খংহন্বনি। মসিগী অতোপ্পদা ইস্লাম ঙাকথোক্লনবা হোৎনবদা ইখিবা অচুম্বা পামজবা রুসকী অইবা মখৈগী লাইরিকশিংদু নৈনরুবদা ফংজরকপদুসু থমজরি খুদম ওইনা লিয়ুটা লিস্টাই অমদি দোস্তোভোস্ক অসিনচিংবা অদুগা মপু অমখক্তবু থাজবা ঐখোয়গী পুক্লিং ৱাখলদা ইস্লামগী হৌন-লোনচৎ অমদি শরিঅৎ অসি পাক শন্না খংহন্বগী মথৌ তাই। মসিগীদমক ঐখোয়না ইস্লাম হৌন-লোনচৎ অমদি শরিঅৎ অসি রুসী মরোলদা খংহন্নবা হোৎনৈ। ফজরবা অমদি সহিত্যাগী লোন্দাদা কুরআনে করীমগী তফসিরসু তৌই, কুরআনগী তফসির (শন্দোকপা) মখল কয়া থোক্লা শন্দোক্লবসু কুরআনগী অশেংবা অর্থ ওইফম থোকপা অদু অদুম ওই। খৃস্টানিতি অমদি ইস্লাম ধর্ম্ম অনিমক্তা ৱাখল্লোন মান্নবা মখৈদুসু খংমিন্নদুনা ভাব তামিন্ননবা হোৎনৈ।

মথং মথং...

## Answer to KIDZ Islamic Quiz - 9 (ISSUE - 14)

**A - Emaan**
How do you acquire knowledge about Allah and His commands?
Ans: Through the Qur'an and the Hadith of Muhammad

**B - Qur'aan**
What does the word 'wahi' mean?
Ans: Revelation


**C - Hadeeth**
What is the meaning of the word Hadith?
Ans: Statement

**D - History**
Name the title of the head of an Islamic state?
Ans: Caliph

Winner of the Mangaal issue - 14

**Imran Khan**
**Kwakta (from: 8014952656)**

**Kindly try to Answer correctly to KIDZ Islamic Quiz -10 (Issue-15)**




# মূর্তি পুজা
## করম্বা মতমদা হৌনরকখি

থায়না মতম ফরিঙৈদা ধর্ম্ম প্রচারকশিং অসি ঙাংবা হায়বদা লৌরমলিবা মীশিং অসি অচুম্বা চৎপা অমসুং লমচৎ ফজবা ঙাক ওইনরম্মী। মখোয় শিবা হৌনবনিনা শিখিরম্মী (শিখিবশিং অদু তশেংনা অল্লাহনি হায়না লৌনরম্মী) নবী নত্রগা রসুল নত্রগা লমচৎ ফজবা মীশিং শিথ্রবা মতুংদা মখোয়বু মখোয়গী মবুকনিংদা নুংশিখিবা অদু তোয়না নিংশিংবা লাকলম্মী অমসুং নিংশিংবা অদুনা মরম ওইদুনা লৈহৌরিবা মখোয় য়াম্না কপলম্মী। মতাং অসিদা শৈতান্দা খুদোংচাবা তানফম অমা ফংখ্রে। শৈতান হায়বদি মরৌ তৌবা ফত্ত লৌশিং য়াম্না লৈবা অমনি। মহাক অসি মীওইবগী য়েক্লবনি। মীওইবগী থম্মোয়গী পরিক্ষা লৌনবা অমসুং ফত্তবা ৱাখলবু মীগী থম্মোয় পামহন্নবা অল্লাহনা মাবু থারকপনি। অল্লাহনা শৈতানবু থারকপগী মরমদি কনা কনানা পোকপী থাকপিরকপা মালিকপু অমসুং মীশকনা শৈতানবু মবুকনিংদা নীঙবগে য়েংনবনি।

শৈতাননা মীশিংগী মনাক্তা লাকলে অদুগা হায়ররে- নখোয় নখোয়গী রসুল নত্রবা সাধুশিংবু য়াম্না লুনা তৌই। শিথ্রবা মতুংদা মখোয় অদু নখোয়গী মীৎয়েংদা উবা ফংদরে; মসি পুন্নমক অল্লাহনা শিনবা মাগী পামজবনি। অল্লাহনা হায়বা ৱাহৈ অরেম্বদা মাঙখিবা অমদি থৈদোকখিবা তৌদে। মরম অসিনা নখোয়গীদমক মহাক্কী মূর্ত্তি অমা শাগে। মহাকপু দর্শন তৌরবদি নখোয় য়াইফরবা শান্তি ফংবা ঙমগনি। শৈতাননা মূর্ত্তি শারে। মহাক্লা ৱাখল হেক তৌরকপদা, মীশিংদুনা মঙোন্দা য়েংলকলম্মী। অসুম তৌনা তপনা-তপনা মূর্ত্তি অদুবু পামজবদগী মখোয়গী থম্মোয়না লৈতাবা হৌরকলে। মতাং অসিদা শৈতানना মখোয়দা হায়রে মদুদি মখোয়না খঙখ্রে রসুল, নবী অমদি সাধু অসিনচিংবসে অল্লাহগা য়াম্না নক্লে। করিগুম্বা নাহক্লা মখোয়দুগী মূর্ত্তিগী মমাংদা নকোক নোল্লবদি, নহাক মশাসে ঈশ্বরগী মনাক্তা ওইগনি অমসুং ঈশ্বরনা নঙনা হায়বা ৱাদা য়াবা হায়বদু ওইরগনি নত্রগা নহাকসে ঈশ্বরগী মনাক্তা লৈবা হায়বদু ওইরগনি।

মীওইবগী মবুক্লিংদা মূর্ত্তিগী শক্তম অমা চেৎনা লৈখিবগুম তৌখি। মরম অসিনা মহাক্লা মূর্ত্তিগী মমাংদা কোক নোনবা অমসুং মহাকপু পুজা তৌবা হৌরকখি। মীওইবনা মহাকপু নীঙজবগী মতিক চাবা অদুদি শুপ্নতগী অমত্তা ঙাইবা অল্লাহ ওইরম্মী। মূর্ত্তিশিংবু পুজা তৌবা হৌনরকলে। ফিভম অমদি থৌওং অসি চৎনরকপদা লাই ময়াম লাৎপা হায়বা ফিবমদা চঙশিন্নখ্রে। চৎন-লোনচৎ অল্লাহনা মীবু পৃথিবী লৈমায়থক্তা মহৎ শিনবা হায়বা শেম্বগী থৌওংদা লাকখি। অল্লাহ নত্তবা অতোম্পা অমগী মমাংদা কোক নোনবা তারবা মতমদা নশাগী অমসুং অতোম্পশিংগী মিৎয়েংদা নংনা অমদি তুক্কৎচনিঙাই মীশক অমা ওইখরে অমসুং মালিককী মিৎয়েংদা হম্থখিদুনা মতম চুম্পগী ওইনা নরক হায়বা মফমদুনা মাগী ঠিকানা ওইনা লৈখ্রগনি। মসিগী মতুংদা অল্লাহনা অমুক হন্না মাগী পাউজেল পুবা মী থারে, মহাক্লা মীশিং অদুদা মূর্ত্তি পুজা তৌবতা নত্তনা লাই ময়াম লাৎপা অমসুং আইন য়াওদবা মরি লৈনদবা মখল খুদিংমক্কী ফত্তবশিং অমদি নিয়ম কায়বা পুন্নমকপু থিংলে। মী খরনা মহাক্কী ৱাদু য়ারে অমসুং মী খর অমনদি মহাক্কী য়াথং লৌখিদে। মাগী ৱাদু য়াখিবা মীশিং অদুবু অল্লাহনা য়াম্না পেনবিরে অদুগা মাহক্কী ৱাবু হায়বদি য়াথং অমসুং পাউতাকপু লৌদনা খৎতোকলকপা মীশিং অদুবুদি, অল্লাহগী মাইকৈদগী দুনিয়া অসিদা মঙোন্দা অৱাবা তাদুনা চাকনা পুন্সি লেনবা মাঙ তাক্কদবা ৱায়েল ওইগদবা অমা তাখরে।

## কুর'আন্দা মূর্ত্তি পূজা তৌবা বিরোধ তৌই

মূর্ত্তি পূজাগীদমক্তা কুর'আন্দা ময়েক লাবা খুদম অমা পীরি; হায়রিবসি খন্থবা অমসুং ৱাখল তৌবা মতিক চায়-

"ও মীওইবশিং ! প্রামান অমা পিদুনা খংহল্লি

মসিবু নখোয় মুন্না তাউ ! মদুদি থাঙ্গৈশেংবমক নখোয়না কৌজরিবা অল্লাহ নত্তবশিং অদু হয়িং অমা ফাওবা শেম্বা ঙমদে, মখোয়শিং অদু পুল্লপ পুনশিল্লগা ওইরবসু, অদুগা হয়িং অদুনা মখোয়দগী করিগুম্বা অমা মুনখ্রবসু অমুক হন্না লৌবা ঙমলোই মখোয়না। অশোনবদি (অনীমক) নীজরিবা মীসু অমসুং থৌগল্লিবা লাইসু। অমসুং মখোয়না অশেংবা অল্লাহবু শিংথানদে। অল্লাহদি খ্বাইদগী শক্তী লৈবা অথোয়বনি।"-(অনুবাদ কুরআন, হজজ ২২:৭৩-৭৪)

কয়াদা ৱাখল চঙবা খুদম অমনো? শেম্বী শাবিরিবদি স্বয়ং অল্লাহনি। মশাগী মখুৎনা শাখিবা মুর্ত্তিশিং অমদি শক্তম অমা শারিবশিং অদু ঐখোয়ননি। করিগুম্বা মুর্ত্তিশিং অসিনা খরদং খম্বা ঙমলমলবদি মখোয় অদুনা মীওইববু শোয়দনা নীংলমগনি।


## শোঞ্জরবা ৱাখল্লোন অমা

মীওইপোক্কী মী খরদি অসুন্না য়ানিংফম থোকই মদুদি ঐখোয়না মহাক অদুগী ৱাখলদা নীংজৈ। মরমদি মখোয় অদুনা মপুগী লম্বী তাকপী অমসুং মদুগী মরি-লৈনবা ৱাফমদা ঐখোয়দা মপু মাগী কৃপা ফংই। অসিগুম্বা ৱাফমসে অসিগুম্বা মওংদা লাকলে অদুদি কুলী অন্না রেলগাড়িগী মরমদা য়াম্না খঙলে অমদি কুলী অদুদা তোংলগ্যা চৎপা তারি মরমদি মহাক্না রেল গাড়িদা চৎনবগী লৌশিং পুন্নমক তাকপীরে। অমসুং অসুন্না অচুম্বা লম্বী তাকপীববু অমদি হীরম খংহনববু লাইনিঙ ওইনা চখবদা অসিগুম্বা অফবসি থোকই, খুদম ওইনা রেল গাড়ি থাদোকপগা কুলীগী মথক্তা তোংদুনা চৎপা তাবা।

কনাগুম্বা খরনা অসুন্না হায়রি মদুদি ঐখোয়না ঐখোয়গী পুক্লিং লুপশিননবা অমসুং নীংজরিবা ঈশ্বরগী মফমদা ৱাখল চিংশিনবা ঙম্নবা মুর্ত্তিশিং অসি থম্বনি। ৱাফম সিমসু হায়বা নিংথিনা ধ্যান তৌদুনা চাউরবা য়ুম্বী অমদা য়েংদুনা লৈ অদুগা হায়রি ফাইদোকতবা ধ্যান অমদি পুক্লিং লুপনবা অচৌবা য়ুম্বী অদুদা য়েংদুনা লৈ। অদুদি হায়সি কদায়দা ইপা ইবুংঙো অমদি কদায়দা য়ুম্বী? শোল্লবা মুর্ত্তিশিং অদুনা কদায়দা অমসুং শান্তি চাউরবা, পাঙ্গল্লবা অমদি দয়া লৈরবা মপু ইবুংঙোদু! অসুম হায়না শ্যান অদু ফাজিনগদ্রা নত্রগা য়েম্ণোক্কদ্রা হায়বদি মচেৎ তাহনগদ্রা?

মচি ওইবা ৱাফমদি মসিনি মদুদি করিগুম্বা মওং অমদা কনাগুম্বা অতোপ্পা অমবু অল্লাহগা লোয়নবনি নত্রগা নক্লবনি হায়না শরুক য়ামিন্নবা হায়বসে য়াম্না চাউবা মহা পাপ অমনি। ৱাফমসিদা মহাকপু কৈদৌঙৈদা ঙাকপীরোই অমসুং অসিগুম্বা মী অদু মতম চুপ্পগী নরক্কী চেকতেক ওইনা লৈগনি।

❀❀❀❀❀❀❀❀❀❀



# ৱাহং-পাউখুম

**ৱাহং-১** ঐ ইশানা থাজবা চাওরৱা আলিম অমগী মখাদা অমল তৌজে। মতম খরা লৈরগা মহাক্কী অমলদা অশোয়বা খরা য়াওবা খংলে, মদুদসু ঐ আলিমদুগী থবক খুদিংমক ইন্দুনা মাগী ইতাঅৎ তৌবনা ঐগী মায় পাকপা ওইগদ্রা নত্রগা অশোইবা খরদু চুমথোক্লগা চৎচবনা চুমগদ্রা?

**পাওখুমঃ-** দীন-এ-ইস্লাম্গী আলিম অমগী পাওতাক মখাদা চৎনবা হোৎনজবা হায়বসি তঙাই ফদবা তৌফম থোকপনি। মহাক্কী লমচৎ শাজৎ অমদি থৌওং থৌদাদা অশোয়বা য়াওরগসু মহাক্না হায়রিবা অদু কুরআন অমসুং হদীসকী ৱাফম ওইরবদি ৱাফম অদু ইন্নবা হোৎনগদবনি মফম অসিদা হায়বা ইনগদৌরিবসি আলিম অদুগী ৱাফম নত্তে কুরআন অমসুং হদীসকী পাওতাক অদুনি।

---

**ৱাহং-২** দঅৱৎকী চাওরবা থবক অমা তবলীগ জমাঅৎনা পুদুনা লৈরে অমসুং মসিদা দীনগী ফিকর লৈবা আলিমশিং অমদি আলিম নত্তবা কয়া য়াওরি। IRDC হায়দুনা দঅৱহ সেন্টর অমা হাংদোকপগী মরম করিনো মসিগী থবক অসিনা করম্বনো?

**পাওখুমঃ-** য়াম্না নুংঙাইজে ৱাহং অসি হংবিরকপগী। অহানবদা হায়জনিংবদি অফবশিংবু শন্দোকপা ফত্তবশিংবু মুথৎনবা হোৎনবা হায়বসি দঅৱৎনি। অফবা পুন্নমক্কী মকোকসি ইমান্নি ফত্তবা পুন্নমক্কী মকোকনা শির্কনি। ঙমখৈ অনীশিগী মরক্তা লৈরিবা অফ-ফত্তা পুন্নমক পাংথোক্লবা অমদি থাদোকনবা হোৎনবগী মহোৎনশি মখল য়াম্মী অমসুং মওং তোঙাল্লি। তবলীগ জমাঅৎকী থবক অসি য়াম্না চাওই; ঐখোয়গী নবীগী উম্মৎকী মনুং চনবা জাতি খুদিংমকপু অমসুং মুসলিম সমাজদসু কাংলুপ শিনবা থুংনা ইস্লাম্গী পাওজেল য়ৌহন্নবা উপায় কয়া শিজিন্নদুনা দঅৱৎকী অৱাৎ-অপা মেনখৎনরি। মতম মতমগী ওইবা লাইনা মশিং হেনগৎলকপগী মতুংইন্না মখল মথেলগী লায়েংশঙ অমসুং তোঙান-তোঙানবা লমশিংদা থিজিনবা Doctor শিং থোরকপা দরকার ওইবগুম IRDC অসিসু হিরম খরদা শরুক য়ানবা হায়দুনা শকনাইরবা আলিমশিংগী মশৱরা মখাদা লৈজবনি। IRDC না তৌবা থবক থৌরমশিং চুম্না খঙবিনবগীদমক্তা নাকোংনা তারগখক অমল তৌবগী মহুত্তা মিৎয়েং তাবিবগা লোয়ননা, মসিগী পান্দম্বু খঙবিনবা হোৎনবিবা অমসুং উম্মৎকী অৱাৎ-অপাশিং মেনখৎপদা শরুক য়বিরবদি লমদমশিদা দীন ইসলাম অসি চাওখ্‌ৎলকপদা মতেং ওইগনি হায়বা থাজে।

---

**ৱাহং-৩** Education Loan, Business Loan, Home Loan, Car Loan মখোইশিদা করম্বা লোনবু শরিঅৎনা অয়াবা পিবগে? শরিঅৎনা য়াবা মওংদা লৌগদবা Loan গী মওংনা করিনো?

**পাওখুমঃ-** শেল ওইনা লৌরগা শেল ওইনা শিংগদবা লোন ওইরবদি য়াদে হরামনি অদুগা পোৎ ওইনা লৌরগা শেল ওইনা শিংগৎপা ওইরগদি মদু পোৎ অদু লৈব-য়োনবগী মওংদা য়াই।

---

**ৱাহং-৪** অল্লাহনা জমিন্দা থারকখ্রবা পোৎশিং অসিগী Research তৌদুনা অনৌ-অনৌবা পোৎ কয়া পুথোকপগী থবক তৌরিবা অসিবু দীন্দা চনগদ্রা? Inventor, Sceintist, Manufacture নচিংবশিং অসি মখোয় আখিরত্তা মায় পাকলোইদ্রা?

**পাওখুমঃ-** অখিরত্তা মায় পাকপগীদমক ইমান অমদি অমল সালিহ তঙাই ফদে। থবক অমবু দীন্দা তাহনবগী মওংদি শরিঅৎকী নিয়ম-নিতিগী মতুংইন্না তৌরগনি। শরিঅৎনা য়াদবা হরাম ওইবা পোৎ অমগী Research তৌবা, পুথোকপা, য়োনবা হরামনি, দীন্দা চন্দে। অফবা, অচুম্বা হলাল ওইবা পোৎশিংগী Research তৌবা, পুথোকপা য়োনবা মীঙোন্দা কান্নবা পিবা অফবা থবক্নি। নিয়তকী মতুংইন্না মান-মানা তৌজবগী মতুংইন্না অল্লাহনা বদলা পিনবিগনি।

---

**ৱাহং হংবিদুনা চমন্নরবা লম্বীগী অচুম্বা মঙাল থিবিয়ু!**

**SMS to 08080455066**

e-mail: islam.irdc@gmail.com